টিকাগা কোম্লনা ফেংওদাক্তুনা পুথোকপা চুম্লে। মসিগী মাযকৈদা খোঙদাবা মী অমা অনীস্তু মউরে। মসী ঐখোইগী মুংঙাইনিঙাই রাকম অমনী। অবিবা সাহিত্য নৈ।’ববা মীপুমশিংদা সাহিত্য-পরিষদতনা নত্তনা ঐখোই প্রজা খিবিরস্তু ওম্বমথৈ খোগৎপীবা মতম ওইবরে। মসী জাতিগীদমক হাযজবনী, লাইরিক-স্তনীবা মখোইগীদমক নত্তে। সরকাবনস্তু চৌজিক চৌজিক শেল পাংবীবি। অদুবু পীবিরিবা শেল্লাড্ডনদি থবক পাঙথোকপদা শুরুঙাই ওইদে। অদ্না খবা চেন্না মতেং পাংবীগনী হাযনা আশা তৌজ। অবিবা সাহিত্যগী মবমদা মমাঙ-থাগী অধিবেশন কযাদা কোঙ্গাই’মা ঙাংল-প্রবনী। অদু মাসীগী মবমদদি অসীরাইদা লোক্টসঙ্গরগে।

বাংলা অমস্তুং ইংরাজী-সাহিত্যদা ইথাব্বনা মৈতৈ-সাহিত্যগী খোংথাং লেপল্লবস্তু খোঙ থাংল-কপা হৌবকপদদি সাহিত্য অনীসীগী তেংবাংনা কযামুক কাম্লবকপগে হাযবদু মযাম পুম্বনা খংনরী বনী। লোল অনীসী শাদোং ওইদুনা পুবিবা অবংবা রাখনগী ইথক্লা যৈবকপদা কনাগী মাংবা লৈবগে? রাংলবা রাখনশিং অসীনা মীওইবগী কাম্লঙাইনী খনবদগী চাওখৎকে তানখৎচরক্লিবা ছিন্দিনচিংবা ভাবতকী-লোল কয়ানা রাখনশিং অসীগী শাদোং ওইবগা লেমজগনী খন্দুনা কয়া কম্লা হোৎনখি। হন্দক্তস্তু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী লাইরীক খরা মৈতৈলোন্না শাদোং ওইদুনা ফোঙননবা থৌবাংলি। অস্তুম্না ইংরাজী সাহিত্যগী অকবা লাইরীক কয়া মৈতৈলোন্দা হন্দোকতুনা ঐখোইগী লোঙ্গৈ মবল হেনগৎহনবা যাই।

অসীদস্তু নত্তনা মনীং-তম্না সাহিত্যবু থৌগন-জনীংবা মী কযানা বাংলা ইংরাজীনাচংবগী বাংলবা রাখন্দা ঈরেইক্লরগা রাখন-ইথিন কংলকপড্ডনা মতেং ওইবা কোঙ্গায় অমস্তু যাওগদৌরিবনী। লোল য়াম্লা হৈবগা রাখল চাউখৎনবগী মবম্লী হাযনবি। লোস্তোপ হৈরুবদগী মাঙনঙাই করিমতা লৈতে।

অদুবু ঐখোইনা মতম খবা বাংলা লোন স্কুল-কোলেজদা শীজল্লকবদি মৈতৈলোনগী মফমদা থল্লগা শীজল্লকবনী। মবমত্তুনা মৈতৈ-সাহিত্যগী খোংথাং লেপ্পা চৌখিবনী অদুগা খোঙথাং থাংলক-পদস্তু শাক্তৌ থেংবগী তৃং-কোনবা হাযবদু মওইবনী।

সাহিত্যগী খোঙথাংদদা নত্তনা মাযক্কৈ অশাস্ব-দস্তু খোঙথাং-শোনবা মৈতৈনি। অদুবু যাক্তৌ থেংলবস্তু থেংনা খোঙথাং-লেপ্পবা জাতি অমা ওই-নবা হোৎনবসী ঐখোইনা চৌজিক উবা ফংলে। ইকুই কুইড্রি, লালগী মমাংদা জাতিগী লাইবক্লা মৈতৈ সাহিত্য লৈকোন্দা পাম্বী চারা পীখক পীখকপা অমা-অনীতং হৌজবত্তু অযংবা কাঙবনা পোথা পোথা সেংবদা য়েংনঙ ই নাৎতুন্দা লৈবক্সনী। পাম্বী-চারাশিং অদুব মমিং কৌজবগী মহৈ যাল্লে হাযসীবা হাযনুসীরা হাযনা ঙকচানত্তুনা যেংনবস্ব। ঙাক্লী। অদুবু লৈকোন-শেনবা পোকপনা লৈখোং শোম্বা কন্দবন চাওখৎলবা লোস্তোপশিংগী সাহিত্য লৈকোন্দা বাংচাউন। লেম্না লেপ্লীবা পামেল-উজাওগী মতৌ তম্না বাংনবা হোৎনবগী খোংথাং থীন্দনা টবক্কনী হাযনা থাজনবী। নোম্ববু তৎত্রবদা মশাগী ওইজবব থাদোল্লবদা, মজাতিবু মীমাংদা লেম্না পুথোকচনীংলবদা—খোংথাং লেপ্তবা জাতি কনানা পামেল-উজাওগী সাহিত্য-লৈকান লোইদবা যাওবগে? ঐখোই মৈতৈস্তু অদুমঙাই! হৌজিক ঐখোই নহাবোনশিংনা চত্তি খরদং অসীগী মন্নুংদা মৈতৈ লোঙ্গৈগী লল কযা হেক্সৎতল্ল। মসী উবদা মৈতৈ লৈমনা মচা পোকচমলগী মহৈ যানগদৌরমাল্লে হাযনা নোকচবা হৌবাক্ল।

রা অমগা ঐন্না নীংশিংজনীংবদি অসীনী। সাহিত্য-থৌগন-চা কুয়াগী মন্নুংদা মখোক শোনবা

লৈরাংগুম্বা মী তাম্মু য়াওরমগনী। মখোইহুগী মরমদা সমালোচকশিংনা থাংথো-থাংযানগী মশক ওইবা মাহৈ-ওয়াতা শীজন্নবদা খরা চেকশনবীবা পামজে। থাংগ্লান কনবদগী ইকাইখীবা মথ'গাই-শোনবা সাহিত্যকার কয়না হৌগৎপা য়াদবমখৈ কুনগ্রবদি জাতিগী মাঙবা ওইরকনী। অদুনা কলক-য়েংথি-বদগী নত্রগা মশাব্ নীংতম্বা মীনী খনবদগী সমালোচকশিংনা মনীং পংতম হেক তমদুনা কাহেন্না কোলোম খুৎইল্লবদি অকায়বা কয়া লাক-কনী। শোইদবা কনা লৈতে। অশোইবনা নম্নবা মীওইবা ঐখোইনী। শোইগল্লবা ঐখোইনা শোই দবা মতেক অমতং উৎপা। ভমজবদুনী সমালোচক না থাগৎপীগদবা। মীচংনাইবা মীৎয়েংনা কনা অমবু মংনা থাংগৎপা অদুগা কনা অমবুনা লৌখৎপা য়াদবমখৈ থাধবা সমালোচক মহাক্কী মীৎয়েং লাগ্গবনী। মাগী মীৎংং লালবা মাদি লাইহুম-লাইরি, জাতিগী মাঙগদৌবিবদুনী মুম্না য়েংগদবা। তৌবগীবুদি মৈতৈ-লৈবাক্তা হৌজিক সমালোচক পঙলৈ লৈবদি নত্তে।

মা অমগা! ঐখোই মৈতৈসী অাম্বনা লাই-রীক পাগন্দে। খোই.র মা বিশ্ববিদ্য লখগা লাইবীক তমদুনা লোইবক্লবা মীতা লাকুনা খবব্ হেল্লে— লাইব্রেবীদগী লাইবীক লোদুনা নত্রগা ময়ুমদা মরম্লাই লাইবীক থমদুনা পাগন্দবা অসী। শাজৎ অসী লাইবীক-লেংবা মীওাশিংগী অফবা শাজৎ নত্তে। ঐখোইগী ইবাইবক কবনা ঐখোই ঐখোইগী মমাংদা পৃথিবী অসীদা মখল-গোংবা মী কথা পোকখরে। মখোইগী শেংলবা থমোই-লকানুংদগী ইহৌরগা মখোইগী যাকানুংদগী চেম্বরকপা মাহৈ কয়া চেন্দুনা লৈরে। মখোইহুবু উরু তারুবগা ঐখোইগী বুদ্ধি-লৌশিং চাওখৎলোইদোবা লৈতে। অদুনা ঐখোই পুম্বনা লাইরীক পাবা হায়বসী তোক্তনবা হোৎনকম থোকয়ি।

মৈতৈলোনগী বানানগী মরমদা এা অমা-নীদং পগ্গে। হৌজিক য়াম্না ভাংনবা তাই—মৈতৈ-লোনগী বানান মনীং তম্নে, মী অমগা অমগা বানান মাম্লনা ইদ্রে। হায়নরিবসী অচুম্বনী। বানান চৎকদবা অমা লেপ্লসী অর্থ কায়দনবা হায়রগদি চুম্লিবনী। বানান খেন্নরগা অর্থ কায়-রবদি ইরিবা পোৎ অদু চীংদা শাৎপা ইভৈন্নেগুম কাম্লরোই। অদুবু বানান লেপ্পা অরায়বা পোৎ নত্তে। লৈশেমভৈদগী ভসীকাওবদা লোল অমতগী বানান খোম্থোক মতুং ইন্না চুম্না ইবা ভন্নদ্রি। অদুনা লোল খুদিংমক্কী মীনা 'বানান লেপসী বানান লেপসী' হায়না লাউনবা তওনা তাম্রি। মাসী ঐখোই মৈতৈতগী নত্তে। অদুবু বানান লেপ্লসী পুঙভন্মক ভমত্রবসু ভম্বমখৈ হোৎনদুনা য়েংবদি মকৈ।

বানানগী মরমসীদা কনাগুম্বনা হাংবদি ঐপোইনা শীজন্নরিবা সংস্কৃতকী খোম্থোক পুবা বাংলা ময়েক অসীনা মৈতৈ খোম্থোক অংগংগা ফোংদোকপা ভমদবনী হায়। মসী মৈতৈ ময় ক্লা ইবদি শোইদনা বানান্দু খোম্থোক তুংইনগনী হাংনৈ। মাসী চুম্বসু য়াই। অদুম্নদি ওইরগা মতমগী খোঙচৎ হেংবগুম্না অনৌবা মাহৈ অদুগা অনৌবা খোম্থোক কয়া লাকপনা মশীং য়ামদবা মৈতৈ ময়েক্না খোম্থোক শুনা বানান তৌবদি রোমান ময়েক্না ইউরোপকী লোলশিংগী বানান শুনা তৌবা য়াদবগুম খোক্কনী থাল্ল। ঐনা হায়রিবসী লাল্লম্বা য়াই; মরমদি বানান-হৈবা অদুগা মৈতৈ-মহৈ মরাং কায়না খংবা মী অমা ঐহাক্লা নত্তবনীনা। ময়েক য়ামল্লগা চাওখৎপা ময়েক কৌবা য়াদে হায়না খাগী লোলগী ময়েক পু হায়নবগুম ঐহাক্তি মশীং য়াম্মন্দবা রোমান

ময়েকপুস্থ চাওখৎপা ময়েক কৌনীংদে। অতুবু অছৈ-অশিং কয়ানা নৈনবীবগা মৈতৈলোনগী বানান অমা শোইদনা লেপ্পবব কনী।

হৌজিক লাইবীক কয়া কয়া লেংহুনা লৈবগী মম্লুংদা ছাপা নমহুনা ফোঙদোক্তবা কয়ামা লৈরি। মখোইগী মরাইবক লেপ্পদা সাহিত্য পরিষদ-না মতেং পাংবা ঙমগনী। থোকয়ি। পাম্লিবা মতেংদি শেলগী মতেংনী। পরিষদকীদি মরম্লাই শেলগাও চোম্না থম্বা ঙমদ্রি। স্কুল কোলেজগী তম্নবা লাইরীক খরা ফোংবহুনদি কবিস্থ ওইবা য়াবা নত্তে। ছাত্রগী তম্নবা লাইরীক হায়বসী তুং কোইবা সাহিত্য নত্তে। অতুনা মতুদগী লাক্পা শেন্দানা লাইবীক ফোঙবদা মতেং পাঙবা ঙম্বা নত্তে। অতুমকপু পরিষদনা উপায় অতৈ পুথোক-তুনা মতেং করম্ন পাংবা ঙমগদগে হায়বতুস্থ খন্থবীবা য়াই হায়না খল্লী।

শেল-থোকপা কাঙবুনা লাইবীক অনৌ-অনৌবা হেক থৌরকপদা অমমমতং লৈবীহুনা য়ুমগী লাইবীক-শংদা থম্বীববদি য়ুম য়ুমগী অঙাংশিংনস্থ পাজগনী অতুগা লৈকাইহুগী লাইববা মীতাশিংনস্থ য়াইহুনা পাজগনী; অতুগীস্থ মথক্তা লাইবীক লেংবা লাইবীক-ফোঙবা অনীমক্কীস্থ মতেং ওইগনী। মস্থুম্ন লাইরীক শীৎপা যাননবা থাই পুম্ববু লাইরীক লৈহম্নীংনবা পাওজেল থৌরাং শীম্নবগী থবক পঙ্গাও অতু পরিষদনা লৌখৎপীবা য়াগদ্রা হায়নদি নীংজে। অতুবু সাহিত্য পরিষদকী থৌবৃবশিংনা খনবী গদবা মঙাই। ঐনা পুথোক্চবিবা রাখন অসীবু থবক্তা পাঙথোকপা য়াহুনা লাইরীক শীৎলবদি ফোঙবীনবা মীস্থ চোঙথোরক্কনী। শেল রাংপা নত্তে, শেন্দোংলোইদবা হাযবা কিবদগী ফোঙ বীনবা রাংপনী। সরকারগী মতেং ফংলবস্থ কয়া য়াম্না ফংবা ঙমগনি? চংগদবদনা হেনগনী।

অতুদগী অমগা তৌবা য়াই হায়না খল্লে। পরিষদ-না শীন্দুনা নহারোলগী লাইরীক কৌখৎলগা অথোই-অহেন চাঙযেংহুনা মনা-মথুম পীবা য়াই। অতুম্না মনা ফংলবা খঙংলবা লাইরীকতু সাহিত্য পরিষদ কী বরগা লোইনরবনীমা ফোঙ-নীংবা মী চোঙথোরকপা য়াই। মসীদি অহল-লোনগীদি য়াত্রবস্থ নহারোলগী মথক্তদি শোইদনা লাইরীক পীথৎলকউ হাযবা য়াগনী নীংজে।

অহল্লোনগী লাইরীক্কী মরমদনা অসীমা তৌবা য়াই খল্লী। মতুদি—বোম্বেদা লৈবা ভারত বিদ্যা ভবনগী লাইরীক মফোঙ অতুগা লাইরীক ময়োল অসীগীমতৌদা পরিষদনা থা অনী অমী নত্রগা অহুম অহুমদা লাইরীক অমমম ফোঙলগা হাহুনা মমস্তনা হুঞ্জম্নবা মমল হোংনা য়োনবা। অতু ওইববদি য়ামদ্রবদা চহীগী লাইরীক অহুমলোমদি পুথোকপা ঙমগনী। মসীস্থ পরিষদকী কাঙবুনা হাম্নমা খম্নবীবস্থস্থ য়াই।

ঐনা হাধাববসী হৌজিকমক মহাভারত ফেংবা কাঙবুনা তৌরিবনী-সী। মহাভারত যোল্লিবা মমল অসী ফনা য়াম্লিবনী। অতুবু হায়বা কনবদগী লৈবীনবা পাত্তে।

কনাগুম্বমা হায়বা য়াউবি—লাইবীক অফবা থোক্তবননী। লাইবীক্রবু ফববদি কবিগী শীত্তনঙাই লৈবগে? হায়বিবসী খবগী মখৈদি চুম্বা য়াই। অতুবু লাইরীক পাগন্দবা মৈতৈ ঐখোইনী। লাই-রীক ফরবস্থ ফত্রবস্থ হারগদি মকাম্নগনী।

রাসী মখা তাথনঙাই থোইনস্থ লৈজরে। অতুগা ঙসীগী থৌবমদা ভাষণ অতৈ অতৈস্থ মশীং য়াম্না লৈরি। অতুনা ঙসাইমখৈ য়াম্না নুংশিনা ঐবু চানবাহুনা ঐগী ভাষণ অসী তাবীরকপগী তৌবিমল কাউদবগী ফোঙদোরঙাই চপ-চাবা পাহৈ লৈজত্রবস্থ উৎপদদি উৎচরগা ঐগী ভাষণ অসী লোইশঞ্জরগে। ঐগী অয়োল-অরাল অপুম্বা পভাগী ঙাকপীহৈবা ঙম্না ঙাকপীগনী নিংজে। ইতি।

মণিপুরী ড্রামা

শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুঙোহল সিংহ

(সাহিত্য বিভাগতা পীখিবা ভাষণ)

ড্রামা হাঙ্গবা অসি মীওইবগী জীবন অমস্তুং লমচৎপু থবরা ৱাবিগী মওংদা পুথোক্ত্না, নাযক নাযিকাশিংনা লীলাগী কম্বাকতা শান্নহুনা মক-য়োইনা গদ্যগী মখোংদা ৱাবি ৱাতাই শাহুনা কবিগুম্বা পল্লোইগুম অমদা লোইশনবা অহুবুনি।

ড্রামা অমস্তুং থিয়েটর হাঙ্গবসি গ্রিক শব্দগী ওংখ্রোবগনি, ড্রামা হাঙ্গবদি অতউবা থবক, থিয়েটর হাঙ্গবনা যেংথম হাঙ্গনি, অদুগা ওডিয়েন্স হাইনা লাটিন শব্দগী ওনবনি, অর্থনা তাবা হাঙ্গবনি, পোৎচৈংথবদা অতাবা মী হাঙ্গবনি। অহুম অপনা পুল্লগা হুজবাক ড্রামা আস থোকই।

ড্রামা হাঙ্গবাস ওয়রা চনববা হিন্দুনা হান বরা হাঙ্গবাস খন্নানংঙাইনে। হিন্দুগী ড্রামা যাম্না চওখৎলম্বদগী মখোং তাথবকলবা মতমদা ইউরোপ-লোমদা ড্রামা থাম্না চাওখংলকই হাঙ্গবা অসিমদি চুমই। হিন্দুগী ড্রামা আসদা গ্রিককি ড্রামাগী কবগুম্বা মমি অমতা ওাদ ওাঙ্গন অচৌবা অথেবিটিনা হাঙ্গবি। হিন্দুগী ড্রামা হউব সনা ভরতমুণিদা ব্রহ্মানা বেদদগী লউবা নাট্য তথি, মাহুদা মহাদেবনা অনৌবা মবো অনি অমগা হাপচিল্ল। হাঙ্গবদি ঋগবেদগী ডাইলোগতগী ভরতবর্ষগী ড্রামা থোবকই। গ্রিককি ড্রামাদি মহৌশা লাইবক্সা খুকস্বদগী হৌই। অদুগা হিন্দুগীসু অহুমওাই লাইখবম্বদগী ড্রামা হউবান। নোচুনবনচিংবদা লাইখবম্বদগী ড্রামা হৌই। এ, সা, কিনা হাই র:—Keilt reject the evidence for a secular origin and concludes that Sanskrit Drama was probably evolved by the Combination of EPic recitation with the Dramatic movement of "the Krishna legend in Mhich a young god Strives against and overcome enemics" মবম অহুনা মপান থোংগী হুংঙাইনবা হয়াও কুম্মেদগী ড্রামা হউব নত্তে। মধ্যযুগকি ইউরোপতা চর্চগী অথুপ্পা অঙকপা অমস্তুং পুকচেল তিংবা অমস্তুং যজ্ঞবা উৎপগী কুম্মেদ। অমস্তুং পূজাদা উৎলি। অহুনদি ড্রামানা হউবসি মক য়োইনা সকামগি দমক লাই খুরুম্বদগি হউবনি।

ড্রামা অসিনা হউবকপদা ষ্টেজ লযবমদে। পুংশন যৈবা, যন্ত্র খোংবা ইশৈ শকপনচিংবা পালানা ইকোই-কোইনা লৈপল্লগা মথাংদা মহৌশা লাইবেম্বীগী খুবম অম যারগা ড্রামা শান্নবম্ম। মহুগী মথংদা পালাশিং অহুগী ৱাংমদা লীলা যাওবিবশিং অহুগীদমক যুখননা ফকলাং থাবা যুম অমা শাবা হউই।

কাইনথংদা ষ্টেজ শাবা হউরকপনি। বেয়া ইহান হালবদা ouditorium ভাবক ফমফম শাবা হউই মহুমকতি থা মচেৎ শাবা পোইনা তউই। হুজিকাক ড্রামাগী যুমদি মথাগী অসি যাওনবে:— ওডিটরিয়ম (ভাবক ফমফম) (১) বেলকনি মাঙ্গান জাৎ অমা (২ কোবাইডব (মঙ্গল জাৎ অম) (৩) টিযার (থাজিনবা বা) (৪) লে বি (ফম্ন খোৎনবা কা) লযনয। অদুগা ষ্টেজদা ‑ই স কানথোক কোনশন তউবা নত্রগা ইস্তেক ইনশন তউবা শিন, লীলা থাওরিবা মুপী নিপা শিংগী পোৎলোই শেৎনবা অমস্তুং তোংনবা কা (ড্রেশিং কম) লযনয। খৃঃ ১৫৭৬ তা জেমস ববেজ্জী হাকতকতা লেণ্ডবা (Permanent) ষ্টেজ শাই। মাগী মচাগী হাকতকতা খৃঃ ১৫৯৯ তা অকাওবা ড্রামাটিষ্ট সেক্সপিয়রগী মরু য়োইবা

ড্রামা শান্নে। Aristotle গি Poetics তগী Drama লউই অমসুং মানা Drama ইবগী পথাপ (Law) ইবখি। লোশিং অদুগী মনুংদা Drama অসি মতম অমসুং মফম্না পুল্লখি। মফম অমসুং মতম্না পুনবদু যাদনা মনিং ওউনা Drama ইবা হউর্বসি সেক্সপিয়াবনী। সেয়াপিয়াবগী শৈবেং পনতুপ অমসুং ভাবকি মমি লোল অযাম্বগী লীলাদা তাই হাইবা য়াই।

মথক্তা হাঈজখ্রিবা ড্রামা অহানবসি ঋগ বেদগী রারি য়াতাইগী শককতুনি। অদুগা ব্রহ্মানা ভারত মুণিদা তম্বিহনা মহাদেবনা মতেক খব হাপতুনা লাইগী জগোই শাবীশিংনা শান্নে হাই-রিবসি লাইরম লেন্দনা য়ান। মিবমলেন্দা হিন্দুগী খ্বাইদগী হানন ড্রামা ইবা নিপা দ অশ্বঘোষনা। শান্নাবা হউর্বসি রা ভাদনা খুৎশাদ হাইদুনা শান্নবা (Pantomime) যাত্রা হউই। মথুদগী পৃথিবীদা ফাওরবা কালিদাসকি শকুন্তলা থোবকই। মানা বিক্রম অমসুং উর্বসী ইরম্মী। খৃঃ ১২০০ রাইদা জয়দেবগী গীত গোবিন্দ থোবকই। হিন্দুনা অশুক কুইনা ড্রামা ইনকলগা ইারব লাযবমদাগুম্না নোচুপলোমদগী ওম্বগুম্না থোকইবাসগী মবমদ ঐখোইগী পণ্ডিতশিংনা ইবম্বাস লাইবক হাপবা খবদগী য়োইনা তউই। মীয়ামদা (mass) অপিল তউনবা কবা ইবা উদে হাঙ্গনা অচৌবা অথোবিটিশিংনা হাই।

খাগীশিংগী ড্রামাসু লৌথোকপা, লালচৎপা অমসুং হন্নকপা অমসুং ভাইশন্নবা মতমদা ইশৈ শকপা অমসুং জগোই শাবদগী হউবনি। জাপানগী ড্রামানা সাধারণ প্রজানা হবাও কুম্মৈ তউবদগী হউবনি।

মতৌ অসুম তউনা মিতয ড্রামাসু লাই-নিংথৌ লাইরেম্ম (পরমাত্মা) পেন্নবা হাইদুনা জগোই শাবা ইশৈ শকপা য়াসগী মপা মমা লাই-হবাওবদগী হউবনি। লাই হবাওবগী থৌওংদা লংতিংহনা ইশিংদগী লাই পুখৎলে। লাইনৌ তারে, পবিং লাংসং লয়তাইনুংদাই অমসুং নোংদোন জগোই শারে অদুদগী লাইপৌ শাবে অশিনচিংবা অসিগী মনুংদা নাট্য নৃত অমসুং নৃত্য অঙ্কমমক লয। কয এন (ক্রে ক্রে কে) অসিসু Drama নি। সনামহিগা পাখংবগবু গুরুসিদবনা নোংখোং কোইযু হান্না থুংঙবনা নিংথৌ য়োইনি হাইবগী মতুংইন্না আনমক কোইবে। সনামহিদি কোইখ্রে। পাখংবাদ কোইকদনা লৈমবেন্না তাকপগী মতুং ইন্না গুরুগী কানখোং কোইবগা থুবমলে, অদুদা গুরুনা মাঙোন্দা লেপাক পেবে। সনামহনা লারুগা পাখংবদু হাৎকে হাইদুনা চন্নবে। ~~প্রাখং-বদু হাৎকে হাইদুনা ভানাবে~~। পাখংবদু কনগে হাইদুনা লাই নুপী নিপা মযাম্না খুৎশন্নদুনা কো-শিন্দুনা থাম্মি। মসিগী অভিনয অসিবু কয এন নত্রগা ক্রে ক্রে কে হাইনা হুজিক ফাওবা শান্নাবিবা অসিনী।

কার্ত্তা মহারাজবা কুঞ্জবাস, মতাদাস, নবাসিংহ মহারাজনা বসন্তবাস অমসুং সুবচন্দ্র মহারাজনা নটবাস পুথোকলমমি। হাইবিবা বাসসিং অসিদা নৃতনাট্য নৃত্য অঙ্কমক লয হাইনৈ। সার চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মা হাকতকতা মহাভারতকি শরুক কযামকম যাত্রা লীলা য়োইনা উৎখি স্বর্গা বাজচন্দ্রনা ভীম শাবা যজৈ হাইদুনা অহল্লম্মন্না শোন্নবা ভাজহৌই।

হুজিক কালগী ড্রামা হাইদুনা খংনবিবা অসিনা মণিপুবদা হউবসি ইং শোক ১৮৯১ গী মতুংদনি। পুরানা রাজবাড়িদা গোলাপ সিংহ শেলুংবগা শবৎ বাবগনা তম্বিদুনা ড্রামা হউই হাইনৈ, বিষবদি প্রভাস মিল্লননি—বিহারী, কুঞ্জবিধুনা চিংবনা

পার্ট লউই হাই। বাবু পাড়দা দুর্গা পূজা মতমদা জনষ্টোন স্কুলদা অমস্তুং এডুকেসন ডিপার্টমেন্টনা সরস্বতি পুজাদা বাঙ্গলা লোণদা ড্রামা শান্নে। ১৯১৪ দা জনষ্টন স্কুলদা পার্থ পরাজয়গী অনুবাদ মিতৰ লোন্দা ড্রামা শান্নাবা হউই।

১৯২৫ গী সেপ্তম্বর থাদগী মিতযগী বিষয়দা মিতয লোন্না ইহুনা ওরিজিনেল ড্রামা শান্নাবা হউই। হুজিকী মতমদা নহাবোল যান্না ড্রামা ইনরে। যান্না ফজবা মানা নিংইবহু ওইহনবহু ঙম্না ইবা যান্না যাওবে। অদুবু পাবিনবা মিশিং যামদবা মবন্না মথ মথং ইথগদবা অমস্তুং ফোংবদা খব পাল্ল। ফোংজবকপা মতমদা থুনা থুনা লয়-বিহুনা উৎসাহ পিববা চুস্ম। অদুগা অকাওবা একটব, মতম কুইনা লম অসিদা মতম পিরক্লবা অহল্লমন্না ওবিজনেল ড্রামা ইবিহুনা মতুংগী নহাবোলদা লমচাংবনবস্তু খবা তউবিবা ফয।

ড্রামা হাযবসি কাবগুম্বা মোবেল অমা উৎনবা ইবা ঙাক্লনে। মাসগী মনুংদা করুন, বীর, রৌদ্র, ভয়ানক চিংবা রস পুম্নমক লৈ। ড্রামা পাবদগী জাতি অম চাওখৎলে, থউনা ফবা হোল্ল, দেশ ভক্ত ওই, মপা মমা নিংবা হেল্লি, মচিন মনাও চান্নে অসিনচিংবা। হুজিক বাঙ্গালনা অশিংবা, দেশ ভক্ত বীরনচিংবা বোইবির্বাসদা ডিঃ এলঃ রাযগী ড্রামা অমস্তুং মুকুন্দগী যাত্রাগানগী শকক যান্না যাওরি হাইবদা হাইমনবা থোক্লোই। ডিঃ এলঃ রাযনা মেবার পটন্দা গিযে দেশ দুঃখ নাব আবার তেরা মানুস হাওলান্দা মাই-থিহুনা দেশ মীন লৌগ্রে; রাক্লনু মী অমুক ওইয়ু (মরাইনা হঙ্গিনজগনি) অসিনচিংবা। মুকুন্দনা শকলম্মি—দেশদা বিদেশতা কোইহুনা ঈশৈ কথা শকলে। কনাস্তু অর্থ খংদ্রে (স্বরাজ কংনবা সমাজ শেংদোক্লবা হোৎনসি)। নবসিংহদা হাইরি "মৈতৈশিং অসি স্বদেশ নুংশিবা প্রেম অসি পোক্লনবা ইদ্রি অদুমা রাৎপগুম তৌরে ....(স্বদেশগী প্রেম অসি পোকহনবা যাগনি। .. ..মসি পুম্নমকপু........তাকপিববদি স্বদেশগী মবমগীদমক মমিগ্তা মপি তাবা ঙমলক্কনি। ....হাইনা হেক কপ্পা মতম অদুতদা মণিপুর উদ্ধার তউবা ঙমগনি।" খম্ব-থোইবী ড্রামাদা থোংলেনগী বীর অমস্তুং ভয়ানাক সৌবা অমস্তুং তোরোগী হাস্য থোইবীগি প্রেম, খম্বগী করুন অসিনচিংবা অঙকপনি। অলমতি বিসারেণ।

অরোইবদা ড্রামা অম থোরকপদা লোন্না অমস্তুং ফোংনা অফ কত্ত ঙাংবা ঙাক্লনি। কত্তবা ঙাংই হাইহুনা পুরিং হনবিগন্নু। ঙংদা ঙাংলগা যাওং ইনবা মমাক্লা মকুগা মরৈ যেৎনবদা মশাই অনিহুনা ঙাওতক তউবা মান্ন হুনা। মক্না হাইব "ইমাক খোইবুদি কাবস্তু বোইনা উত্রবনিদা।" মমাক্লা "ইকুখোইবুদি ঐদি স্বকউ উদে" হাইবহু কাওবিনু। অদুগা ঙাংলকইবা ওগা অদুক্কু শাও-বিকনু। ঙাংবা ঙম্নবা মী অমনি হাইহুনা ঙাংলক্লবনি, মাগি মওথাক্তস্তু মুন্না মতাশিনবাবু, মকানগনি।

জয় মণিপুর ড্রামা।



কলা

শ্রীদ্বিজমনি শর্ম্মা —

(কলা বিভাগকী সভাপতিগী ভাষণ)

অপাকপা অর্থদা কলা হায়রগা প্রকৃতিগী মহৌশাগী লৈবক্না পোৎ নত্তবা মীওইবগী হৈশিংবগী মতৌদগী থোকপা মহৈবু খঙনৈ। খরা পিকশিনবা অর্থদা ললিতকলা (Fine Arts) হায়বগা খ'বা পুকনিং অমসুং পুক নংগী কল্পনাদগী থোকপা মহৈ শিংবু খঙনৈ। তন্ত্র শাস্ত্রগী মতুং ইন্না কলাগী মশিংদি ৬৪ নি। ঈশৈ শকপা, পুংথৈবা, লাইযেকপা, জগোযশাবা, মূর্ত্তি শাবা, যুমশাবা, কবিতা লেংবা অসিনচিংবা অসি কলানি। মখোইশিং অসিগী অমমমবু লৌখত্তুনা নৈনবদি মকম অসিদা ওইথোক্কবনি। অদুনা পুন্নমকী ওইনা চাউবাক্না নৈনবগী প্রস্তাব তৌরি।

মী ওইবগী ইতিহাস অসি মীওইবগী ব্রাখন্না শেমগৎলকপা হৈশিংবগী মতৌগী পোৎনা পিকথল্লি। অতৈ জীবগুম্না মীওইবাদ পুকথন্না চাননবা পোৎ লৈরগা পেনবা ঙমদে, নোংনুংশিৎ অমসুং নুংশাদগী কন্ননবা মথককুপ্পা খাংপোকশং অমা লৈরগা পেনবা ঙমদে। মীওইবনা বস্তুজগৎতদা ভাওহুনা লৈতে। ঈশ্বরনা পীবিবন্না মহৌশাগী ফজবা পোৎ মযাম অদু উবগা মখোইগী ব্রাখন্না ফজবা পোৎ অতৈ পুথোক্কবা হোৎনরক্লি। থিশেৎপা মতমদা ফজনা শেৎননবা অমসুং ফজবা থি শেৎননবা হোৎনবক্লি। চাননবা পোৎ থোৌবাং তৌবা মতমদা ফজবা অমসুং অফবা পোৎ চাননবা হোৎনরক্লি। যুমশাবা তারবসু মথক কুপ্পা পোৎ অমা লৈরগা পেন্দহুনা ফজবা যুম শাননবা হোৎনরক্লি। ফজবা মূর্ত্তি অমা উরুরগা নত্রনা খল্লবগা মাদু য়েক্তুনা অতৈদা উহন্নবা হোৎনবক্লি। ঈশ্বরনা শেম্লব্বা জগৎতা তাবদা নুংঙাইবা খোল ময়াম অসি তাবদগী মীওইবনা সঙ্গীত পুথোকখবনি। মতৌ অসুম্না কলা অতৈ অতৈ থোকখিবনি। মক ওইবদি মীওইবগী ফজবা পাম্বা পুক্নচল অস লৈবদগী কলাশিং অসি থোকখবনি। মহৈশিং অসি হৈবা মীওইবনা জীবশিংগী মবক্তা অসিগুম্বা ফিভম থৌখিবনি, মাদু ঈশংদা, কংফান্দা নত্রগা অাতৎদা লৈবা জীব পুন্নমক্না কন্দোহৈদেসু থোৌবা ঙমদ্রিবান অমসুং মীওইবগী মথাতা পেন্দুনা লৈবগদবনি।

Plato অমসুং Aristotle গী মতমতু ইন্না কলা হায়বা অসি মতৌতম্বা (অনুকরণ) অমসুং পুরিংনা শাবা (কল্পনা) অমসুং অন অসনা ফংদাবদগী কলা থোকই। ঐখোইনা উহুনা লৈ, কলা হায়বাস প্রকৃতিগী চপচানা মতৌ তম্বদ নত্তে। কলাকারনা প্রকৃতিগী পোৎকী ফজবগা মতৌ অদু থবগা মহক্না অনৌবা পোৎ অমা ওইনা পুথোরকপনি। মহাক্না পুথোবকপা পোৎ অদু প্রকৃতিগী পোৎ অমগা মান্নববসু মহাক্কী পোৎ অদুদা মহাক্কীতগী ওইবা মতৌ অমা লৈ। অদুনা কলাকার অমনা কবিগুম্বা অচুম্বা পোৎ অমা উৎপা মতমদা ইতিহাসনা তৌবগুম্না ইকোক-কোক না অচুম্বা অমা ওইনা উত্তে, মাদুগী মরমদা লৈবা মহাক্কী পুক্চানংগী ফিভম অদু উৎনল। অদুনা Aristotle না হায়রম্মি, "Truth of poetry is greater than truth of history" কলাকারনা শেম্বগী থবক তৌবদা প্রকৃতিগী মতৌ তমলবসু মহাক্না শেম্বা পোক্তা অনৌবগী মতৌ খরদি শোয়দনা উবা ফংই। মাদুদনি কলাকারগী গুণ।

পুকনিংনা শাবা (কল্পনা) দগী কলা থোকই। হায়ব্রে। কল্পনা হায়বা অসি করিনো? সাধারণ ওইনা সাহিত্যদা কল্পনাগী অর্থ দ পুকনিংনা শাবনি। কলাকারগী কল্পনাগী শক্তি আদুদ মহাক্কী প্রতিভাগী মখা পোনবনি। প্রতিভা হায়বা অসিদ অনৌ অনৌবা পোৎ পুথোরবগী সন্ধান। কলাকারগী অনৌবগী মতৌ অমসুং মশাগী ওইবগী তোপ-তোপ্পা মতৌ উৎপাদ মহাক্কী কল্পনা শক্তিগী মখা পোনবনি।

মতৌ তশ্বা অমসুং পুকনিং শাবা পোৎকী ফে দেকপা অসি কলাগা মরি ওইবা শকক্নি। ফনা যজবা পোৎকী মতৌ তমসনু, ফনা যজবা কল্পনাগ মওং ওইনসনু, নাহু ফোংদারবা সাম্বে অহু পুথানা হূবা ওতত্রবাদ মাহুনা কলাগী পোৎ ওইব দে। হৈবাজ্জী বাব Shelley না কলাবু কল্পনাগা থোংদাকানা expression of imagination" হায়বমই। কব অসিগী মত্তা মতৌ তশ্বা অমসুং কল্পনাদগী মখেইগা লোন্দানা থবক অহুনা হেন্ন কলাগী দ ও শক ওহানা হায়বনি। Wordsworth না হো বাখ না। যজেংনা হায়বদা যামদে। মহাক্না বাটৈং "imagination of things is" নি হা মই।

কলাদা কলাকারগী মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা মতৌ লৈবরসু মাতুদা সমাজগী ওইবা মতৌ অমা নি থনা উবা ফই। কলাকারগী কলাদ মহাক্কী সমাজ নত্রগা সম্প্রদায়গী মও মতৌ অমসুং ফিভম অহুগা সমাজ অহুগী সম্বন্ধ অমসুং পুকনিংগী ফিভম পুম্নমক অসিগী মাম যাম্না নিংথনা ওই। মাহুতদা কলা অহু সমাজগী মনুংদা চৎনবা অমসুং পাম্নবা ওই ববান। কলাকারনা মবম অসিনা সমাজগা মাব লৈনবা পোত্তমক উৎননবা হোৎনাবি-বান। সমাজগা মরী লৈনদবা পোৎ অমত্তং উৎলুবদা অফবা কলা ওইবা যাদে। কলাগা দমক্তা "art for arts' sake" হায়বা মত চৎনবা যাদ্রিবসি মরম অসিননি।

অমবোমদা অমুক, কলাকারনা মহাকপু পোক-পিবিবা শিংগী পাম্বতমক যেংহুনা শেলগীদমক্তা কলাবু ললোন পোৎ অমা ওইনা শীজিন্নববদ কলাগী হস্তবা ওই। কলাকার অমগী মথৌদ মহাক্কী সমাজগী পোৎকা মরী লৈননা মওংগী পোৎ পুথোকপনি। হেন্না ঝাংবা পাক্কী কলাগী মহাউ তংবা ওমতনবা অসিসু মহাক্কী মথৌনি।

কলাগী উদ্দেশ্যাদ ফজবা পোৎ শেমগৎলগা বস ফোংদোকপান। ঈশৈ শকপা তৈবা মী অমনা মহারা যেংদাকানংবা বস অহুগী মাতক চাবা বাগ খল্লগা মহাক্কী কল্পনাদগী থোকপা শগ-মখাগী মওংদা বস যেংদোকই। মহাক্না ঈশৈ অহু তাবগা তাবিবা মীগী থুংগৎলবা থোবই। লইবাকপা মীন থোক্লবা লাই অহু উগ অহু যেংদোকলিবা বস অহু অহবা মীনা খংবা য়ম্মই। অসুম্না কলাকারগী ... পুকনিংগী ঈথক অহু ভাবনাকী পুকনিংদ হা-চিত্রগা চৎমান্নব পুকনিংগী ফিভম পোকহনবা ওন্নবা মাহুতদা মহাক সাধক কলাকার অমা ওইগদবনি।

কলাকার অমনা সার্থক ওহনগ হায়ববদ মহাক্না প্রতিভা লেগদবনি, শাস্ত্রগী জ্ঞান লিংলিবা লৈগদবানি অহুগী মতুংদা অভ্যাস তৌগদবনি। খুন্মগী মশক ওইনা সঙ্গীতকী প্রতিভা লৈবা মীনা অহানবদা সঙ্গীত শাস্ত্রগী মপুংথাবা জ্ঞান হৎননবা গুরুগী নাক্তা ফমগদবনি অমসুং মাংক-চাবা লাইরবক-লাইংগু পাগদবনি, অহুদগী অভ্যাস তৌগদবনি। কলা অতৈগী মবন্দসু অসিমদান। অহুম অসিগী মবক্তা অমা ঝাংদা কলা মপুং

ফাদে। অহুম আস অমগা অমগা থান্না নত্রে, অমগা অমগা থ নবা যাদনা মবী লৈনে। খুদমগী মশক ওইনা ইশৈগী প ে লেতবা মীনা ঈশৈ শকপা হৈনদে অহুগা ঈ । শকপা হৈতবা মীনা ঈশৈগী শাস্ত্র নিংথিনা খ ব ঙদে। মবম অসিননি কলা অমাম্বনু থ কশী মহৈ (Practical Art) কৌবিবা। থবব দ । কলা শং অসি খ্ঙবা ঙাই। কনাগুম্বা জ গাইশ বা হৈ তবা মীনা ভ ই হৈ তা ঙুনা ম গী ম মদা ঙাঙলবদি মহাকপী মবমদা চ্যব শ পদবনি। ঈশৈ শকপা হৈতবা মীনা ঈশৈগী মবমদা ঙাওলবস্থু অহুমঙাই।

কলাশি অ সগী মবক্তগী থবদং লৌখত্নুনা অমগা অমগা চাংদম্নহুনা হেংবা কান্নবা ওইগনি। ঈশৈ শকপা অমনা স্বৰগী পাম্বৈনা বাগগী সৃষ্টি তৌই, বাগগী ম তংনা বস ফোংদোকই। চিত্রকার

বেখা ও মস্তু মচুগী পাম্বৈনা চিত্র ৰেবতুনা রসগী সৃষ্টি তৌই। মূর্তিশাবা হৈবা মীনা মূর্তিনা রস ফোংদোকই। কবি অমনা শব্দ শব্দবা র তৈ রাগনা রস কোংদোকই। অমুম্বা কলা খুদংমক মঙ্ গোপান তোঙান্না রস কোংদোকই। অস- গুম্বা তোঙান তোঙানবা মঙাস কুপ্না বেং দ সঙ্গীতকলা কানগী মপানা কলাকাব অতৈগদগী লুবা হৈগ্নি হাবব ওহ। মাসনা অতৈ কলানু হুম্বনা খনবাদ নত্তে। সঙ্গীত তাবনা হুম্বৰা মথলগী সঙ্গীতপু খ ন বাইদবান। সঙ্গীতনা শকক্তি যান্না রাগনা লৈবা বাহৈগী পাম্বৈনা বস ফোংদোকপা হুম্বৰা থাককী সঙ্গীতপুদ খগ্ন বব সঙ্গীতকী মমু চনবা ওইনা ৫ দ। তাদা মুং হবা স্বরগী বিন্যাসতনা মতিকচাব। বস ফাংদোকপা অহুতৰ সঙ্গীতান হাযানং। আস গুম্বা সঙ্গীতনা ত বিবা মীদা রস পোকহনবা যান্নমক লৰা গোৎপ। মিৎনা উবা লাত অমা ন অশাবা মূর্তি

অমা নত্রগা জগোই অমা উরগা অউবা মীগী পুকাংদা বস লাবনা পোকপা অহুগুম্না থাংগৈ শেংবা সঙ্গীত তাবা মীগী পুকানংদা রস লাযনা পোকপা ঙমদে। উবা অ স্থং তাবগী ম ক্ত হীরম খুদংমক্ত উবনা খঙবগী মথমদা খুদোচাবা হেনবা মবম্না সঙ্গীতকী খুদেং চাদবা কলাগুক লৈাববনি। অঙবা গোত্তি মতম খবা লেঙদনা থমহুনা খঙনবা হোৎ বদা খুদোং চাই। অতাবা পোৎাত হেক্তা চেনখি, লেঙদনা থম্বা শাদে, অঙ্গা ক বনক্তদা খ হৌত্রবাদ অহুম্মক লে ই ব, খ বা উপাগ লৈাত্রে। অহুগা অমুক, লাই কপা মূ ও শাবনচংবা কলা খবাদ শনশাহুনা গুম্নাই লোইনগা পুখোক্তুনা চেত্নবগী খুদ চাব লে, ঈশৈ, জগোইনাচবা কলা খন দ ৎপা মতমদা শোবত্রবদি অহুম্মক শে ব।

হু াঙবা ে হনবা অমস্থুং বা মী পু নং চেকশৎ নংগী থ সঙ্গীতনা কলা পু ও া হেল্লি হাদবা ব ই। হীনম অসিদদি কলা হৈনা সঙ্গীতবী মনাক নব ব য বা ঙম দ। বনগুম্ব তমনা ঈশৈ শকপা মতমদা অতাব মীনা হতগুংগীদমক ওইববস্থ মাহুদ পুানং পাবমদবা ব ওদে মা ান্না। তনবা তন্দবাদ ঈশৈগী গুণাগুণগী মথক্তা নির্ভব তোই। কনাগুম্বা অমনা পুকনিংগী অৱাবা যেংদোকতুনা ঈশৈ শকপা মতমদা অতাবা মীগী পুকানংদা অৱাবা পোক- তবা ঙমদে। অ বপ ই অমা নত্রগা অশাবা মূর্তি অমা কং অহু। থৱাথ যাওবা মী খবগী তুনা মী পুম্নমকবা পুকানং চাশনবা ঙমদে। সঙ্গীতনা মী পুম্নমবা পাম্নবা পোৎ ওই হাংব- সিগী অৱংবা খুদমদি কাবগুম্বা মযাম তিন্নবা অমস্থং মবামগী মুংঙাইনবা শানবা থৌদোক অমগী কাথা ক্রমদা সঙ্গীতকী কারগুম্বা পোৎ অমা

য় ওদবা লৈতে। অহুগা অমুকস্মু জগোই নাট্য-নচিংবা কলানস্মু সঙ্গীতকী মতেং লৌই।

অবোইবদা হায়নিংই, কলাশিং অসিগী অমমস্মু লৌখত্তুনা শুগায়না নৈনবদি ঐগী ইতিক ওইদে; মক্কম অমস্মুং মতম্মস্মু খুদোং চাদে। বিশেষ ওইনা কলা খবগী মক্কমদা বক্তা খবনা নৈনবিগদৌরি। ঐহাককীদি অসিদা লোইবা ওইরসনু।

মৈতৈ জগোই

শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা—

(কলা বিভাগতা পীখিবা ভাষণ)

মৈতৈ জগোইগী মরমদা মথক্তা অখণ্ড অহে কপানা ভাষণ পীবিখ্রে। জগোই হৈজবস্মু নত্তবা যাম্না থৌন থিজবা ডম্নবা পাংগন লৈজবা মীওইস্মু নচ্ছদবদা, ইতিক ইপা চাদবা নোকাথা অমা ঙর্গি ঐগী ভান্দা। থ, গৎপিবা অসিদা, খল্লবা ফাওবদা তু-মান চুংবমখৈ কিজবা পোকই। অহুম ওইনমক সভাগী যাথং ইকোক থেংজহুনা অচম্বা ফংজবা খবদং কচ্ছনবা হোৎনজবি। অশায়বা অবানবা পূম্নমক ঙাকশিবা নিজৈ।

জাতি অমগী যেলহৌইদগী লোয়নবকপা অতৈগ মান্নদবা তোপ-তোপ্পা মওঙগী জগোই ঈশৈ লৈতবা যাদে। ঐখোয়গী মৈতৈ লৈবাক্কীস্মু মহু মযেক শেংনা, মঙান ফঙনা, তক তকনা অহুম্মক থাগনদগী লৈবকই হায়বসি পাথাঙ-পুথাঙ মথং মথং যৈনবক্তুনা ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী মিত্তা উজবা ফংলি। অসিগুম্বা, মীগা মান্নদবা ঐখোয় মৈতৈ সমাজগী শাজৎ লোনচৎ, যুম্বান-কৈবান চংবগা মরী লৈনবা অমস্মুং মীওইবা ঐখোয়গী ঈশা ঈশাগী নুঙাইজনবতা নত্তনা, মহুনা, তাইবঙ মপু ফাওবনা পেনবীনবা তৌবা ঈডাৎ পূজাগী মনুংদা ফাওবা অথোইবা মচাক অমা ওইনা শীজিন্নবকপ—পুং ঈশৈ জগোই কোম্নবা মচাক অহুব মৈতৈ জগোই কৌই হায়বসি পূন্নঙদদি ফাওবগা মহুনু অকক্কবা মখল মথেল, মমিং মথান-চিংবা—কূপ্পা খায়দোকপা মওঙগী তোঙান-তোঙাম্বা মশক অদদ ঐগুম্বনা উৎপা ঙম্বা ইতীক নত্রে। মরম অদুনা ফনমক হোৎনদুনস্মু খঙলবোইদবা লম্বী অসি থাদোক্লগা লমজিংবীবা—পণ্ডিতশিংনা তাকপিবা চাউবাকপা মশক খবদং উৎচনবা থোঁবাংজবি।

লৈশেম্বা মতমদা নোংথাঙ লৈমদগী হৌনা জগোই পোক্লক্লগা নোংপোক, পান্থোইবী অনিগী মতমদা মপৃং মরৈ ফাবক্তুনা মথং মথং মৈতৈ জগোইনা নিঙথিবা মশক লোয়নননা অস্তুম চাউ-খৎলকলিবগী রাধম পূম্নমক কূপ্পা নৈনবীগ্রে। শিব পার্ব্বতীনা তাণ্ডব লাস্য শন্দোকখি হায়বগুম্না

ঐখোয়গীসু লাই অনি অসিনা নিপা নূপীগী জগোই হৌদোকলম্বা ওইনা লৈ।

জগোই হাযবা ৱাহৈ অসি অম্নিবা লাইবীক্তা, "চুকোই" হায়না ইরম্বা থেংনৈ। মসি, লৈশেম্বা মতমদা থবক লোইবগা মুঙাইবা ফোংদোক্নবা মতমদা লাইবঙথৌশিংনা চুননবা চোংশিনবা লাই-মুবাশিংনা চুনদনবা কেংথোৱা খাঙবা মতৌ অম্নুদগী লৌদুনা "চুকোই" থোকখিবা ওইনা পণ্ডিতশিংনা মত পাবি। চুকোইদগী চুগোই, জগোই তাবকখি।

অসুম্না লাকপনা মৈতৈ জগোইদা মতমগী য়াওন মতুংইন্না হোংলকপা সমাজগী লোনচৎ শাজৎনচিংবা মথং মথং মমি তারক্নুনা অসুম অসুম মপুং মবৈ ফাজিল্লকপনা হুজীক ঐখোয়না উম্নিবা লাই হবাউবা জগোই অসি থোল্লকখি। হুজীকমকসু মতমগী ঈহৌ খবদি মসিদা চঙ-শিনখিদবা নত্তে। অসিগুম্বা মওঙ অসি জগোই পুম্নমক্তা ওইবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মতমনা ময়োল মরোল্লা শীংথাবা ঙমদবমখৈ ননশিনগ্রবদা অহানবগী আশিবা মশক অদু খন্দাক্তুনা পুথোকপা ৱানা থোক্লে। হুজীকমক মাঙদা লৈবিবা মশক অদু যেংলগা অখণ্ডবশিংনা ওইবা যাবা মওংদা চুম্না খঙহনুনা মশক অমা তুক লেপ্পগী মখৈতনি।

অসুম্না মৈতৈ জগোইনা তোপ তোপ্পা অসুম চেঙ্গবক্লবদা মৈতিঙু ক্যাম্বা, চবাইবোঙবা, গরীব-নেবাজ হাক্তক্তগী হৌনা ইখাই অমা অমুক লোংথোকপা হৌখি। ঈখাই অসি বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র হাক্তক্তা শাস্ত্রগী ইচেলগা তিনশিন্নদুনা "বাসনৃত্য" হায়না অচৌবা ঈবোঙ অমা অমুক শেমখি। রাসনৃত্যদা অরিবা জগোইনা যথম ওইনবগ মপুং ফানবা শাস্ত্রগী ইনোৎ হায় চনখিদ্রে।

শ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্রমহা থেম্নৈরম্বা "গোবিন্দ সংগীত লীলা বিলাস" কৌবা লাইরিক্কী মঙ্গলাচরন যেংলগসু মসি শেংনা খঙবা ঙম্মী, মথাদ—

যদ্বিলাস বশাদ্বিশং চতুর্ধাভিনযাত্মকম্।
বিবর্ত্ততে স গোবিন্দো বিভূর্জযতেতরাম্ ॥১॥
যল্লীলাবশতো নাদব্রহ্ম মূর্ত্তিরবাভবৎ ॥
গীত বাদ্যাভিনয তত্তং নমামি রাসেশ্বরম্ ॥২॥
স্বান্ত ধ্বান্ত বিনাশায যস্যাহ দিত্যাযতে বুপা।
পরমানন্দ চরণাম্ভোজং তৎ প্রণমাম্যহম্ ॥৩॥
শ্রীগর্গনারদাদ্যান চিত্রবথাদীংশ্চ সম্প্রাদাযগতান্।
প্রণমামি চাদিভরতং নিখিল কলাগম বিদং মহাপ্রাজ্ঞম্ ॥৪॥
মণিপুর বাসি পূরাতন নর্ত্তনবিদ সাম্প্রদাযিকাহচার্য্যৈঃ
উপাদিষ্টার্থং যতনে দর্শয়িতুং ভাগ্যচন্দ্রসিংহ ইয়ম্ ॥৫॥
গোবিন্দ সংগীত লীলাবিলাসম্,
গোবিন্দ সংকীর্ত্তন ভক্তি লোকাঃ ॥
কুর্ব্বে জনানাং সমশীল ভাজাম্।
সংকীর্ত্তনানন্দ বিবর্দ্ধনায় ॥৬॥

হজীক লাইরিক অসিগী চাউবাকপা মশক খরদং উৎচরি—

নৃত্য হস্তা—মখল ২৫—পতাক, ত্রিপতাক মচিংবা মসি অসংযুক্ত হস্তগী মখলনি। সংযুক্ত হস্তশীনা, শঙ্খ, চক্র, অঞ্জলীনচিংবা মখল ১২। অবতার হস্ত ১০। অর্থ কোংদোক্তবা জগোইদা শীজিন্নবা খুৎচা জগোইগী মখলদা, পতাক, মুষ্টিনচিংবা মখল ১৮। মুদ্রা নত্রগা হস্তকশিং অসিগী অয়াম্বা নাট্য শাস্ত্র অমসুং অভিনয় দর্পণনচিংবগা মান্নে, অদুগা মমিং অমসুং শীজিন্নকমদা মান্নদবা খেন্নবা যাম্না য়াওই। ঐখোযগী লাই হরাউবা জগোইদা হান্নদগী অহুম্মক মুদ্রা যাম্না শীজিন্নরকই মতু মওঙ মান্নবা, শীজিন্নকমদা তিন্নকবা যাওরবসু তিন্নদবনসু কোঙ্গায়নি। ঐখোযনা থাযনগী মমিং মথানচিংবা খঙবা য়াৎনবগী বাতনি। অখঙ অহৈ-শিংনা অসুম অসুম খিজীনবীবগদি মসি খঙন-রকখিগনি নিংই।

পৃথিবীদা লৈরিবা মী পুন্নমক মায, মিৎ, খুৎ পানবা, চপ মান্নে, খবায পানবা মশেন ওইবনা শাউবা, হবাউবনচিংবা পুরিঙগী বিকাব পোক্লবসু চপ মান্নে। মরম অদুনা মান্ননা পাল্লিবা ইন্দ্রিয়শিংগী মথৌ তৌনরকপদা মী মশেল অমগা অমগা অহুম্মক মকদা মশানা মান্নজক্ম খোকপা। মরম চাউনা লৈ। অদুবু দেশ খেন্নবদগী, লোনচৎ শাজৎ মান্নদবদগী শীজিন্নবা মশীজিন্ননচিংবগী মরমদা খেন্নবা লাক্তবদি যাদে। মরম অদুনা ঐগী ঐগী জাতিগী লৈজবদা মশক্না অবে।। শাস্ত্রনি। হজীক উনরিবা শাস্ত্রশিং অসি অমগা অমগা মান্নদবা হেক হেক উনরিবসিসু হায়রিবা মথম অসিত্তননি। খুৎচা জগোই অসি উদপা অরোংবা অমসুং অচেপপা হাযবা খুৎকী মওঙ অহুম অসিত্তগী খোকপনি। শাস্ত্রনা যাসিবু উত্তান, অধো, অমসুং পার্শ্বগ হায়, ঐখোযগী লাইওরকশিংনা লোৎকবু—"ন্যোংলোন" উপপবু "লৈরোন" চেপপবু "লৈত্তাই" কৌনরম্মী। হায়রিবা খুৎকী মওঙ অসি মীওইবা পুন্নমকী চপ মান্নবা মওঙনি—পুন্নমকীনি। অহুম অসিনা ওই-রকপা খুৎলোনশিং অহু থবক মান্নদবনা, লোনচৎ তিন্নদবনা শীজিন্নকমদা তোঙান্নবতনি। চীংবী ইচীন ঈনাউশিংদা হজীকমকসু ঐখোয়না জাতিতবু তোঙান্নববদি অযাম্বদা খেন্নবম্বা হেক্তা উনরিবা অসিনি।

অহল্লম্মনা খুৎচা খুদিঙবু অতোপ অতোপপা লাইগী মমিং খোন্দুনা খঙনহন্নখী। লাই অহুগা অহুগা তিন্নৌ, অহু মহু কৌই অশিনাচিংবা। মওঙ অসি রাস নৃত্যদা খুৎশী খুদোম্বীবু যুগল-মিলননি হাযনা শম্নগনবগুম্বা মওং গুঞ্জাবশিংনা চত্থরিবা অসিগা অমত্তনি।

লাইরীক অসিদা অহুগুম্বা তোপ তোপ্পা লৈজবা ঐখোযগী জগোইনা মপুং ওইনা খন্দুনা মাম্না মান্নবা শাস্ত্রগী মমিংগা তিনশিন্নদুনা মান্নবসু মান্নদবসু রাসতা শীজিন্নগদবা মওঙ কজনা তাক্তুনা সংস্কৃত লোন্দা ব্যাখ্যা তৌই।

তালগী মতাংদা মখল ১২০ থকী মমিং, অমসুং মিৎকুপ নাহুম তাকপা শ্লোক কৌন্না ইরি। মসিগী মনুংদা ঐখোযগী ওইবা তোপ তোপপা মখল যাম্না য়াওরি - মমিং মথানচিংবদগী হৌনা মান্নদে। "মণিপুরতা" হাযবা অমসু য়াওই।

লাইরীক অসিদা নর্ত্তন পরম্পরা অহুম ওই উষা, উত্তবা, গর্গ। গর্গাচার্য্যনা শ্রীকৃষ্ণদা তম্বীখগা কোম গোপীশিংদা তম্বীখি। মসিদা পল্লবা লাইরীক মমিংনা চিত্ররথকী "নর্ত্তন বার্ত্তিক" গর্গাচার্য্যগী রাস প্রকাশ "অমসুং" তাল রত্নকার অহুম অসিনি। অহুম অসিমক—হজীক থেংনদ্রি। লাইরীক অসিসু

পুর্ণাঙ্গ ওইনা কংত্রি — "তালাধ্যায়" অমসুং "নর্ত্তন ধ্যায়" অ'ন অসিভনি। প্রবন্ধঅধ্যায় অহুগা গীতঅধ্যায় হারবা অনিখকসু মথংদা লৈরি হায়বসি খেংনরিবা শরুক অসিদা মতাং মতাংদা য়েংফম তাকপদা উৎলম্বদগী খঙবা ঙম্মী। অহুগা মসি রাস-কীদমক ইবনি হায়বা অসিমদি তোয়না পল্লম্মী।

নর্ত্তন লক্ষণম্, অভিনয় লক্ষণম্ — অতৈগা ভাব মান্নরবসু শ্লোক খেন্নৈ। রসকী মতাংদদি মান্নদবনা নমখ্রে। সভাসন্নিবেশ, সভাপতি লক্ষণ, সভ্য মান্নবা মান্নদবা য়ান্নৈ। নির্যীদনম্ — অতৈগা মান্নদে। নর্ত্তনাচার্য্য লক্ষণ, নট লক্ষণ, বৈতালিক, চারণ, কোলহাটিক, নটকীর্ত্তক — মান্নবা মান্নদবা য়াওই। অভিনয় ভেদা—শ্লোক মান্নদে, ভাবতি অঙ্গানি। অঙ্গ, প্রত্যঙ্গ, উপাঙ্গ খেন্নবনা নম্মী; আঙ্গিক, বাচিক, আহার্য্য সাত্বিক — ভাব মান্নরবসু শ্লোক খেন্নৈ। নাট্য, নৃত্য, নৃত্ত, অমসুং মার্গ, দেশী মখোয় অসিসু মান্নদবা য়াওই। নৃত্য, নৃত্তবিভাগতি অতৈদা খেংনদবনা নমলে। গুণ্ঠনম্, চলনম, প্রসরণম — অহুম অসি তাণ্ডবকী মখলনি। সীমিতাঙ্গম্, স্ফুরিতাঙ্গম্ — লাস্যগী মখলনি। তাণ্ডব লাস্য অনি অসি ঘনশ্যামদাসনা ইবা "সংগীত সার সংগ্রহ" দদি মখল ২।২ দমক থোকই, তাণ্ডবনা প্রেরণি, বহুরূপ, অমসুং লাস্যন' স্ফুরিত, যৌবত। ঐখোয়গী নট পালা ঈশৈদা, বলরামগী জগোইদসু তাণ্ডব মখল অনি অসি পল্লি। ঈশৈ অসিমক ঘনশ্যামদাস মশামক্তা নরহরি চক্রবর্ত্তি কৌরিভৈদা ইরম্বা "ভক্তি রত্নাকর" কৌবা লাইরিক্তগী লৌ-থোক্লনা ওজা চাইগোয়না শীজিন্নবীরম্মী।

নাট্য বিভাগ—অতৈগা খেন্নৈ রাসগী লক্ষণ, তাকপদা মহারাস, মণ্ডুরাস, নিত্যরাস, নির্বেশরাস গোপরাস, তালরাস অমুম্না খায়দোকই—মসি অতৈদা কংদবনা নম্মী। গোপরাস ২ গুই, "দামোদর" অমসুং "গোষ্ঠ।" তালরাসসু অনি গুই "তালিকা" "নটপল্লি।" তালিকা—খুবাক ঈশৈ অমসুং নটপল্লি — নটপালা। নটপল্লি অসিগী মখল অনি অমুক লৈ — ঘনমেলক, ধ্রুবমেলক। অনি অসি মথং শিংনা করতাল পালা অমসুং ধ্রুমেলবু খনৈ। (শকাব্দ ১৭৫২ দা গম্ভীরসিংহ মহারাজগী মতমদা ইবা "শ্রীকৃষ্ণরস সংগীত" তদি মহানিশায়াং কুঞ্জরাস, বসন্ত দিবারাস, নিশা বসন্তরাস, বসন্তোচ্ছব, ঝুলন লীলা, মহারাসকী মরমদা ঈশৈনচিংবা ইরি)।

চারি মখল মরি — সংযতা, রসস্তিকা বিমুক্তা, সমপ্ল তা। মসিগী মনুংদা সমপ্লুতাদি অতৈদসু থেংনদে। গতি ভঙ্গা — অতৈদা থেংনদে ভ্রমরী, চালী, অতৈগা খেন্নবা লৈ। ভঙ্গাবলি, নৃত্তবন্ধা নৃত্তপ্রবন্ধ, কীর্ত্তিনৃত্ত, অতৈ লাইরীক্তা থেংনদে। নির্গীত—নৃত্ত—মখল ৬ নি হায়—মসিসু থেংনদে চতুরঙ্গ — মসিসু থেংনদে। অঙ্গহার, অতৈগা খেন্নবা য়াওই। নৃত্যবিশেষ — "স্বানুগত, অনুগত, গমক, নৃত্য বন্ধ, নৃত্য প্রবন্ধ, কীর্ত্তি নৃত্য, দ্বন্দনৃত্য, কীড়ানৃত্য"—অতৈদা থেংনদে। শুক সারিক নৃত্য প্রবন্ধ — খেন্নবা য়াওই। হোলিক ক্রীড়া — অতৈদা থেংনদে। যতাবন্ধ, কদম্ববন্ধ, মিযোবন্ধ অতৈদা থেংনদে। বহুলক, গতিভেদ — অতৈগা মান্নদে। প্রতালিকা — অতৈদা থেংনদে।

অমুম্না ঐখোয়গী ইনিংথৌশিংনা ঐখোয়গী কলা অসিন্ চাওখৎনবা য়াম্না হোৎনবীরম্মী। গম্ভীরসিংহ মহারাজনা "কৃষ্ণ রস সংগীত" ইবগা লোয়ননা চুংখা লোলা অমসুং বাচস্পতি হজুরবু শাহন্দুনা রামকৃষ্ণগী মূর্ত্তি স্থাপন তৌরগা গোষ্ঠ লীলাসু শান্নবা হৌহনখি। কৃষ্ণরস সংগীতকী অরোইবগী মতাং অমা লৌখৎচরি।

শ্রীযুক্তো জয়সিংহাখ্যো জয়তি ক্ষিতিমণ্ডলে।
যো মণিপুরাখ্য দেশস্থান জনান সর্ব্বাংশ্চহ্লাদয়েৎ ॥
ভগবদ্ভজনে নৈব ভাগ্যচন্দ্রাভিধঃ পরঃ ॥
শ্রীমান্ গম্ভীরসিংহাখ্যো নৃপতিস্তস্য নন্দনঃ ;
অসাধ্য বিক্রমো যস্যদিগমণ্ডল প্রকাশিতঃ ॥
দানেন যশসা প্রেম্না শ্রীনামকীর্ত্তনেন বৈ ॥
তৎসেবাজ্ঞাবলম্বেনহ্যজ্ঞেনাপিচ কেনচিৎ ॥
শ্রীকৃষ্ণরস সংগীত সংগ্রহোহয়ং বিনির্ম্মিতঃ ॥
অসিনচিংবা :—

গোষ্ঠ লীলাগী ক্রমনচিংবা ইবা স্বর্গীয় ওঝা কৈফাগী কোর্বেক্তা য়াওরম্বা অমগা—

"শ্রীযুক্ত ভাগ্যচন্দ্র নৃপেন্দ্রচূড়ামণি তস্যানন্দন শ্রীযুৎ গম্ভিরসিংহ মহারাজ মানস তৎ কর্তৃক গোচারন লীলা বাল্য পৌগণ্ড কৈশোর ভূত বিশেষবিহার বর্ণনং শ্রীযুক্ত চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজ বরংবলং অত্র প্রসঙ্গ করোমি।

ভদ্রসিংহ মহারাজগী মজাইবুংঙো দেবেন্দ্র সিংহগী য়াথংনা চন্দ্রসিদ্ধান্তনা ৺রাধা গোপীনাথগী সেবাগীদমক লাঃ ৩৪ পানবা অষ্টকাল চিন্তামনি অমা ইরম্মী, মহুগী মরোন্দি—

"শ্রীমদ্রাধা গোপীনাথ, পদারবিন্দ মধুপ শ্রীভদ্র-সিংহাখ্য নৃপবরাত্মজ শ্রীদেবেন্দ্র সিংহ কুমার প্রেরিত শ্রীচন্দ্রসিদ্ধান্ত কলিত শ্রীরাধা গোপীনাথাষ্টকাল চিন্তা-মণি সমাপ্তেয়ং।"

শ্রীযুৎ ভাগ্যচন্দ্রসিংহ মহারাজগী ব্রাহ্মণ পণ্ডিত য়াম্না লৈরম্মী, মহুগী মনুংদা চন্দ্রসিদ্ধান্তসু য়াওই। অসুম্না সংস্কৃত য়েনা হৈব পণ্ডিতশিংগা তান্নহুনা মহারাজমকসু মতিকচাবা শাস্ত্রগী জ্ঞান লৈবদগী শ্রীগোবিন্দগী অষ্টকাল সেবাদগী হৌদুনা চহি অমগী মনুংদা পালন তৌগদবা যাত্রা, পর্ব্ব পূম্নমক্কী মরম শেংনা য়াৎথোকপীবগা লোয়ননা অসুম্না রাস নৃত্যগী মরু ওইবা লাইরিক অমসু থোনবীরম্মী হায়বসি উবদা ওমখৈ লৈতনা সুতাইবা পোকই। মতম অসিগী পণ্ডিতনচিংবগী মিংদি "লাংদাই পুয়া মাইবীরোন" কুম্বাবদা য়েকলি। তাইবত শাৎপা বাসকী জগোই অসি উরগা লাই-রীক অসি হান্না লৈরম্বগী মরমদসু থাজবা হেনগৎলি। হান্নদগী শেম্বা অকরুবা নিয়ম অমা লৈত্রবদি অসুক কজগ্রবা ভঙ্গীনচিংবা অসি তম্বীবা মক্তদসু খুদোং য়াম্না চারোইদবা মওও লৈ। থিরগা অরাৎপা অতৈসু কংগনি নিংই। ঐখোয়গী অরাবদি, মখল য়াম্না য়াম্নবা খুৎই লাইবীক অযাম্বা খোংগুল লীজরুবা মতমদা তাকপীনিঙদবা যাওবা নত্রগী রাইচিন্নবনি হাযদুনা ঈশিংদা বিসর্জ্জনা তৌথোকখিবা অসিনা ঐখোয়গী লাইবক থীবতনা অসুম তৌবনি হায়না খন্দবা ওম্নক্তে।

মৈতৈ জগোইদি মখল-মখেল য়ামখিবনা অমসুং মদু পুম্নমক শুনা থিজনবদা হুজীক নিপা পালা চোলোমগী মবমদা খজবা খরদং পুখোকচনি।

নিপা পালাবু রাসকী লক্ষণ তাকপদা তাল রাসকগী মনুংদা য়াওবা নট পল্লী অহুনি খংনগনি। কৃষ্ণরসসংগীতনা নটকী লক্ষণ অসুম্না তাক্লম্মী মহুদি—

"যে গয়ন্তি সুগীতানি নৃত্যন্তি চ বিচক্ষণাঃ"
জিতেন্দ্রিয়াঃ সদাচারাস্তেচনটাঃ পুনরুত্তমাঃ ॥

নানা শাস্ত্র বাদ্যঞ্চ কুর্ব্বন্তি কথযন্তিবা।
বক্তান্তি সঃ সর্ব্বা স্তেনটাঃ পুনরুত্তমাঃ॥
অসিনচিংবা—

মথক্তা হাংথ নটপাল্লি মখন অনিনি ঘনমেলক। ধ্রুবমেলক ঘনমেলক অসি ঐথোংগী নট পালাশী মওং চপ চাবান মসি অরিবস্থু অনৌবস্থু অনিমক্তা চানৈ। অহুনদ ওই। জগোইগী শব্দক্তদি অরিবদগী হায়বনা হেনাক্তল্লি।

সঙ্কৃত চলন'দগী চোলোম তাখি। চোলোমগী মখল অসিগী হৌবকক্কমদা মত ১।২ থোকই, অমন শকুনা তাইবং শেম্বা লোইববদা লাইবংথৌ ৯গা লাইনুবা ৭ কনা লৈপাক লৈংগী অকুৎ অম্ভাংনাচংবা মান্নবা লৈ-শেমখিবদা লৈপাক নেংশিনখিবদা ওইবা খোংথাং অহু লৌহুনা চোলোম খোংথাং শেমখি। অনিগুবা মওং অমনা মুক্রাগী থোংখোং শাবা ফিবেপনা ফিবম ওইবগা অকুপ্পা খেংথোংনচিংবদি থাংকগী অবিবা অমস্থং অকবা খোংচৎ কং। লৌহুনা শেমখিবনি হানৈ। থেঙ্গোরেনা খোশাবালস্থু হৈশব্দদগী লাকপনি—হান এং অম অসিমক অমত্তা ওই। পুনশিল্লরগা গালাগী ফিবম কিবপ ওইখিবনি হায়না লৌবা গাই। মথংদা অমুক লাইগুকশিংনা জাতি অ মগী চংনবা শাজংশমখং (অববা জগোইগী) লৌহুনা অমদি শাউ চক চংবা লেংলি পাল্লিবা শিংগী মত্তৌ হেংহুনা মথং মথং চোলোম শেমগথখ। মসি শাস্ত্রনস্য সমর্থন তৌই—

"ত্রৈলোকস্য নুকরণং নৃত্তে সম্যক্ প্রাতিষ্ঠিতং"
।বিষ্ণুধর্ম্মোত্তর।

শা-উচেক্ক চংবগী মত্তৌ তম্বা চোলোমবু শাস্ত্রনা "গতি" কৌই। হংসগতি, কপোত গাত—অসিনচিংবা মসিবু ঐথোক্টনা "শক্তৎ" কৌনৈ

গোবিন্দ সংগীত লীলা বিলাসতা পুনষা স্থাপক মখল ৬ শুই হায—মত্থ সংগীত বত্নাকবগস্থু মায়ৈ। মখল্লস্থু পঞ্জত্রে শাস্ত্রশিং অসি মক মকদা মান্নুনা উরবস্থু কুপাথরকপদা হেক্তা মান্নবমদবা য়াম্না লৈ। মস দেশ অমদি চৎনবী মান্নদবদগীনি। অস্থুন্না ঐথোয়গীস্থু চপ মান্নবা মওংদা মান্নবা, মান্নদবা য়াম্না য়াওরি। অসিগুম্বা পালা চোলোম অসি নিপা খুদিংমক্তা হৈনবা থাযনদগী কন্না হোৎনরম্মী—নিপা মচা পালা, শীলুপ পালা, শংন পালা অসিনচিংবসি চোলোমগীদমকতদি ওস্তোক্তা চায়ৈ। স্যাব চূডাচান্দগী সনা হাক্তক্তদি 1 P, M F কাওবা ওবা থমহুনা চোলোম তম্বীহনখ।

চোলোমদা শাথেক ৩ শুই—১। কোক্তগী খাং, ২। খাংদগী খুকট, খুকটদগী খে। শাথেক অহুম অসিব গোবিন্দ, গোপীনাথ, মদন মোহন হায়না মমিং থোন্দুনা থান থৌনৈ। মরমদি চালোম শাথেকপু শ্রীমুর্ত্তি শাগৎপনি নিঙনৈ। অহানবা করতাল মখোল তম্বীবদা হায়রবা—"কাং কেং কেং কাং" অমস্থু "রাধে কৃষ্ণ" নত্রগা "হরে কৃষ্ণ" হায়ব নহাংনা শাকাংহুনা তমখৎলক্ত। মী অহুগী পুরিংদা শ্রদ্ধা ভক্ত পোকহনবা হেবকই। খুৎ হাইথহুনা খংবনা রাধে নত্রগা হরে, 'লঙৎহুনা" খিংবনা "কৃষ্ণ" হায়বান অস্থুন্না তাকপী।

চোলোম হৌববদা সেংকী খোং যকংগ নেংবী খুৎ থাক্তৎপগা মান্নগনি থাক্তৎনব খেংনা লৈত্তাবদা খুৎস্থু ও ইথহুনা মওম মান্নবা করতাল খিংগান। ওযগী খোং ফুকপদস্থু খুৎকী মওংদ চপ মান্নগনি। খোং থাক্তৎপনা অতোংপা খোংগী খুবোম কাওবা বাংনা থাক্তৎকনি। চোলোম তৌমক্লবদি খেং খোংখাং শাহুনা লেপকান। মিৎনা করতালগী মত্তং ইনগনি। হাইথরনথ। খুৎন্না খুকট মখা

যৌবা য়াদে। হাইগৎলক্লদনা চিনবান মপাদগী হেন্নবা যাদে। খুৎকী খুনিং অমিমা খুৎকা লাইন অমত্তদা থমগনি, মসি তৌবদা লেং হিকথহনগনি, অপকৎপা য়াদে।

চোলোমদা মতম পুম্নমক্তা য়াওতিন্না লৈগনি। হকচাংগী ইপোমনা—শামুনা মখোং তান্না থাংলগা অচৌবা মশানা মাঙদা কোন্না ঈশ্লকপগুম্না ইগোম ফজহনগনি। মৈফু উ-তোং অনিদা মৈ হুম্বদা শবক শিন্দনা মৈখোন অহুমক থোকহনবগুম্না চোলোমদসু হকচাংগী ইপোমনা মহু উহনগনি। য়াঙগা ঙক্কা লাইন চুম্না লৈববু "সমশিরঃ" কৌই। নোস্তরকপদনা পোংখেং শাগনি। মখাদা থাদরুবা খুৎ অনিনা হেক পুখৎপা হৌরকপদা লৈতাবম্বা ওয়গা খেং থাংগৎপা হৌগনি, মহুগা লোযননা য়াং চুম্না অহুমক থম্নগা ওঙ্খমখৈ নিঙজোন নমথগনি। অঁসুম্না থাংগৎলকপা খুৎনা চিনবান মপা যৌবদা কবতালনা মিৎ মপা যেঁনবা লৈখৎলক্কনি। মতম অসিমক্তদা থাংগৎলবা খোং মখাদা হাইথবা হৌগনি। অহুগা মতম মান্নবা লেপলম্বা খোংসু কানশিল্লম্বগ তিংথোকপা হৌগনি, অমসুং ওইগী খেং লৈপাক হেক তাবদা যেৎকী খোং তিংথোকপা লোইত্তনা ফুকপা হৌবক্কনি। অসুম্না ওন্না ওন্না হন্না হন্না তৌবনা চোলোমগী মশক্তি।

ফৈগী ভিবমদি থকউগা ফৈরুগা রাংবা মান্নহনগনি। চিনবান মপা যৌরকপদা কবতালনা লৈখৎপা মতুং ইন্না ঙকসু কেনা লৈগনি। শক্লিবা ঈশৈগী রস মতুং ইন্না সুরছন্দগা চোলোম শাথেক্কা, করতাল মখোলগা চান্নহনগনি হায়বদি চোলোমদসু সুরছন্দ অহু চংহনগনি। ঈশৈগী ছন্দ নত্রগা অর্থগী মতুং ইন্না হস্তক তৌগনি। অমুম্না হস্তকপু চুমনা তৌরবদি মিতনা খুত্তা য়েংগদবনিনা ঙক কোকসু অহুমক চুন্নকই। শাস্ত্রনা হায়—

যতোহস্তস্ততো দৃষ্টির্যতো দৃষ্টিস্ততো মন ॥
যতোমনস্ততো ভাবো যতোভাবস্ততো রসঃ ॥
॥ ১১০ ॥ সংগীত দর্পণ—

খুত্তা মিৎয়েং থমগনি, মিৎয়েং লৈকমদা পুম্লিং লৈকমদা ভাব লাকই ভাব লাক্লগা বস পোক্লকই।

অমুকসু হায়রি—ঈশৈগী মতুংইন্দনা চোলোম শাথেক তৌগনি, খুতচান অর্থ তাক্কনি, মিৎনা ভাব পোকহনগনি, খোং অনিনা তাল থমগনি।

মসি পুমনমক ঐখোযগী চোলোমশিংদা নিংখিনা ঙাকই। অসিগুম্বা নিপা মুপী খেন্নবা উবা ফংই, থম্বা খোইবী জগোইদসু উবা ফংই, মাইবী জগোইদসু অহু মঙায়।

চোলোম মখল অনি শুই, অচুম্বী, অবৈবী। অবৈবীনা অচুম্বদগী খেন্নরিবা হায়বা মক্তবু খুত থাদবা থাঙ্গৎপদনি। অবৈবীনা হকচাং নাকল অমদা থাদিয়বা খুত অহু কাবণ লাক্কুনা ওন্নতৈনবা লেংজুম মপাদা পুখৎপা অসিত্তনি।

হাওরোকচম ওঝা শামুনা অবৈবী, শবোংখাইবম ওঝা শেংগুম্বনা চোলোম অকুম্বী পুথোকলি।

পুং চোলোমদদি অমুক্তা হেন্না কুর্পাশিন্না মবাং কায়না লৈবা উই। অকনবা নিপা থোকপা চোলোমদি পুংগা নিপা খুবাক ঈশৈগনা মপুং ওই।

মৈতৈ চোলোমদসু অঙ্গ, প্রত্যঙ্গ-অমসুং উপাঙ্গ-অহুম্মকী অভিনয় লৈ। ফংজবা খরদং লৌখৎচবি—

কোক, ঙক, লেং, থা, পুক, কৈ, নিঙ, খুবোম, খোঙ—অসুমনা মখল ১০ থোক্লা লৈ।

১। কোকহাই মখল—৪ নি, নিকপা; হায়বা, লৈবা, খৎপা।

২। ঙকী মখল—১০ নি—অখাকপা, অহুনবা, চৎপা, অকৈবা, তামিন্নবা, হনবা, থাবা, চেপথা, অথেকপা, শেপচহনবা।

৩। লেং—লংবু "লেংবুম" অমস্থুং লেং নামা হায়না মখল অনি অমুক থোকলি—। লেংগী মখলদি অহুমনি—মহুদি — "হিকথবা, ঈনখৎপা, খল্লা।"

৪। থা—মৈতৈ লোন্দা থবাকপু থা কৌনৈ। মসিগী মখল ৬ নি।—অরোংবা, অউপ্পা, তাবা, চেপ্পা, হুনবা, লৈবা।

৫। পুক—পুক্কী জগোইদা মখল থোইনা খাইদোকত্রবস্থু "চনিঙ পোঙবা" নত্রগা "চনিঙ ঈম্বা" হায়বা অমদি চেকশিন্না ঙাকনৈ। চনিঙ ঈম্বরগা পুক্কী ফিবম চুন্নকই—অমরোমদা নিঙস্থু ফিবম তাই।

৬। থ্বাঙ—মখল, অনি—থেকপা, নম্বা, তিংবা।

৭। কৈ— „ ৫ নি—মম্বা, থাঙ্গৎপা, হুন্না থাঙৎপা, পাঙৎনা লৈবা, অমস্থুং নমলৈ।

৮। নিঙ—মখল ২ নি—কাবা, নম্বা।

৯। খুকউ— „ ২ নি — বাগ লৈবা, খুদক ফুনবা।

১০। খুবোম—পুককুম্না খুবোমস্থু মখল থোইনা লৈতে, অহুবু খোং থাঙ্গৎপদা খুবোম মথীবোং চাউনা মিং থম্না উনবা, খোংদোননা মপান লোমদা লৈথোকতুনা খোংদোন থেকৎলপ তৌগনি।

১১। খোঙ—মখল ৪ নি—খোংপাক, খোঙচেপ, খুদোন, খুনিঙ—

মৈতৈ জগোইগী গুণ থরদং শকচৌ তাকপীরগা ঐনা লাইরীক্কী পরিচয় উৎপদনা মপুং ওইথোকাত্রে। অসিগুম্বা কোংদাক্লবা তাঞ্জা অসি পংনা কংজদবনা, মতুংদা কংজগনি হায়বগী আবপ্লস্থু লৈতবনা কেংদোকচাহৌনিংহুনা, সভাগী মতম থব মাঙহন্জাত্রে। জগোইগী মরমদদি লাইগুম্লবা ঙাক্তনা হায়নস্থু সভাগী থৌগন তৌনথ্রবা ওইবদগী ঐগুম্বনা থোইগৎনবা মচাক থোইনস্থু লৈজদবদগী অরৎপা অহু কন্নবগীদমকস্থু ওইনা পঙ্গবনি। ঙাকপী হৈবা গুণনা ঙাকপিবা নিজৈ—

মৈতৈগী য়েক-খোৎপা (কলা বিদ্যা)

বিনোদিনী দেবী

(কলা বিভাগ-তা পীখিবা ভাষণ)

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ঐবু ঙসি ঙাংজৌ হায়না পীবীবীবা বিষয় অসি মৈতৈগী য়েক-খোৎপা অমদি কলা বিদ্যাগী মরমদনি। মসিগী বিষয় অসি ঐঙোন্দা থুংবিরকপা অসিদা পুন্নিংদা য়াম্না অকীব অমস্থুং অরাবা অমা পোকই। মক ওইনা কলা বিদ্যা হায়ব অসিমক ওস্থোকনা পাক চাউরবা তাইবংপালনা লৈবকঙৈদগী তৌদোকমীন্নরকলবা মীওইবা ঐখোইগী আশংবা লন অমনী। তাকপীবা মতুং ইন্না ঐনা খংজবা অমস্থুং থিহুনা কংজবা খবদং মযামদা হায়জগ।

ময়ামস্থু খংবীরী—মী ওইবা ঐখোযগী Imagination বু অমস্থুং emotion না চিংশিনবা ঙম্বা পোৎশকপু কলা বিদ্যাগী পান্থৈতনা থাযদগী অশেংবা অমস্থুং অরাংবা থাক্কী পোৎশক ওইনা ফোংদাক্লকই অমস্থুং ফোংদোকখী। অস্থুম তৌনা মীওইবা ঐখোয়না imagination অমস্থুং emoiton

লোযননা পোকৃখীবমখে কলা বিদ্যা হাযবা অসি লৈরগাদোযনী। অদুনবু মীওইব। ঐখোয়না চীংমান লৈকুৎ কোংকুৎ, গুকংদ লৈবককৈডেদগী কলা বিদ্যাবু লোযনরকপগী খুদম অসি হৌজিকস্থ উবা ফংলী। পোশক খুদিংগী অচুম্বা মশকপু মীওইবগী থামোইদা ছিংদুনা লৈরীবা artist অদুতনা অমুক হেন্না ফজবা অমস্থং মতম পুম্নমক্কী ওইনা অচুম্বা মসক্তা পুথোকপা ঙম্বনী। মতম অমদা শাৎলম্বা সুমিৎলৈ চবোং কংখরে—অদুবু Vincen Vangough কী 'Sun Flower' হাযনা খাংনবা সুমিৎ লৈগী চরোংদি মতম পুম্নমক্কী ওইনা শাৎতুনা অমস্থং লেন্দুনা লৈবী।

হৌজিক মক ওইনা ঐনা মযামদা হাযজগদোৗনবদি—মৈতৈগী লেবাক্কী যেক-খোৎপা হাযবগা খনবীব কলা বিদ্যাগী মবমদনি—। খ্বাইদগী খংদবা ঐনা থাদুনা ফজবা খরদং মযামদা লাম্তোকচগে। মতাং অসিদা রাবী ওইনা খরদং হাযজবমগে। ঐন পীকলীবৈগী মতমদা উখিবা মৈতৈগী artist শিংনা যেকপা লাইনা লৈতেংবা কোন্নুংগী কা অমা হৌজিকস্থ নিংশিংলী। অদুগুম্বা মতম অদুগী তাবকপা লাই অমা Chief Commissioner গী চাক চাযম কাদা হৌজিকস্থ থেংলী মহু ঐখোযনা Mr. Gimson গী হাক্তকুগী উরকলবনি। লাইসিং অসে কনানা যেকপনো—, কজৈ-ফজাদ থোইনা খংহৌদে—যেংবদা নুঙাযবা অদুতনি ঐনা নিংশিংলিবা। হৌজিক্তা খংলকলী, যেংবদা নুংঙাযবা লাই যেক্লম্বা মতম অদুদস্থ artist লৈনম্মী—মশক মশাংগী রদি অমাম্বস্থ খংনদবা। অববদ, লাই শিং অসে অসাম্বদি ঐখোযনা থওইদবদগী কদায়দা চৎথ্রবানা অমত্তা উবা ফংখিদরে। হৌজিক ঐনা অস্থুম খন্দুনা যেংজবদা মাঙবস্থ মাঙখিবনি—অদুগী মথক্তা ঐখোয়গী থাইনগী artist শিংনা যেক্লম্বা লাইগী মশিং অসি য়াম্না য়ামখিদরে। মসিগী মরমদি ঐখোযনা থমজিনহৌদবা নত্রগা য়াম্না য়েক্লমদবনস্থ ওইবা যায—। অদুবু অসিমদি ঐখোযনা তাশংনা খংবা ঙম্মী—যেক-খোৎপা হৈবা ঐখোযগা artist শিং অসি থাযনদগী হৌবদুনা অদুম মীবাইবিরক্কী। মীওইবগী রাখলগী ইথিলবু থিংবদি গাদবনিনা artist শিং অদুম মপোকলম্মী অমস্থং পোকলকলী। অদু ওইদুনস্থ artits শিংবু যেকখৎ কোনখৎপিদুনা কলাবিদ্যা অসিবু থাম্না অবাঙবা থাক্তা থাজৎপিরম্বা কনাগুম্বা নিংথৌগী মাহাক্কী রাবী ঐখোযনা তাবা ফংদে। ঐখোযগী নিংথৌশিংনা কলাবিদ্যাবু থওইবীবমদবা অমস্থং কলাবিদ্যানা থনম্বা পোৎশক্কী মাশং যামদবা অসিগী মরমদা খরা অমুক হেন্না খন্দুনা যেংজবদা ওইবা য়াবা মরম খরস্থ ঐনা উবা ফংজে।— মদুদি মণিপুরগী ইতিহাসতা শা-লাননদি তোগমনবা ওইবনা লৈচং-লৈতানা কলাবিদ্যা অসিবু চাউখৎনবগী মরমদা নিংথৌশিংনা মীৎযেং চংবীবা ঙম্বিবমদবস্থ ওইবা যাই। অদুদস্থ নত্তনা কলাবিদ্যানা পুথোকপা পোৎশক অসিনদি মাঙবদা য়াম্না লাযবা পোশক ওইবনা ঐখোযনা মশিং যাম্না উবা ফংদবদস্থ ওইবা যায—। অদুগী মথক্তা লাই যেক্লগা মচা মস্থ মখোং মখুৎ শোই অস্থুম্না হাযনবস্থ চৎনরম্মী। অস্থুম হায়না কিহন্দুনা অয়াম্বদি যেকপা হৈববস্থ তোকখিবম্বা তায়। মসি হায হাযদুনা মমাঙডৈদগী হৌবদুনা artist শিংগী লম্বী পুম্নমক কক্তুনা থম্বীবম্মী হাযনা পাক হেক লৌবস্থ চুমদ। শ্রীযৎ চন্দ্রকীর্তিগী মাহাক্তা মমীগা চপ চানত্রবস্থ কাবিগড লোইশং হাযনা কৌবা লোইশং অমা লৈরম্বগী রাবীস্থ তাবা ফংই—। শ্রীযুত অসিগী মাহাক্তকুগী হৌদুনা লোইশং অসি লৈবকপগা থুদম ঐখোযনা উবা ফংই। কাবিগড লোইশং

অসি ঐখোয়না। অসুম ভাজবদা কোন্নুংগী কুমৈ কিয়োং অমদি দেব কর্ম্ম খোরকপদা লাই শাবা লাইযেকপ। অমদি বজনব। শেম্বা শাবগী থবক ওইনা তৌই।

হৌজিক যেক-খোংগগী মরমদা হায়ব। তারবদা হৌথ্রবা artist শিংগী মরমদা ঐনা খংব। থরদং শন্দোক্লা হাযজগে। হৌজিক্তি মতমগী artits শিংগী মবমদদি মযামনা হেন্না খংবিবমগনি। মতম অহুগী artist শিংগী মবক্তা ভদ্রশিংগী মমিং খ্বায়না খংবিগনি। মানা খ্বায়দগী অকাউব artist নি। মরম অসিনা ভদ্রসিংগী লাইশিং অসিনা মতম অহুগী School গী art নি হায়না। লৌবস্মু য়ায়। ভদ্রসিং অসি থাঙ্গেশেবা artits নি। কারিগড় লোইশংগী শিল্প। অদুতা তৌদুনা ভদ্রসিংহদা হিংদুনা লৈরম্বা artist অহুনা পেন্দুনা লৈবা ঙমলমদে। মহাক্না খম্বা থোইবীগী রাবীদগী লৌথোকতুনা য়েক্লম্বা লাই কয়ামরুম থনম্বা ঐখোয়না উবা ফংই। নিংথৌগা মরি লৈনবা থৌদোক্কী লাই যেকপদা নত্তুনা মহাক্কী পুক্সীংদ কাউবকপা রাখলদগী হাযবদি Inspi ation দগী থোবকপা অচম্বা মীগী শকতম লৌদুনা যেকলম্বস্মু উবা ফংখি। মতম অহুগী artits সিংগী থোয়দোক্না ভদ্রসিংহনা যেক-লম্বা লাইদা ঐখোয়না কবি উবা ফংই। অহানবা ঐখোয়না য়েংবা হৈরে হায়না খনজরকপা মতমদা মখোইগী art অসি য়াম্না নোকনিংলম্মী। মসি অকাউবা western artist সিংগী লাই তৌইনা উমনাখিবনা ওইবম্বস্মু যাথ। অহুবু হৌজিক্তা ভাব তারক্তি ভদ্রসিং অসি অচম্বা artits নত্তে—মাগী রাখল অমস্যুং মীয়েং কনাদগীস্মু রায়দুনা শিজিন্নদে। মাগী খুৎয়েক্তি ইচম চম্না লাংম্বাকপা কালাগী খুদোলনি। মধাম্না মহাক্কী অয়েকপা লাইদা poetic charm অমা শোইদনা উবিবা ফংবিগনি। মতম অহুগী artist সিংনা Perspective কী রাদি ইখনবু খম্বা উদে। মখোয়গী অয়াম্বা লাইদা থর ইতেম-তেম্বা হায়বদি flate ওইনা মচু শিজিন-নবা উই অহুবু থোইদোক্না ভদ্রসিংগী line অমদি তুলিগী খুৎচিংদি অঙকপনি। করিগুম্বা মখোয়গী অয়েকপা লাইগী মচি ময়াদা মুঙায়বা মচাক হাপতুনা মখোইগী ইতেম তেম্বা শরুক অহু থুগাই-দুনা অমুক হেন্না ফজহনবস্মু উবা ফংই। খুদম ওইনা; খম্বনা কৈ ফাবগী অয়েকপা লাইদা অতিংঙা অমা লৈরে হায়দুনা উচেক অমা হেক্তা পায়তনদে—লাংজা পায়হল্লী—। যেংবিয়ু; artist অসিগী imagination অসি ঐখোয়গী মমাঙউগী artist সিংনা impression দগী লৌদুনা যেকপা খক থেংনদে realistic ওইনা পুখোক্নবা হোৎনবম্বগী খুদম ওই। মীগী শকতমমক্তবু য়েৱবস্মু কাযদা অমতগী শকতম নিংশিংদুনা যেকপা উই অহুম্নদি ওইরগা artist সিংগী মনুংদা ভদ্রসিংহদদি individuality হাপ্পবা হোৎনবা উবা ফংই। ভদ্রসিংনা য়েক্লম্বা নুপীসিং অসি ঐনা অসুম উজবদা মৈতৈগী ওইবা পুমবুম পুমবুম তৌবা, মমাই কোইদানবা নেমতক নেমতক তৌবা নুপীঙাক ওইনা তৌই। ভদ্রসিংহ অমস্যুং মতম অহুগী artist সিংদি ফজবী নুপী অমা যেকপা তাবক্লবদা নাকচেপলোমদগী খক য়েকপা পামদে—মসিনা তাকপদি মৈতৈগী porfile শীদি কযা ফজদবা অসিদা ঐখোয়গী artist সিংনা পাম্নমদবা তায়। ঐখোয়গী artist সিংনা যেকপা মতমদা শিজিন-নবম্বা মচু অসি Earth colour দা, উনংবানা লৈদগী লৌবা মচু অমস্যুং তেঙ্গালী শিজিন্নরম্মী। অহুগা হৌদোং মতু অমস্যুং হামেঙ মতুনা শাব তুলি পায়দুনা যেরম্মী। ভদ্রসিংহদংদি হৌজিক মতমগী মচুসিং অসি শিজিন্নবা ফংহৌবগী রারি তাব ফংই মরমদি মানা কাউব অসি মহারাজ চুড়াচাঁদগী মাহাক্কুনি।

মতম অদুগ অহল লমনশিংনা যাম্না তোইনা যেক্লম্ব। বিষয় অমনা রাধা কৃষ্ণগী মবম অসিনী। মখাযনা যেক্লম্বা বাধা কৃষ্ণদি মন্দিরদা লাৎপা বিগ্রহ মূর্ত্তিবু ভক্ত অমনা উজবা মীযেংদা যেকপা ডাক্তনি। কবিগুম্বা মতমদা বাংলা দেশকী পট হাযবগা খংনবা অদুগী মওং মাল্লকপস্থ মযাউই। মসিগী মতাং অসদা ঐখোযগী artist সিংদগীসু যাম্না হেন্না লিখ্রব Kangra valley গী artist শিংগী রাধা কৃষ্ণনা মবম ওইহুনা যেল্লম্বা লাইসিং অদে নংশিংদবা ঙমদে। মখাযনা যেকপা অদুদি মচুনা শকপ ইশৈনি, তুলিনা ইবা শৈবেংনি। মসিগী মবমদা M S Radhawa না অস্নম্না হায়ঃ—"The Central theme of Kangra painting is love and its sentiment are expressed in a lyric style full of rythm grace and beauty The recurring theme of Kangra painting, which it protrays one of the six seasons or modes of music, Radha and Krishna or Siva and Parvati, is the love of man for woman and of woman for man" Kangra artist সিংগুম ঐখোযগী artist সিংনা বাধা কৃষ্ণবু উবা ঙমলমদে—। অদুগা ঐখোযগী artist সিংনা যেল্লম্বা বাধা কৃষ্ণগী লাইদা কবিগুম্বা মতমদা নুংশী নুংওলগী ইচেল হাপ্লম্বা উদে। মতাং অসিদা কুইগ্রবা Kangra valley গী artist সিংবু পুসিনলুবদি মখোযগা ঐখোযগা থান-হুনা চাংদমনজগে তৌজবা নৎচদ ঃ—artist অমগা artist অমগা থানহুনা চাংদমহুনা যেংজবগী বিদ্যা অমসুং গুন ঐহাক্কী ওইজদ্র। অদুমনদি ওইবগা মখোয অসি ঐখোযগী artist সিংদগী যাম্না হেন্না কুইগ্রব মমাঙগী artist নি—অদুবু মখোযগী art না করিগীদমক অসুক যাম্না অরাংবা থাক্কী ওইরম্বা অমসুং করিগী অস্নপকী মতিক চ্যোকশিন্না লীরম্বা মদুগী মবমদদি খরদং খন্দুনা যেংবা চুম্মী। মখোযগী artist শিং অদুদি কনাগুম্বা খরনা মতম পুম্নমক্তা নাউকোনবিবকলী। গুলর, সূরপুর অমসুং তিরা-সুজানপুরন চংবা চীংলমদা পাম্বা নিংথৌশিংনা পান্মুবা লৈতনা যোকখৎ-কোনখৎপীবম্বগী খুদম উবা ফংলি। মদুগী খল্লুরবদি ঐখোযগী artist সিংদি খুদোং চাবা ঈফং ফংলক্তে। চিঞ্জাক থিবগী চৈনাখোল ফংলিবা artist সিংনা ফাউবা খৰ ঙমদে—অফাউবা যাববস্থ তোমথিন্নী — মখোয অদু artist সিংগী মবক্তা অথোইবনী।

মতাং অসিদা যেক-খোৎপগী মবমদা নৈনবা মতমদা মৈতৈ লৈবাক্তা লাই শাব হাযবাদ sculpture অসি কবম্বা মওংদা লৈবম্মী—অমসুং লৈবী হাযবা অসিসু খন্দুনা যেংবা তায। sculpture হাযবগা ঐখোননা খংনবিব art অনিমক যেক-খোৎপগা যাম্না মবি লৈনৈ। মবমদি লাইযেকপা হৈবা মীনা লাই শাব হৈতবদি যায, অদুগা লাই শাবা হৈবা artist তি form অমসুং line গী জ্ঞান লৈতবা যাদে। তৌবতবু লাই শাবা হৈবা artist না লাই অদুবু অনেম অরাংগী পাম্বেনা মওং থোকহনবা তায অমসুং মাইকৈ পুম্নমক্কগী যেংবা হৈভবা যাদে। artist সিংনা মহারা শিজিন-নবিবা মচাকন মরম ওইহুনা sculpture অমসুং painting গা অমুক হেন্না নকনবা মওংদা relief work নাচিংবা তৌহুনা যাম্নসু পুথোকনৈ। ঐখোয়-না মৈতৈ লৈবাক্তা লাইশাবগী থবক অসিসু লৈবম্মী। অদুবু ঐনা অস্নম খনজবদা লাই যেকপদগী লাই শাবা artits সিংনা খব হাম্না থোবকলম্ব। অমদি অরাবা artits ওইরম্বা তায়। ঐখোযগী ভাবতকী মকম অতৈগুম sculpture গী লনগৈ লৈরমত্রবস্থ—খরাদ মহোৎনবম্বগী খুদম

হৌজিকস্থ উবা ফংই। হৌজিকস্থ ইণ্ডোরোক, মাইলোকচাউ অমস্থং C. C. গী হিস্টোল মনুংদা অচুগুম্বা অশাব লাই উবা ফংলি। লাইশিং অসি য়াম্না লিববা ওাক্তনি। নুংদা হকতুনা শাব পোৎশকপু পাক মাঙহনবদি য়াদবনিনা হৌজিক কাউবা উবা ফংলিবনি। ঐনা অস্থম য়েংজবদা লাইশিং অসিগী মনা শাংনা শাংনা পাম্বা বুদ্ধদেবগী মূর্তি মানবস্থ য়াউই—মসি করি গীনো হায়বা অথংঅ শংনা খিজিনবিরবদি মরম উবা ফংবস্থ য়াই। মতম অচুগী artist শিংনা relief কী মওংদা শাবম্বা লাইস্থ উবা ফংই। ঐখোয়গী হনুমান ঠাকুর অসিমক high relief work কি অশেংবা খুদম অমনি। মসিদস্থ নত্তনা Group ওইনা শারম্বস্থ উবা ফংলি। ঐখোইগী বিষ্ণু ঠাকুর অসিমকনা group কি কজবব। খুদম ওইনা পুথোকলী। অসি নত্তবা উ-দ হকতুনা শাবগী থবক অসি যাম্না চৎনরকলি—খুদম ওইনা ঐখোইগী মন্দিরসিংদা লাৎলিবা বিগ্র মূর্তিসিং অসি নিংশিং বিয়ু। অচুগা খোইরুনা শারগা হৈবা মূর্তি, শামু ময়ান শাব কজব। মূর্তি কয়াস্থ উবা ফংখি—হৌজিক অচুগুম্ব' পোৎশিং অদো কনা উবা ফংখিদরে। মতম অমদা লৈখোমম্না হাযবগা থংনবা স্থম্বা অচুনা শাবনি হায়স্থনা খম্বা খোইবী অমস্থং হিয়াং তানবগী শামু ময়ানা শাবা য়াম্না কজবা মূর্তি থর ঐ ইশামক উজহৌই—। মচুগী পোৎশিং অচু ঐগী পাবুং স্থম্বানা Viceroy মতৈ মনাও খোরকপদা খূদোল ওইনা পীখিবদা উজহৌবনি। অচুমকপু sculpture রোমদা খল্লববস্থ ঐখোয় অসি কয়াদি য়োনা মচাউখৎলমদে—অসি ওলাইগা মখোং মখুৎ সোই হায়না লাম্না থাজবা অচুনা ময়ম অমা ওইবস্থ য়ায়। মত্তাং অসিদ ময়ামনাদ প্রনদবা artist সিং থরগী মরমদা. থরজং নিংশিং হৌগে। মখোই অদু মুগীনা অয়াম্বনী—মখোই অদুদি অয়াম্বনা শানপোৎ ওইনা শারম্মী অদুগা মখোইনা শারম্বা শানপোৎসিং অচুদ। থাজৈ শেংবা folk art কি খুদম উবিবা ফংবিগনি। মতম অমদা তল শামু শাহ্নুনা কৈথেলদ য়োলম্বা artist সিং অদু নিংশিংবিরম্বা য়াই। হৌজিকস্থ মচুগী মতৌ লৌচুনা লৈপাক্ল শারগা মৈদ ইকলগা নত্রগা ইক্তনবু ওইরবস্থ — শাব ওম্বা artist থোরকলবদি য়াম্না কজবা মওংগী শানপোৎ শোইদন থোকনী।

মথক্তস্থ হাবজখরে—অমুকস্থ নিংশিংজগে কোনুং-দা কারিগড় লোয়শং হায়বা অমা লৈরমলবস্থ ঐখোযগী artist সিং অসি ময়ামনদি কয়া থওইনা মতৌবিরক্তে। মীরায়বী হায়বগী তশেংবা খুদম ওইনা original work অদু হৌজিক অযাম্বা উবা ফংখিদরে—। ইং শোক ১৮৯০ দা রাজপুত রেজিমেণ্টনা বৃটিশ সরকারগী মতেং পাংদুনা মণি-পুরদ লানদবা য়াউবা মতমদা ঐখোইগী য়াম্না কজরবা art কি পোৎশক য়াম্না পুখি। মদু হৌজিক কাউবা মখোইগী Punjab কি ধরমশালা হায়না কৌব মকমদ লৈবা Head quarter দলৈবী হায়। হৌজিক্তি মমল থংবা নোংচুপকী মীনা ফোংলকপা লাইরিক্তগী ঐখোইগী লাইশিং অদু যেংশিলগা খিচুনা য়েংবা তারী। অচুবু নত্রবদি অজন্তা গুহাগুম্বা ঐখোগীস্থ লৈরম্বা য়ায়—ভদ্রসিংহগুম্বা artist কয়াস্থ পোকলম্বা য়াম্ন—।

মৈতৈ জাতিগী ওইব artistic talent অসিবু লেম্ন মাঙহনবদি য়াদবনিনা য়েক-খোৎপগুম্ব কলা বিদ্যাদা লম-য়োনা চাউখৎপ ভমহৌদ্রবস্থ মখোইগী aeshtetic science অসি মওং অমদা শিজিন্নবা তাখি। মসি ঐখোয়না মৈতৈগী অরীবা design অমস্থং মখোয়না পুথোকলম্বা মচুগী রাখলদগী

উবা ফংই। মখোযনা শেৎন চানবা খি অসি চুম্নগী কাম্নবগী অমদি হকচাং কুপনবা ওইনা শাবগা পেললমদে। ঐখোযগী rtist সিংনা চেদ মচুনা লেকপগী খুদোংচাবা ফংজনস্ু শেৎন চানবা ফিদা লংলাগী লৈরোং যেকপ অমস্ুং মচুগী ঈথক হৌহনবা পামলম্মী। খুদম ওইনা ফনক্কী মপালদা কুহীগী মচু কথামরুম অমস্ুং অয়ুবনা নমনা শিজিন্নবা উবি। মসিগী মথক্তা হিগোক খজক্তুং অডৌবা খজক্তুং যাম্না লেকুনা শিজিন্নবা উবা ফংলি। মসি পংতৌ তৌশিনবা নাত্ত—কনাগুম্বা artist অমগী কুপলবা মচু। রাখলদগী পোল্লুকপনি। মসিবু ঐখোযনা artist কি লেন্দা ambience হাযনা কৌববস্ু কাযদে। অসিতস্ু নত্তনা মখোযনা মচু অমত্তদা খব রাউবা, খব লৈশিনবা মওংদা শিজিন্নহনা পোৎশক অমগী মমল কাউখৎহনবা অমদ অরাংবা ফবিগী পোৎশক ওইনা পুথোক-লম্বস্ু উবা ফংলি। খুদম ওইনা নমথাং খুলক্ অমস্ুং খামেন চৎপদা শিজিন্নরিবা মচু অসি যেংবিয়ু।

ঐখোযগী artist শিংনা অবংবা মচুগী খেন্নবা পীদুনা মীৎ নাহনবা খক পামদে। চুম্মী, অমুবা অঙংবা, অণৌবা নাপুনচিংবা মচুনা মপাল নাহব ফনেক্তা শিজিন্নে। অদুবু খব লাপথোকলগা যেংবিয়ু—ফাজিনবা মওংগী মচু অমত্ত ওইন উবি-গনি। মসি হায হায়দুনা অখেংব মচু অনি ইশিনমক শিজিন্নরমদবদি নৎতে। অবংব মচুগী কুমৈ মরাম্না লানফিদা উবা ফংবিগনি। লানফি লানচংবগী ফিনি। ঐখোযগী artist সিংনা অবংবা মচুগী রাখলগা লোয়ননা ঐখোযগী লাম্নীশিংবু লানদা থাজনবা মতমদা মতেং পাংই। তৌজিক লাম্নীগীদমক বাঝাই বেঙ্গুন খোংলিব—অসিগা অমত্তনি। পুম্নমক অসি খল্লরগা ঐখোয়গী artist সিংগী ইবেল অসকাম্নুক লনা লৈরম্মী হায়বা ঐখোইনা তংশেংনা উবা ফংলি।

Design লোমদ অমুক যেংবিয়ু। ভাবতকী অবীবা art কি অথকপা অমস্ুং অশংবা লাইগা লোযননা শাস্তাদগী, লৈদগী মীদগী ... , ইনৎ নত্তবা কাথগুম্বা রাখলদগী থোবকপ বজব লৌরগা design গী মওংদা হেক হেক হাপলম্বা থেংনৈ। ঐখোগী artist সিংস্ু ফিবোলদ য়াম্না অৱাব অমস্ুং অরাংব থাক্কী design পুথোক্কুনা হাপলম্মী—অথাম্বদি Circular অমদি geometrical ওইবা অমস্ুং শাঙা ওইনা তৌই। ঐগী লনাই ওইনদি, শাদুনা পুথোকপ design দগীস্ু মৈতৈগী কল্লগা শিজিন্নবম্বা হাযবদি Cut work কী design অসি ওস্তোক্না ফজখরে। মখোস অসি শেমদোক্লিংঙাই হাপচন নঙাই যাউদ্রবা চপ চাব মওংগী ... ংশক্লি লৌনংই। অদুদগী কল্লব তুংদা লেব হাযদুনা মচু মচুগী লংনা খোপচিল্লী—মদু কথামরুম ফজনা ঐখোযগী artist সিংনা শিজিন্নরম্বগে হায়ববু—থাঙ্গৈশেংবা তুলী পাযব হৈরবা অমনা যেকপ-দৌনা উহল্লী। অসিগুম্বা design অসি মযাম্না লুহোংবগী ফিজিন, মোনমাই, যুখল, নিংখম শম-জিন, পোৎলোবনচিংবদা উবিবা ফংবগনি। মতৌ অমুম্না ঐখোযগী artistic talent অসি সিজিন্নফম খংদদনা পুমমাং মাঙবদি নৎতে—অতোপপা মফম অমদা শিজিন্নখিবনি হাযনা ঐনা লৌজে।

যাম্নস্ু ঙাংজগ্রে—লাই ওইগ্রব ঐখোয়গী artist সিংগী মঙাল অসি নিংশিংলুবগা হৌজিকমক মৈতৈগী ওইবা কলা বিদ্যাগী জগৎ অসিগী মবমদা খল্লক্তব ঙমদে। মমাঙতৈগুম অনুবিশ্বাসনা কিহন্দুনা ঐখোযগী artist সিংবু বৈথবিবম্বা অদুগুম্বা খুদোংথীবা মতম অদুস্ু লেনলকলে—অদুবু থাঙ্গৈশেংবা artist হায়রগা খংনবা মীশক্তি

কাঁইট ? মৈতৈগী কলাবিদ্যাগী জগত্তা হৌজিক অসি ফিক্ক খুম্বা মতম্ম হায়না ঐনা খল্লী। ঐখোই হৌজিক past glo'y না হিংহুনা লৈরি। হৌজিক ঐখোইগী মরক্তা য়েক-খোৎপা পাম্বা অঙাং মশিং য়ামলকলে—লাইয়েকপা তম্নবা স্কুল কাউবা লৈরক্রে। অহুবু খ্বায়দগী মমলবা য়েংখে।কখিবদা কল্লাং ঙাক্তা উবা কাচিন অমদা লাই য়েকপা তমলীবনি হায়হুনা অঙাং খর। কম্ব। ময়াম্মা উবিবা কংবিগনি। মঙ্গুম্নু মুংদাংদনি। অসিগুম্বা অকা অপুম্নবা কা অসিদগী Coinmecial artist খরদি থোরকপা যায় থাজৈশেংবা artist তি মতম কুইনগীদমক উবা কংলয়োইদ্রা হায়না খল্লুবদা রদবা ঙমদে। artist হায়ব। অসিদি ময়াম্নমু হেন্না খংবিরী—atmosphere অমস্তুং in piration গী মতুং ইনবনি। কনাগুম্বনা হেৎপাবা য়ায়—a tists are born but not made অহুবু artist পু খ্বাযদগী হেন্না ইশিং চায়বিবা ক্তাঁয়—হায় হাপ্পীব তায়।

হৌজিক অসি তম্নগী অমস্তুং য়েঙবগী যুগনি। Post graduate ফি schularship কয়। কয়। পীবিরবা হৌজিক কাউবা artits সিংবু মীয়াইবিবদি তৌক্তরি—। ঙসি কাওবা মচীন তুমখৎলকপা অমাদি শেম্বদা খোক্কদৌবা artist সিংবু ভারতকী মপালদা নম্রগা মমুংদা লৈবা অকব Art School দা মত্তেং পীহুনা থাবিবমু উবা ফংদে। তম্নীরিবা ওথাসিংবুম্নু অকাউব art centre সিংদা মতৌ করম ওম্বা—ঐকরি কবি ওম্বা অসিনচিংবা য়েংনবা থাবীবমু চুবানি। ঐনা শান্তিনিকেতন্দা লৈব মতমদ Orrisya Gov না scho'ar ship পীহুনা চহী অমদ ছাত্র ছাত্রী ৪।৪ থারকপা থেংনরকই—। অহুতমু মতুনা অতৈ province তগী, Wardha নচিংবা আশ্রমদগী scholar ship পীহুনা থারকপমু উরকই। ঐন। হায়রিবা অসি 1947 গী য়ানি হৌজিক 1962 য়োরকলে।
ঐনা Education departme nt তা য়াউবা কনাগুম্বা অনৌবা অমদা ঐখোইগী art Studnt সিং অসি মপানদা থাবিদবা কয়িগীনো হংজবদা য়াম্না তেম্না শুম্বিমকই—"মখোযনদি দরকাম্থ থারক্তে" ভাজবদা পুকনিংদা য়াম্না য়ারোথী। artis হাবব। অসিদি মশাগী ওইজ-ওইথক খংদবা মীময়ক্তা খ্বায়দগী অপংবা কাংবু অমনি হাথম। লৌবমু য়াব। হৌজিকসু মখোয়না দরকাম্থ থারকপা ঙায়হুনা লৈখিসিরা ? নম্রগা Sign Fo'rd টবা হৈবা অমসুং film star গী মশক খয় শিন্দোকপা হৈবা artist য়ামনা লৈরগা পেম্মুনা লৈখিসিরা ?

অমুক হম্না নিংশিংজগে ঐখোয়না হিংলিবা অসি past glory গী ফিজি য়াম্নহুনা হিংলিবনি। Design লোম্নদা অমুকা যেংবিয়ু—। হৌজিক ঐখোযনা হাম্নগী ওইবা লনতবু ম'চেৎ ম'চেৎ থুগাযহুনা অমদা অমা হাপচীল, অমদা অমা নপশিন তৌরগা অনৌবা design ওইন। লৌনবী—অনৌবগী মরক্তা original উবা কংলকত্রে। হৌজিক ঐখোয়গী মাকৈথেল, অহোংব অমসুং অশোনব design গী কিনা তাউথোকলী। চুম্নি, ঐখোয়না তৌরিবা অসি revive তৌরিবনি—অহুমনদি ওইরগা rev've তৌবা তারবমু থাজৈশেংবা মগুন লৈব মীতনা অরিবা পোৎশকী মগুণ মাঙহনদ্না revive তৌবা ঙম্বনি। অবনীন্দ্র নাথ ঠাকুর অমসুং নন্দলাল বসুগুম্বা artist তনাবু ভারতকী ওইরিবা অরিব লনবু revive তৌবা ঙম্বনি। হৌজিক, ঐখোইগী শ্রীশ্যামসুন্দরনা design centre দা চংখবা অসিদা ঐখোয়গীমু অনৌবা আশা অমদি উবা ফংই—।

হায়জনিংবা পুম্নমক হায়জখরে—তেংবানদি লোরশিনজনিংদে। কনা থিত্তা হায়রবা অসিদি মতম পুম্নমক্কি ওইরবা মাঙলয়োইদৌবা তকানি।

মৈতৈ লৈবাক্কীদবু হৌজিক অসি লাইবক থীবা
মতমনি হায়কনতান। ঐখোয়গী artist শিংনা
রাখলগী ঈথুং থেংনবা। নুমিত্তা অমদি খাইনা
কলা বিদ্যাগী মগুনবু তশেংনা খংলকপা মতমদা
ঈখোয়না অমুক হেন্না খাংলবা কলা বিদ্যাগী জগৎ
অমা উবা যংগনি হায়না আশা তৌজৈ।

ইং শোক ১৯৬১ ইং- অসি

'মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ২৬ শুব চহীনি'

(সাধারণ সভাদা পীখিবা ভাষণ)

শ্রীতেবকিলোং

হাহৌদোক।

"সাহিত্য" হায়বা লোল অসি মীবৈবাক্কী লোল ওইনা তৌই, মৈতৈ লোল নত্তে। সাহিত্য অসি ইংরাজীগী লোন্দা হায়বগা লিটরেচর (Literature) হায়না খংনৈ। রাহৈ অসি খর শেংনা হায়রগনা লাঈবিক ইবা-পাবা ভস্বগী শক্তি লৈবা অত্তুবুনি। মক ওইনা খন্তববদি—মীওইবগী শক্তি—লৈবা খিবির। চাওখংনবসি সাহিত্যগী মতেংননি। মবম অসিনা 'সাহত্য' অসি কবয়া অমমুং কদাইদগী তৌবকপনো হায়বাস খিদোকপা দবকারনি।

মীওইবা জাতিশিংগী মনুংদা "সাহিত্য" কৌবা অসিগী মমী তাদ্রিহৈ যুগ কয়া মকমাদ লমশা-গুম্না লৈবন্বা মাল্লে। অত্তুহৈগী তাইবংমীশিংগী মীপান অমমুং যুম্বান্দি খংননবা কবিগুম্বা লাঈবক মযেক অমত্তা লৈবমদবনা খংনবগী উপায় কবি অমত্ত খুত্তা লৈত্রে।—অত্তবু মাওইবাশিং জাৎগী মমুংদা লৈবাক মচা তাবা হায়বসিদি ঈজিপ কৌবা জাতি অসনা হাল্লি, মখোইগী মীহৌবোলদি,—

(১) খৃষ্টনা পোকত্রিহৈগী কুমজা—৪,২৩৬ নি হায়না মখোইগী পুবান্দা যাওবি।

(২) খাগী — (চাইনা) শিংগী মীহৌবোল্লা খৃষ্টগী মমাংদা কুমজা ২,২০৫ হায়না থাবি।

(৩) হেক্ক জাতিগীনা খৃষ্টগী মমাংদা ২,১০০ হায়না থাবি।

(৪) গ্রীক জাতিগীনা খৃষ্ট মমাংগী কুমজা ১,৪০০ হায়না থাবি।

(৫) রোম শকারনা খুগন পাঙ্গল লৈরকপা খৃষ্টগী মমাং কুমজা—৭৫০ হায়না থাবি।

(৬) তাইবং পানদা লৈবাক মচা তাবা হানবা অমমুং "সাহিত্য" লৈবা হায়নবা ঈজিপ জাতিশিংনা রোম শকাবগী খুবাক্তা খৃষ্টগী মমাং কুমজা ৩০ দা হৈখা তাখরে। অত্তুদগী হৌনা ঈজিপ কনানে। — হাইনা তাইবংপান অমতৈগা খোইনা খংনবা হৌত্রে।

কুমজা ৪ (মরি) শুবদা খৃষ্ট পোকলে। খৃষ্টগী মমাং কুমজা ৭৪৩ দগী হৌনা—খৃষ্টগী মতুং কুমজা ৮০০ ফাওনা বোম খবারন। তাইবংপান মকম পুম্নমক্কা মপু ওইরম্লগা লৈখা তাখিবদগী কনাগুম্বা অমত্তনস্মু মখোইবু রারী ওইনস্মু শিংথানদ্রে। মাদুগী তুং (খৃষ্টগী তুংদা) কুমজা ৮০০ দগী হৌনা ইং শোক ১৯৪৭ ফাওনা অঙৌবা জাতি পোইদোকপদি ঈংরাজি শিংনা চহি ১১০০ চুপ্পা তাইবংপানবগী চুপ্পি পাইবম্বদগী অগষ্ট থাগী তাং ১৫ গি শোক ১৯৪৭ তা লৈখা তাখাৱ। ঈংরাজীগা রোমগা চংদম্নবদ বোম্মা ১,২০০ চুপ্পা তাইবংপান্বগী মপু ওইখি হাইনা সাহিত্যনা লেপলি। মতৌ অম্নম তৌনা চহি চা কয়াগী তুংদদি বৃটিশ স্বর্কাব পালমষ্ট অমস্নং মুগল পাঙ্গল্লমই হায়বসি মীওইবগী খম্মোইদা ফাওনবর্কবিগনি।

ঈজিপগী জাতিনা লৈবাক মচা তাবা হাল্লবস্মু অদুগা বোম স্বকাবগা বৃটিশশিংনা তাইবংপানবগী মপু ওইবম্লবস্ত—"সাহিত্য" গী মরমদা থোইনা পাংথোকপা ওমলমদে, অদুবু গ্রীক কৌবা জাতিশিং অসিনা "সাহিত্য" কৌবা অসি মথৌ ওইনা লৌখৎলম্বদগী ঙসি নুমিৎ ফাওবদ— তাইবংপান অপুম্বনা হীরম পুম্নমক্তা "গ্রীক সাহিত্য" গী লমন তোল্লীবনি। হাইবদি—লাইবা তিনবা, লাইনিংগী মওং ওইববস্মু অমস্নং মহৈগী মরম খুদিংমক্তা ওইরবস্মু গ্রীককী সাহিত্যদগী মতেং লৌবা নত্তনা কনাগুম্বা জাতিগী মফমদগী ফংবা ওমদে। মবম অদুনা ঙসি ফাওবদা গ্রীক হৈতবা মীবু বৃটিশসিংনা অচৌবনি শিংথানদবগুম্বা ঐংথাথশিংনস্মু ইংরাজী হৈতবা মীবু অচৌবনি শিংথানদ্রিবা অসিনি। মাসিমক—সাহিত্যগী মরমদগীনি।

মণিপুর চীংতমগী মম্মী লৈনবা খরদং—মণিপুর লৈবাক্তা খুনতাবা হানবসি মৈতৈনি, অমস্নং মৈতৈ কৌবা অসি ইমুং ওইত্রা শাগৈ শুইত্রা নত্রগা ফুকপ অমদি লৈম্নমই হায়বসি তশেংবনি। মাদুগী মতু খবদা কবুই জাতিশিংনা থোমজিল্লকই হায়বদা থোইনা লাল্লোই।

মৈতৈগী মবমদা শামাজ্ঞোক কৌবা অরাগী ফুকপ অমদি নিংথৌবোন্দা—মৈতৈ হায়বা জাতি অসিবু খৃষ্টগী তুং কুমজা ৭৭৭ অত্তুবাইদা শিংথানবদা যাওখি। 'মাহুনা তাকপদি—চহি অদুগী মমাংদা মৈতৈ লৈবমখ্রবনি। অদুবু অদুডৈগী মৈতৈগী মশিংগা—হুজিক্কী মশিং যেংনবদা যাম্না তোম্ববম্বস্মু মথাই অদুবু চৌংলোমদগী জাতি কয়ানা থোমজিল্লকপদগী মৈতৈ মশিং হেনগৎলকপান—হায়বসি যানিংদত্রা ?

খৃষ্টগী তুং চহি ১৮৩২ ইং

থোইবী গা খম্বা-গী হাক্তক্তনি।

থোইবী খম্বগী রারী অসি তাবদা শলা মাইবা হায়বদু কবুইনি হাইনৈ, অদুগা থোংদাক খুদিংদা চাকযাম চাবা, যেনথোং তম্বা, যুথক অসিনাচিংবা রাহৈ কয়া মকমস্মু তাবা ফংই। লোলশিং অসি কুবুইশিংনা মক ওইনা চৎনবি। মতম অদুওয়াইদদি গৌবধর্ম্ম ৎনরমত্রিমাস্ল্র। অদুগী মথক্তা মোইবাংগী নিংথৌশিংগী রাবী তাবদা মণিপুব চীংমীশিংগী মবক্তা অনান, নানফৌনাচিংবা-শিং কয়াস্মু তাবা ফংই। অদুগা—

খৃষ্টগী তুংদা ১৫৪০ শুবা চহিদা চাইনা (থাগী) জাত্তিদগী "সাহিত্য" ফংখিবনি হাইাব। অদুগা—

খৃষ্টগী তুং ১,৭০০ চহিদা মৈতৈগা লাইবিক অসি বাঙ্গলা লৈবাক্তগী লৌবানিস্মু হায়রি।

খৃষ্টগী তুং চহি ১,৫১২ দা "শীব" লাঙ্গৈগা তাইবংচাম্নু স্নংশিবদগী ত্রিপুরাগী নিংথৌ চাসাক কৌবা অদুবু 'কুকি' হায়না শিংথানখি। হায়রিবা ত্রিপুরাগী জাতিশিং অসগা কোম জাতি এসিগা অমত্তনি।

কোমশিংনা মৈতৈ মচাগা তিন্নবসি চহি ৩৩৯ লোমদা মঙাইরি অদুবু ত্রিপুরা থাদোকতুনা মণিপুরগা লুসাই হিলসগী মরক্তা চহি ১,০০০ য়োম লৈরমই হায়না পুরান্দা (ত্রাদিসন্দা) উবা ফংই।

খোংজাইগী জাতি।

চীংঙাই খুন্দা লৈবা পাওতোং নিংথৌনা তম্ব'দি—মাগী মপামক মণিপুরদা চংলকপা খোংজাইগী কাংবুদা য়াওরকই। মতম অদুদা—মপা অদু পাখং মপুং কাম্বাংত্রি হাই। মাদুনদি খোংজাইনা মণিপুরদা খুনতাবসি হজ্ঞক ২ গা ৩ দগী খোইনা হেনবাত্রি।

মৈতৈ কনানো ?

ঐনা খনজবসি লানবম্নু যাই অদুবু মৈতৈ অসিদি মণিপুরগী চীংমী মবান্না শাগৎপা (m scege-nation) জাতিনি। অদুক্তা মৈতৈগী নিংথৌ চাবাই বোংবগী হাক্তক্তা লাইরিক—(মযেং) বাঙ্গালা লৈবাক্তগী লৌশিল্লবগী মপাননা গৌর ধৰ্ম্ম অসিমনু লৌশিল্লবনা ওসি মুমিত্তা মৈতৈ মচাশিংনা মুকপ তোংঙানবা অমা ওইনা চোংথোকপদনি। খুত্তা লৈবা সাহিত্য খরনা শাক্ষী ওইরি। মতৌ অমুম তৌনা চীংমী মচা খবানমু খৃষ্টগী ধৰ্ম্ম লৌখৎ-নবকনি— অদুবু ঐখোয় পুম্নমক মীহৌরোন্দা য়েংলবদি য়াম্না নকনবা মরী লৈনরি। "মবম অসিনা ঐখোই মশেনতা অতোপপা পুকচেন নাইনবা অমসুং মিথয়েং তোঙান্না যেংনবসি পুমলান লাল্লবনি।

কুকি অমসুং নাগা

মৈতৈ লৈবাক্তা লৈবা জাতিশিংগী মবক্তা কুকি অমসুং নাগা হায়বসি মৈতৈশিংনা খনরমদে। মৈতৈ মচা অপিক-অচৌ লৌইনা খংলবদি—(১) কবুই (২) তাংখুন খোংজাই, মরিং, অনান নামফৌ কোম চীক, আইমোল, কোইরেং, চোথে, পুরুম, মাযোন মোনশা-নচিংবা—মাও মরামগী জাৎশিং—অসিনি। অদুবু জাপান লানগী মমাংদা খোংজাইগী লাল ইং শোক ১৯১৮-১৯ দা খোকখিবগী তুংদা কুকি অমসুং নাগা হায়বা মিং অসি লিটবেট (লাইরিক হৈবশিংগী) মরক্তা চৎনবকই। মৈতৈ নুপী অঙাংশিংনদি খংবা লৈতে, অদুনা মীনা চৎনদবা অমসুং খংনদবা মীংবু ঐখোইনা লৌখৎফম খোক্তে।

চীং-তম তিন্নবা ওমদবা মরম খরদং—

১। মৈতৈশিংনা হাউগী যুমদা 'লাকপদা হেক্তা ফুংগা তান্না চংশিন্দুনা মৈ যাইমিন্নৈ, অদুবু হাউনা মৈতৈগী যুমদা চৎলুববদি ফুংগা চংহনবদি হাইকখিগনু—মাঙ্গোল কাওবা কাহন্দে, অদুগা শঙ্গোইগুম্বা মচি অমদা ফমহললি—অমসুং থুংহাল্ল। মৈতৈশিংনা গৌরধৰ্ম্মা চৎনবগী মহৈদি—মপান-থোংগী মথৈদি নিংথিজরে হায়বদি,—চাকচা কজবা, কীজেৎ কজবা, যুমকৈ কজবা—অমসুং অকে-অমৌ মথৈদি চাওখৎপা কংখি। অদুগা—মহৈ-মশিং লোমদম্নু চীংমীশিংদা তানবা কংলোইদবা ঠাক যৌখরে। মাসিদগীদি থৌরম পুম্নমক্তা অমসুং থৌদোক খুদিং মকত্তা মৈতৈশিংনা লাই শাথরে, মরম অসিদগী চীংমীশিংনা মৈতৈ তিন্নবা ওম্নজবনি।

যুগকী য়াওন মতুং ইন্না থৌদোক খুদিংমক্তা তান্নবা—Competiton দা লাক্লে, মাসিদা—চীংমী-শিংনা কদৌমুংদম্নু তাননবা ওম্মোই হায়বসি খংনা খংনা চীংমী মচাশিংবু খুৎলৌ-খোংলৌবিদুনা লৈবি।

পান্দম ওইনা—সরকারগী থবক খুদিংমক মৈতৈ মচানা ওইননবা লাক্লে। চীংমীশিং অসি তোম্বনি মরম খুদিংদা মথোযগী খুদোংচাবা খরা মথৈ পিগে হাইবসি মৈতৈগী থম্মোইদা লৈবা উদে।

মথন্তা হায়খিবা মরমশিং, অসিদগী চীংমীশিংগী পুন্নিংদা লাংবগী ইথক হৌনরক্লে। অদুবু চহি মমাংদগী Hospitalatily অমসুং reciprocity অসি মোংম নোংমা খরা কয়রুপগুমদি তৌই অদুবু—চীংমীশিংনা পেনবা ওমদবা মরম কয়ামকমগীদমক্তা ওসি মুমিৎ—"মণিপুর ইমা লৈবাক" অসিগী মরাতাবা গুমলকত্রে।—মরম অসিনা চীং-তম অসিগী মরক্তা অকাইবা লৈবা খিবিক অসি নহারোলশিং খুৎ খৎনজবা দারিদ্র লৌবিদুনা চীং-তম অনিগী মরক্তা শান্তি অমসুং একতা পুবীরকবসী ঐহাক্কী লাইনীংনী। ইতি—

'আধুনিক ঈশৈ'গী উদ্বোধন তৌবগী ভাষণ

—লাইশ্রম গৌরহরি সিংহ

মণিপুরগী গণ্য মান্য বিদ্বানশিংনা তিল্লবা ওসিগী সভা অসি ঐবু উদ্বোধন তৌজো হায়না ক্তাকপিবা অসি ঐদি উপলক্ষ অসিগী মতিক চাদবা মী অমনি অদুবু সাহিত্য পরিষদকী যাথং হিকতোক্তপা ওমজনবমা খ্বাইগী মাওদা থোকচবনি। মতিক চাদবা ঐবু শিংথাবিবা অসিগীদমক সাহিত্য পরিষদপু হন্না-হন্না ধন্যবাদ তৌজরি॥

ওসিগী সভা অসি আধুনিক ঈশৈগী মরমদা খবদং সভাগী মাওদা পনজগে অরান অহুই কয়া য়াওবা ওাকপিগনি নিংজে। ঐগী মক্তা মণিপুরদা আধুনিক ঈশৈ হায়বা অসি বৈজ্ঞানিক ভিত্তিদা শেমদুনা থাইনদগী চৎনরকপা শাস্ত্রীয় সঙ্গীত মন্তবা, নৌনা পামনা চৎনরকপা শৈশকনি। মণিপুরগী আধুনিক ঈশৈগী মরমদা ইতিহাস য়াড়েক খুং ঐনা খনবা সভাদা পনজগে।

মণিপুরদা পেনা ঈশৈ নত্তনা মৈতৈলোন্দা ঈশৈ শকপা অসি হৌরকইনবা অমসুং অচোপপা ওইনা খন্নরমই। শ্রীযুত সার ৺চুড়াচান্দ মহারাজ সনা হাক্তক্তা মৈতৈলোন শকনরকই। জনষ্টোন স্কুলগী হোলি ঈশৈদা স্বর্গীয় ওইনাম বোকুল ৺খাইদেম নোংগাইনচিংবনা লুচিংদুনা মৈতৈলোন্দা শকনবকই। ৺রাঃ কুঃ সুর্য্যবর সিংহনা বাসক নট পালাদা, ৺লাইশ্রম ওজা গোপালনচিংবনা মৈতৈলোন্দা মনোহরসাই, কাংগী খুবাক ঈশৈদা শ্রীমতী লৌবেমবম তোম্বী, শ্রীমতী ক্ষেত্রি তোম্বীনচিংবনা মৈতৈলোন্দা শকই। শৈশক্তি হায়গী ওাক্তদা মৈতৈলোন্দা শকপদনি। মদুনা মণিপুরগী হৌজিক্কী আধুনিক ঈশৈ মমী তমবনি হায়বা য়াই। মাওবতা নট পালানচিংবদা মৈতৈলোন শকপা মতমদা মৈতৈলোন শকপা য়ারোই হায়বগী

অচৌবা অন্দোলোনসু থোকাখ। মৈতৈলোন পামবা ওজাশিংনা অরাবা কয়া খাংবিখিবনা ওসি মৈতৈলোন্না জয় ওইররে। মৈতৈলোন্দা শৈরেং কয়। ইনহুনা অনৌ অনৌবা সুর কযাদা ঈশৈ শররলে মহুগী শিংথানবা যাবদি "ড্রামাগী" ঈশৈনি। ড্রামাগী ঈশৈনা থাঙ্গৎশংনা মণিপুরী আধুনিক ঈশৈগী অহানবা মওং নাইবা য়ুমকমনি। ঐনা খংজবদগী ৺সোয়োৎখাইবম ললিত সিংহ শ্রীযুত খোমদ্রাম ধনচন্দ্র সিংহনচিংবনা ড্রামা কযা ইহুনা অমসুং অনুবাদ তৌবদা ঈশৈ কয়া অনুবাদ তৌরকপা, হায়বিবা ড্রামাশিং অসি শান্নবদা সুর পান্দুনা তশংবা মৈতৈগী আধুনিক মওং উরকই। ঐ ইশামক্ ঈশৈ চাম (১০০) হেন্না আধুনিক শৈশক্তা পুথোকচৈ। হৌজিক মণিপুর শিনথুংনা চৎনবা শৈশক মরিগী হায়বদি পেনা ঈশৈ, নট, মনহরসাই, হিন্দুস্থান সঙ্গিতকী মরক্ত আধুনিক ঈশৈ মফম কন্না কল্লরে।

হৌজক মতম পুন্নমক্তা লৈকাই খুদিংদা নাহারান্না যান্না পামনরকতুনা আধুনিক ঈশৈনা পুমনিন্ন নিল্লে। মসিদা ঐথোইনা মরম অনিদা চেকশন্দ্রবদি নৌনা পামনবকলিবা আধুনিক ঈশৈ অসি মাঙথরকপা য়াই অহুদি অহানবনা শৈরেংগী ভাব, আর্থ, শব্দ, বাক্যনচিংবগী মশক মওং। হাযরিবা পোৎশকশিং অসিনা কক্তন্দ্রবদা। ঈশৈ কজব। য়াৎলি। শৈরেংগী ভাব আর্থহুগা। সুবগা চান্নবগা মীগী পুকনিংদা। নুংঙাইবা, হরাউবা কপনিংবা পোকই। মসিদি ঐগী ইাতক নত্তে শৈরেং ভাব, আর্থনচিংবদি সাহিত্য পরিষদ কুম্বনা মতিক চাবা তত্ত্বাবধাযকনি। অনিশুবদা শৈশক অমসুং খোনথোকনি। আধুনিক ঈশৈ হায়বসি খর লায়রবসু সুর হাযবহুদি অরাইবা নত্তে। স্বর সাধনা তৌদবশিংনা অরাযবনি হাযহুনা আধুনিক ঈশৈ শকপসু ঈশৈহুমক মাঙহন্নবনি অবোইবদা ঐনা হায়জনিংবদি শাস্ত্রিয় সঙ্গতকুম আলাপ, তালআলাপ, গীত কারি বাঁট, তালনচিংবান যাওদ্রবসু আধুনিক ঈশৈ পামবীবা কাংবুশিংনসু স্বর সাধনগী মরম অসিদা য়ান্ন চেকশন্না তৌবিফম থোকই। মতাং অসিদা লোইজরগে।

সমাজ অমসুং সংস্কৃতি

শ্রীদিশক সিংহ

(সমাজ অমসুং সংস্কৃতি বিভাগতা পিখিবা ভাষণ)

মীওইবা অসি খঙবদা, হৈনবদা, পাঙ্গলদা, ভাব শক্তিদা অমগা অমগা খেন্নবা কযা লৈবনা অমনা অমগী অবাৎ-অপা কয়া শৌগৎনহুনা, মেনখৎনহনা হিংনরি। অহুগা মাগী অনুভবকি কাইদোংফম অসি প্রকৃতিতনা ওইবনদি পেনবা মপুং কাদে, মী মশেলনা ওইরগা হেন্না য়াংই, হেন্না নৌঙ্গে। থাম্মোইদা কাওরকপা রসিক শকক অহু মানা মখল মথেল কযা নাইনা কোংদোকই, হকচাংগী শাৎথক কযানা, সুর, অমসুং তাল কযাগী খোম্জোন্না, লৈই অমসুং মচুগী মতেংনা মসুন্না তৌবদা মশাদা কাওরিব আনন্দগী শকক অহু মমান্নবা তাইবং মী অতৈদা কাওহুনা অতৈবুসু

পেহল্লিংই। অশুম্না ফনা সৃষ্টিগী মপুং ফানে। অদুগা মশা মশাগী ওইজবা থিরকপদা 'মপুনবগী ফাননবনা মমুংদা যংনা। কোঙাই য়াওবনা সমাজ লিংই। 'ওর্গেনিজম অমনী তোঙান-তোঙানবা পার্টশিংগুম অচেৎপা মরি লৈত্রবস্থু সমাজ অসি ওর্গে নিজম অমগুম্বনি। মীগী পুনশিদা রাখলগী, ভাবাক ১সুং অতৈ আদর্শগী মপুং ফাবা তান্নবদা সমাজগী মমুংদতা ওই। মতোমতগী খাইদোকপা পুনসি লেনবদি লাই নত্রগা শা ওইবনি। লাই ওইরবা ফাওবদা মাগী আদর্শগী মপুং ফাবা 'ডিএলাই-জেসন' দি মীগী সমাজগী মমুংদতা ওই। বুদ্ধদেবগী পুনসিন খুদম্নি। মী অমগী পুনসি মপুং ফাবগী চাংদি মান তৌরবা থবক, লৌশিল্লবা পুনসি মবেল অদু মশাগী ফান্নবা ফংবগা লোয়নন সমাজগী অপুনবা পুনশিদা পান্নকপা কান্নবগী চাংনা ওইগনি। মীওইবা সামাজিক জীবনি।

সমাজ অমগী শিবা চংবগী রাদি মাগী পুনসিগী তেনবা-শাংবগী রাদি—মীওইবগী পুনসিগী অর্থ লৌবা মরৌ অমসুং আদর্শ অত্তুগা চাশিন-চুশিন্নবা পুনসি কদাই ফাওবা লেনবা ঙম্বা-ঙম্নদবগী মথক্তা ননগান। পুনসিগী-অর্থনা তোঙান তোঙান্না লৌনববা, পুনসি লেনবা মবেল্ল। অমগা অমগা থেঙ্গাইনবতা মওইদুনা অপুনবা সমাজগী পুনশি মচোই মচোই তাহন্নব মওংদা চংথনবব দ সমাজ অদু মবায চাইথগান, জাত অদু তিংলই।

তাইবং মী অসি চাউবান্না লৈবান অত্তমগী মমুংদা লৈনব। অহানবদা,—'ঐ' অমসুং 'ঐগী' হায়বা রাখন্তনা ইন্দুনা পুনশিগী থবক পুন্নমক তৌবা মীরোং। মখোয়গী পুনশিগী আদর্শনা করিগীনো খঙদনা মশাগী ফরেপফম লৈফম তান-বনা ওই। তৌনং তৌনিংবা তৌবদা লমন খুম্মকপা কিবদনা, অমসুং আইন্না নত্তগ মতুংগী মপোক্তা শীরদবা দন্দ অহুতবু কিবনা মখোয়গী পুনশিগী অথিংবা, অপানবা পীবা ওই। অদুগা অমুকসু ইমুং মনুং সুংশিবা, ময়েবাক সুংশিবনসু মখোয়গী পুনশিগী নোম-ইকপগী থৌইনাশিনসু মওই। মখোয় অসি ইচম-চম্বা মীওং কৌবা যাই।

অনীগুবদা,—রাখল খনবা, অফ ফত্ত খঙবা অমসুং খঙনা অফবা তৌনিংবা মী কাংবু অদুনি। মখোযনা মথৌ করিনো, অমসু মথৌ অদু পাং থোকপা অসি পুনশিগী তৌদব। যাদবনি হায়না পুন্নমক অসি খন্না অমসুং খঙনা মদু পাংথোক্লবা হোৎনদুনা মপুনশি লেল্লি। অদুম্নদি ওইবগা পাশাবক শাক্তগা আধ্যাত্মক শক্তিগা অনীগী কন্না লাংনবা অদু মখোযগী হৃদ ক্ষেত্রদা অমনা অমুক ঙম, অমনা অমুক ঙম—অসুম চৎথদুনা লৈবনা, হান্নগা আদমগা অনৌবা-মানব কা অনী আসগী তত্তনা লান্থেংনফম অদু মখোযগী পুনাশনা ওইবনা,—মীওইবগী খমথেংনা রাংলব। আদশগী মীদ মখোয় অসি নত্তে। মখোয় অসি শাক্ত পাম্ম; মপুনশিদা অচাউরম কাবগী আশা যান্না কন্না লৈ। অদুগা অমবোমদসু অমুক থোইদোক্না পুকচেল চাউই। মশাগী সুকথেংদনা ওইবং মীওইবগী মঙ্গলী দমক্তা হায়দুনা মরক মবক্তা নাম ইকপসু তোইনা থোকই। মা মশ মক্তদা মশাগী সুকথেং যেংদবা, অমবোমদসু অমুক মশাগী ওইজবনা মপুং ওহবা অচম্না রাখল, — অনী অসি পুন্না অমুক্তদা,— ওইথোক্তব। মান্নবসু,— যুদোকই। অচাউবম তান্নবগী চাং নেংদা ইবাউ-লাইনা লচিংবা ওইবা পাম্বদগী—মখোয় অসি উৎপা য়ান্না পাম্ম অত্তন পুনশিগী তৎ য়ৌবব মতমদা মশা-মশাগী—অশেংবা মচু উৎথোক্লকই। কবি কবিগুম্বা মতমদা ইন্দ্রগী মখাপোন্না থবক তৌবদুনা অপাম্বগী মৈখুনা অচুম-অরানগী মিৎ কূপশিনখিদুনা মখোয়না থোইদোক্লা হুম্বা থাক্তি থবক ফাওবা—হান্নেংদনা তৌবা তোইনা থেংনৈ।

মী/রাইশিং অসি আত্মাগী স্বাতন্ত্র্য অহু মহাও তংবা হৌগৎপদা ঙাইবনা অহংখ্বা মতমদা অচেৎপা নিয়মগী মখাদা পুনশি লমজিংত্রবদি অম্মুম পারো খবো ওন্থখিহুনা য়াম্না হুন্থবা থাক্তা কুমথানঙাইস্নু ওই।

অহুমগুবদা, মরক মবক্তা সমাজগী নৈথক্তা মীথোই মীহেনবা মী হেক হেক পোক্লকই। মখোযগী নোম-ইকপা পুন্নমক, আইন্না নত্তে, নিয়মনা নত্তে,—জ্ঞান অমস্থুং মুংশিবনা ইনশিনবা, লমজিংবা ওই। মখোযনা সংসারগী মন্নুংদা লৈবগম্নু সংসাবগীদি ওইদে। ইন্দ্রিশিংবু নিংথিনা চুক্লি পানশিন্দুনা অচুম্বা লম্বেন্দা। জ্ঞানতনা হোইহুনা অচুম্বা লম্বেন্দা থোহুনা পুই। ইন্দ্রিনা মখোয়বু হোইহুনা পুবদি শুকঙম ঙমহন্দে। অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা হুন্নকপদা মহাসমুদ্রগী ঈমাইথক্তা ঈথক-ঈবৈনা প্রলয়গী মওংদা নিক্লক্লবদা লৈখাদদি করিমত্তা তৌদবগুম মহাশান্তি ওইনা লৈবা অহুগুম্না সংসার সমুদ্রদা থোদোক লখা অমনা তত্তনা অকনবা ইরৈ হৌরক্লবস্নু থোদোক পুন্নমক্তা মশা যাওনা য়াওনা পুরিংগী লৈখাদা থম্মোই-ঈবাং স্নুকহৌ-হৌদনা মহা শান্তি অমনা লেঙদনা ঙান্দুনা লৈবা স্থিতপ্রজ্ঞ ওইবা মখোযনা মখোয অসি তাইবং-মীগী লুচিংবনি, ওঝানি, গুরুনি। মখোয় অসি সংসাব তিঝাং-ঊমংদা মকম :স্নুং মতমবু জয তৌরবা তাংনে শাৎপালৈবানি।

তাইবং মী পুন্নমক অসি অপাকপা সংসার ঈপাক্তা হোন্তমিন্নবদা মহোন্তা অমত্তা তিন্নদে। অযাম্বনা সামাজিক জীব অমা ওইনা সমাজদা মশাগী নিংথিবা ফিরেপকম অমা থম্লিংই —। মখোযনা মপান্থোংগী পুনশিদা মহাক্তি শক্ত পুন্নমক থাহুনা হোৎনৈ। 'ঐবু খঙ্ডু, ঐবু লুনা তৌ, ঐবু ইকাই খুম্নৌ'—হাযবা অসিগীদমক্লি মখোযগী হেৎনব। পুম্বগী মরুদি। মাসিম্নু প্রবৃত্তি-মার্গদা চৎপা কৌই। মখোযনা সমাজনা য়ানরথা নীতি জ্ঞান অমস্থুং মখোয়গী থম্মোয়দা মরা চেত্তনা লৈবা ধর্ম্মজ্ঞানবু তোঈনা তোঈন। খাংগাউনবস্নু মথেংনৈ, অতোপ্পনা মাহু ফাবক্লবগী ঙাক্তা রাৎলি হাযনা থাজরবদি। অস্থুম্না সামাজিক পুনশিদা মশা মশাবু ক্রমঃবিকাশ তৌহল্লে। মাসনা মপাললোমদা চৎথোকপা পুনশিনি। আসগুম্বা পুনশি অসিদা য়াম্না নোক্লিংবা রাকম অমদি,—অসিগুম্বা মীতাশিং অসি মশা-মশাগী মগুণ অহু চামনা পুরি, অহুগা মশা মশাগী দোষবুনা চামানা য়েল্লি; অহুগা অতোপ্পা মীগীদনা হায়বদি মাগী 'Psycho'ogical self কি মন্নুং চন্দবা মীশিংগীদনা মাহুগী ওন্ন-তৈনবা মিৎযেংনা য়েংবা অসিনি। সমাজদা মশাগী ফিরেপকম তাল্লকপদা মশাগী-গুণগী মতুং ইন্না চপচাবা মকম অহুদগী অহেনবা পাম্মুবনা হায়রিবা দোষ-গুণগী বিচার মতৌ অসি থোক্লিবনি।

পুক্লিং, রাথল অসি মপান্দা চৎপা-মখৈ চৎলুবগা 'বুমবেং'-গুম ময়ুমদা অম্নুক হল্লকই। মন্নুংলোমদা চংশিল্লকপা হল্লকপগী লম্বি অসিবু নিবৃত্তি-মার্গ কৌই। মখোয় অসিনা আত্ম প্রতিষ্ঠাগীদমক হোৎনৈ। মখোয়না তাইবং-মী মশক খঙননবা তাম্নে। মত্তোমতবু তোঙাম্না খাইদোক্লা খঙবা ওইথোক্তবনা খঙবগী ঈপাক অহু অম্নুম অম্নুম পাকথোক্লকই; লোযন-লোযনন। মিৎযেং পাকথোকলকতুনা মকম অমস্থুং মতমগী পংথৈ লান্দুনা ঙমথৈ-নাইদবনা মাগী ধর্ম্ম ওইখি। সমাজদা অস্থুম্বা মিৎযেংনা যেংবা তাম্নবা মীগী মশিং য়াম্নিবমখৈ মঙ্গলগী মশক্তি। অহুবু অম্নুম্বা মীগী মশিংদি পংথাম যামদে, থাইদোক্লা তাংই। হায়বা কাওবা যানা যামদে।

নীতি-জ্ঞাননা পীরকপা অথিংবতনা, আইন অমস্থুং লমনখুম্মক্পগী দণ্ডতবু কিবতনা পুনশি চাংয়েং লম্বিদা মীওইবগী নোম-ইকপগী মমাই চুমথোক-চুমশিন ওইবনদি সমাজ মরা চেৎপা

থাক হেক্লিংবা, ভক্লিংবগী নাথম নজাংঙুনা সম ... থাংখাং চাইবা পুরম্প। শেইক্রবনি। অদুন সমাজ মরা চেংনদৎ মাসদগী চেংদ কপা পেং ... খরা লৈহন্দবা থাদে।

অ নীবা শেম্বা, অনৌবা হৌদোকপতনা হায়-বদি সৃষ্টি শক্তিতনা সমাজগী চাওখৎপগী, হিংনবগী মক্কনি। চিন্তা শক্তি, ভাবশক্তি অমসুং অনুভবশক্তি —অতমগী অপুনবগী অনৌবা সৃষ্টিতনা সমাজদা অনৌ-অনৌবা থরাই হাপ্প, পাক্কল পীনে।

অনৌবা সৃষ্টিগী মতাং অসিদা সমাজগা সমাজ ... জাতিগা অমসুং সংস্কৃতিগা লৈনবা মারগী ... চকত। "পুর্নাশ হাযবসি তুংগম ... মনং ... চগান, ... হুগা হিংবনা মাংলোমদতা চংশন-ছুন ... ন।"—মহাত্মা গান্ধি। চাওখৎপা অমসু ... মনা আসনি অমা নগ্রগা অমা ওইবা অ ... মী, সমাজ অমসুং জাতি খুদিংগী পুনাশিদা ওই ব। লেংদবা পুনসিনা প্রকৃতিগী জীব অতৈ-গীন। সমাজ নগ্রগা জাতিগী চাওখৎপাদি হৌখ্রবদা উকম ওইবগা অনৌবা সৃষ্টিগা চাশন-চুশিনবা মাংলামদা চর্শিন্নবদত্তা ওইগদবান। থাইদোক-হাজিন থাদনা, ক্রক ক্যাজন্ম। চৎপা মচৎত হন্দরক। 'ভাইটল' শক্তগী ... ক্রকপনি, স্বাভাবিক ওইনা চাউখৎনবগী যেৎবান। অদুনা জাতিগী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিনা কদাই কাইবা অনৌবা সৃষ্টিগী তম্ভা। চতনা পীবা ভম্বা চমদবগী মথক্ত জাতিগী তুংগী পুনশি নম্দুনা লৈ, জাতিগী সমাজগী ... চংনগী রাকম ...

অদু দ সংস্কৃত হাযবা অসি ক ... ওইবনা মাগী রাখম্ন মাগী অ ... সংকার বদা লৈরিবা প্রকৃতিবু মাগী মশগী পোকপদগী কোয়রজনকপা অমসুং কোয় তানশিনবা মশা-মশাগী হৈনজবা, খঙবনচিবগী প্রভাব কয়ানা নৈবক্যগী মতৈ ওইনা, অর্থ কনবা মহম অমসু মাগুগী মতু কয়া চৎলকপা মচৎ অদুনা মী নী মশাগী পুনাশ ম রনম্ম ওইবিব—হদু ইখ ..না। সংস্কৃত কোবা যাগান। অদুনা সংস্কৃত হাযব দ মী অমগীসু, সমাজ অমসুং জাতিগীসু পুনাশ মবেন অদুন। মীওইবনা মাগী মাগী নীতিজ্ঞান ধর্ম্ম জ্ঞান, শাজবা হৈনবা অসিনচংবগী মতুং ইন্না পুর্নাশ লেপ্পবি, মাসনি মাগী সংস্কৃত হায়বাদ। জাতি অমসুং, সমাজ অমসুং মী কাংলুপ্পা মাসিগী সংস্কৃতিসু সমাজ অদুগী পুন্সি মবেন অদুমক্কি, সমাজ অদুনা অপুনবা পুনশি লেপ্পনবগীদমক হৌদাকপা। থবকশিং অমসুং নীতিজ্ঞান ধর্ম্মজ্ঞান, অমসুং মাদুগী মতু ইন্না শাব-বষ্টনীবু উবা মচ, মীগা প্রকৃতিগী মাব, অমসুং মীন, প্রকৃতিব্ অর্থ তৌবা মাতৌ —অসিনি জাতিগী, সমাজগী সংস্কৃতিনি। কবি মপান ... ঐখোন ... চিঞ্জাক ওইনা। শিজান-নবনা লৈ ওইনা উবা ঙমদে। হিন্দুনা, থোইদার। বৈষ্ণবশিংনা তুলসী পাম্বিবু বৃন্দাদেবী, বৃন্দা মাতা কৌদুনা পূজা কৎনরি। অতোপ্পা জাতিদ দ মাসি উ-পাম্বি মচা অমা নত্তুনা অতৈ করিসু নত্তে। ঙা চাদবা ব ... দা। ঙা অসি নুং শনফম ওইবা ঞীন অম ন, মখোনা ... চাৎপা উবগ মথবাই শেকই, অদু অচাবা ক ... দনা চিঞ্জা রনা হাৎপদা হাপ্লে দ। অসুম্ন মীওইবনা প্রকৃতিবু, পাবেষ্টনীবু অর্থ ... গীনার। মাস ক ... অদুগী সংস্কৃতগী মনুং চনব ন।

তাইব নীগী শাখন্দ ভারতকি বিশেষ ওই ... ন দ ... ষদাক লেন্দা হা বগা, অভং ... দ অ কবা স্নেওবা হাযবা আসন।

ঈশ্বরবু দাবি তৌদবা বৌদ্ধ ধর্ম্ম, নিরাকার, নির্গুণ ব্রহ্মগী বৈদান্তিক ধর্ম্ম ঈশ্বরদা মপুংফানা আত্মা সমর্পণ তৌবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম, — মাপ্পদবা,

তিন্নদবা রাখল্লগী পুন্না অকিবা লৈতনা লৈখিন নবসিনি ভাবতকী সংস্কৃতি, মাসিদা লৈবিবা 'টলেবেসন' অসিনি ভাবতকি সংস্কৃতি। তিন্নদবা মান্নদবগী মনুংদা তিন্নবা অমত্তা ওইববু উবা, অমগী মৈগী যজ্ঞদা মযাম অংহুতি পীড়না মপান -নাইদনা পাকপা থম্মে ইবু হৌদোকপা—অসিনি ভাবতকি সংস্কৃতি। মাসিনি-ভাবতকি অভয়দান। অহুনা কবিগুরুনা,—

'একেব অনলে। বহুবে আহুতি দিযা
বিভেদ ভুলিল, জাগায তুলিল'
একটি বিবাট হিযা॥'

মীওইবগী বাংল্লা খন্না যাবা কবন্না রাখনগী ক্ষেত্রদা ভবতকি বাখন্না চংখিদবা যাওবাগে? কবন্না পুনশিগী 'ফেক'বু ভাবতনা তরাম-তবাম্না অনিবা লৈতনা লৌদবা যাওবাগে? আদিম-মানব জাতিগী চাওখত্তবা অপোবা বাখন্দগী পুংশ মবেন্দগী হৌবহুনা মথং মথং ক্রমঃবিকাশ তেংশত্নুনা থোইদোক্লা কল্পনা, 'সটল' ওইববা বাখং। থাক্তা কাখৎপা, মমৈদ মমৈদা আধ্যাত্মিক কি খম-থেংনা বাংবা 'আনন্দ'কি মহাও তংবা কাওবা হাইগৎপা চিন্তা, ভাব অমসুং অনুভব-কি মতোন ফাওবা কাবিবা অসিনি ভাবতকি ঐ, তত্ত্ব, ভাবতকি সংস্কৃত 'দশাবতার'গী অর্থবু মাসি নত্তবা? মাসিনি মতকি অভয়দান—

অতোনববু তুরুচদ, মবমদ মসি পুনাশগী 'ফেক' অমনি, নক্ষত্রবগী মহুত্তা নুংশিনা লৌশিনবা, শাক্ত বা হাবা এড় মাঙখিনবা, তত্ত্ববা অহুদগী চাখৎনবা নুংশিনা কোনশিনবা অসিনি ভাবতকি সংস্কৃতি। লিনন চিক্রগা হেক্তা শিবা অহুদা কিখিদং লনব পূজা তৌবা যাওব-বস্তু,—লিনন হাযবসি মন্ত্র পানবা কবিস্ত লৈতবা জীব অংনি—হাযবা খউনা খউনা,— লিনগী 'সিম্বালক' ওইবা লাই অমা হৌদোকতুনা, মখাযবু তোঙভানবা নত্তে, 'ক্রম মর্ত' হাযনা অকিবা লৈতনা কোনশিল্লি, লৌশিন্নি। ধর্ম্মগী রাখলদা খ্বাইদগী বাংবা থাক খংবা কংবা যাদবনা অনম অবাং নাইনা মথং মথ লৈবা থাক ওইনা লৌশিন্নি। পুন্নমকপু 'সিনথেটিক' ওইনা পুশিল্লকই। মাসিনি ভাবতকি অভয়দান। ভাগবদ্-গীতানা হাযবি:—

যো যো যাং যাং তনুং ভক্তঃ
শ্রদ্ধযার্চ্চিতুমিচ্ছতি।
তস্য তস্যাবলাং শ্রদ্ধাং
তামেব বিদধাম্যহম্॥

'একং সদ্বিপ্রাঃ বহুধা বদন্তি' হাযবা গীতাগী অমসুং বৈদিক বচন আসদা থোইদোক্লা সার্ব্ব-ভৌমিক ওইবা হিন্দু ধর্ম্মগী অংখাইবা রাকল্লি। অসি পুন্নমক অসিনি ঐখোবগী ভাবতকী সংস্কৃতি। শম্না হাযরবদা, খাইদোকপা তোঙভানবা পুন্নমক মাঙহন্দুনা মশা মনুংদা নুংশিনা কোনশিন্না অকিবা লৈতনা লৌশিন্দুনা খাইদাকপগী 'অস্তিত্ব' মাঙ-হনবা অসিনি ভারতকি সংস্কৃত। মাসিনি ভারতকী অভযদান। অহুনা কবি-গুরুনা হাযরি, —

"হেথায আর্য্য, হথা অনার্য্য
হেথায দ্রাবিড, চিন—
শক হুন দল পাঠান মোগল
এক দেহে হলো লীন

দিবে আর নিবে, মিলাবে মিলিবে
যাবে না ফিরে॥"

ভাবতকী সংস্কৃতগী অংখাইবা বাক্কম অমদি মীবু অরাংবা মকম পীবা হাযনি। পুন্নমকী মথক্তা ওাইবা মী (Above all is man ")। 'তৎ ত্বমসি' হাযবা বেদান্তনি অাল্লাইনা-চক্ত লশিং কাগী মমাংদা ভারতক উমংদা ঋষি কনাগী থম্মোইদা ফাডবদগী লাপ্তবন্না খোঞ্জেল

আসনা—ভারতকি নুংসিথাক শউম খুদিংদা তোংলহুনা। ঐখোয়গী থম্মোই খুদিংদা ভংহুনা থক থক লৈবর —হায়রি,—'নংস্থু মহাক্নি', মংনা নিংলবদি স্বর্গগী লাই ওইবা ভমগান, কবিগী নবোককি তিল ওইহুনা লৈব'ন? "হোৎনৌ খল্ল, হে তাইবং-মী নঙোন্দগী হেন্না চাউবা লৈএবনি"—অসিনি ঋষিশিংগী খোল্লাউসে। কথাদা অকিবা লৈতনা অস্থুক চাউবা রাকমবু হাপদোক্লম্মিবা। আসনি ভারতকি সংস্কৃতি। অসিনি ভারতকি 'অভ দান'।

"লৈচোই মরিক অমদা বিশ্ব সংসার ট্রগনি,
চগান উমংগী লৈবাং খুদিংদা স্বর্গগী অমরাপুর।
পানজগান অসামবু নংগী খুবাম মচা মনুংদা।
তানা অনন্তবু তেল্লবা মিকুপ মনুংদা।"—
ব্রেক।

গুরুদেব রবীন্দ্রনাথ তাগবি—
"সিন্ধুংবংগী লেমলনা মৌনব্রত তৌজবি
ইক থক্তি জীবনা থৌয়া যোয়া নিঙ্গ্রি,
আত্যামী—চেকানা নুংশিনা ঈশৈ শকচবি।
সমুদ্রগী মতা শান্তি, পৃথিবীগী নিনখোংবা
আত্যাগী ঈশৈ, মপুনি অমত্তা ভাইবা তাইবং-
মীপাক মহাক্তি॥

মাসিনা ভারতকী সংস্কৃতি।

সমাজ, সংস্কৃতিগী সাধারণ অর্থ অমসুং ভারতীয় সংস্কৃতিগী মরম—শর, খরা নৈনরবা মতুং অসিদা ঐখোয়গী মৈতৈ সমাজগী সংস্কৃতিগী মরমদা খজিক্তং পনবা নৈনবা মগাং চবনা রাগাম ভাংজনিংবা পংতা-তাবোইদ্র খাল্ল। মৈতৈগী নীতি-জ্ঞান, থৌনা, পুনশি মরম, পবিবেষ্টনীদা যেংবা মিৎযেং শম্পৎনা খল্লাস।

নীতিজ্ঞানঃ—মৈতৈগী থোইদাক্না রাংবা নীতি জ্ঞাননি। মিনস্থা চাংনদে হাবগ্রবাদ, যানগ্রবদি মাহুনা আইননি, পুনশিদা তৌদবা যাক্রবা মথৌনি শেলথুম পুথোক-পুশিন্দা দলিল চংদে, সাক্ষি থম্মদে। ভাংনাখিবা, যানখিবা রাকম্বা দলিলনি, সাক্ষিনি। কন গুম্বানা মকম অমদা ভাইহুনা লৈগতবু হাপ্রবদি খুদাংথিবা কথা থোক্লবস্থ হাপনখিবা অহু ভারা চৎলি। অপংবগী খুদম নত্তে, মিনস্থা বিবগী খুদাম, অরাংবা নীতিজ্ঞান লৈবগী রাকম্নি। থবক মচা, বাকম মচানী পুনশি মশক খঙনবনি। মসিনি মতম অমদা ওইবস্থা ঐখোয়গী পুনাশ মবেন। মসিনি ঐখোয়গী সংস্কৃতিগী শকক অমা।

বৃটিশনা পার্লিমেন্ট মতমদা মখোয়না লয়নবা কানু ওইবনা নী ভঙ্গন, ধর্মজ্ঞান থেংনাশিনহুনা ভম্মিবা মখৈ লন থুম তান শননবা ওবনিম্-পুনশগী আদর্শ অহু থাগথহুনা, শমবহুনা, লৈবয়ন চৎলোবনা তৌজিক ঐখোনা শাগী থাগা কুমথবগা মীবু ফাওবা মখোয়গী লন থুম অদোমদগী খল্লহুনা সমাজদা অরাংবা মকম পীনবি। 'কবপসন'না থল্লে, হাযনবি। অওইবমকস্থ থল্লবনি। অদুবু তেংথো-ঈশৈনা মাসি কোকপা যাবাই। আইনগী মতিকস্থ নস্তে। মবমদি, আইন-শেম্বা মীস্থ, আইন শিজিন্নবা মীস্থ, আইন অতুনা চৈথা পীগদবা মীস্থ কবপসনগী মখা পোনখিবনা। আধ্যাত্মিক পূজার ভৌতিক পূজানা নম্মৎখে, লাইবু হিংচাবনা অমরাপুরদগী তাগোরগথ, সাটানগী দিগ্বিজ তী খেৎ চৎ থিংবিনঙাই লৈথদবে।

অমত্ত ওইবা থৈ হাংবদ্—ঐখোয়গী হান্নগী সংস্কৃতিগী মতুং চনব নী ভজান শোগৎপা, আনৌবা মমল তৌদোকপা। মী অমসুং পোৎকি মমল পীবদা অনৌবা আদর্শ অমগী মতুং ইন্না পীনাদ্রবা মখৈদি ঐখোয়গী সমাজ অসি থিংবা যাদনা লৈখা তাগ্রগদ্রা হাবনা অকিবা পোকই।

থৌনা :—

[illegible] অমা ওইনা, [illegible] ওইনা [illegible] থৌনা [illegible] অবাংদ। মফম লৈবা [illegible] মখম [illegible] থংনবগী। [illegible] অহুম [illegible] মৈতৈগী অনীমক্কী মপু ওইবশিং। খেংকংজৈ, মুর, [illegible] মৈতৈগী থৌনা [illegible] মী অমদা [illegible] অমা। [illegible] থৌনা [illegible] অমা। [illegible] আদর্শ অসি [illegible] থি [illegible] ।

[illegible] অ [illegible] অপনগী [illegible] ।

[illegible] নঙনা [illegible] মৈতৈ [illegible] অ [illegible] থৌনগী [illegible] মাসিদো ঐখোয়গী সংস্কৃতি।

মৈতৈ অসি সংস্কৃতিদা কয়া রাংনা কারবনে হায়বা অহুদ বাখম অমা [illegible] মলেক [illegible] অসি পুন [illegible] ওইবা অসি [illegible] অমগা [illegible] অমদ পুনশিগী [illegible] মথৌ অমগ [illegible] লৈননা অমদ অচুম্বা পুনাশ মাবেল [illegible] মশা [illegible] মৈতৈ নত্তনা পৃথি [illegible] জাতিগী মবক্কা [illegible] মাস অচম্ব থোপাক মাতক নত্তে। মৈতৈনা [illegible] —খোংকজৈ, কাং, হিয়াং আন চুং [illegible] থ [illegible] নত্তনা পুনশিগী নরবা [illegible] —[illegible] থা, ঋতু, [illegible] অমা। [illegible] কৌব অমসুং [illegible] লেনগান [illegible] চুম্ব হবাও তয়াম [illegible] অম্সুপ লুনা পুনাশগী মপুংগী অর্থ পুথো। [illegible] পৃথিবীদা লৈরবান। (পুমমক্কী অর্থ শুগ ইন ইবা লাইবিক অমা ওইগনি। অধিবা লাইবিক্কগী [illegible] তুনা [illegible] শ্রী [illegible] ‘মৈতৈ [illegible]’— [illegible]) [illegible] ।

[illegible]

[illegible] মশামা পাম্ম, শামৈ। [illegible] ।

জাতিনা শাগনা সমশগে মৈতৈগী ওইবা মশগ্নান। মতম অমদি আইনষ্টাইনগুম্বা মী অমনা মাসা থগনা মাসিদা চাসবা অক্ষগী বিচাবগী, খন থেংনা লাকম অসি শান্দাকাববাদ পুাণবাদা 'ব্রিজ' নৃত্যখগান, মৈতৈগী খোপাক শুণগু উনবমগন। সংস্কৃতদা জাতিনা 'চেলেণ্ড' াক হ্নাকম খ্বনা অকবা হাখল খথ পাম্বা, হেনবা অসিমস্থ ঐখোবগী সংস্কৃতিন।

'কম্যুনিটি লাইফ'-না মাইতৈগী খোইদাক্লা নিংথিজবা মওনি। অমগা অমগা খোইদোরা মুংশিননা মতেং পানি। লৈকাই শিংলুপ, মোবেক-মৈোং শানগ্ন ম মতমদ ফৌজক ফাওবা অমগা অনা মাং পাংনবা শীনবা খৌশিন, অমস্থং নংগী মখাদা অমসং স্বাভাবিক মচাবস্তুনা থৌথুন পারিবব মাং আসনা ঐখোবগী 'কম্যু-নিটি লাইফ' কি নিংথিবা ওওং কোরেদোরা।

মণিপুর মতম পুম্নমক নিং শীগানবা লৈবাক ওইববম্থ মাসিদা সমাজ-বাদ চৎনম্থ। শেক্সপ্ৰ পানবগী ওৎ-লৈবা কাবগুম্বদ ভারত সবকাবনা হোৌজক কন্না পাবখৎলাক্লবা পদ্মাবতী রাজ লৈবা হাযবা আস মণিপুবদা চহী চাকযাগী মমাংদগী লৈবক্লবা চৎনবীনি। মাহু ঐখোয়না মুখৎখ্রে। মাসি পুম্নমক ঃখাবনা মাগা মাগগী মনুংদা মেংলকপা সংস্কৃতিগা মতৌনি।

অসিগী মথক্তা এবাগী কনা মথল মথস অমস্থং ঐখোবগী সমাজদা নুপাগী মফম হাযবদি নুপীবু লেংবা মৎপৎনাচবা বাগী সংস্কৃত পুম্নমক শুগাইনা ইবা তাবর্বদি অচোবা লাইবক অমা ওইগন। ঐখাদগী ফজেৎ-চাকচা, নৈ খানগী কনা অমস্থং ঐখোবগী নুপীশিংবু ওক্কবা াক্তন হায়না বাঙ্গালী অমনা চহী কথাগী মমাদ চৈ-থাংহুনা 'ভাবত বর্ষ' দা ফোংখিবা অহু জাতিগুস লাইনানা নাবরা মীগী মমিত্ৰা পোৎ পুয়মক নাপু ওইনবা উবগুম্বানি। মানা ফনা চৈথুনস্থ মীতৈগী কনা, মীতৈগী নুপা হেনবা পৃথবীনা খওনবি, খাগৎ-নরি। মাসিগী মবমদা মখা তানিংভাই—নোকে। অহুদা ঐখোয়গী নুপাবু—

"সধবা, বিধবা নাস্তি,

নাস্তি সতী পতিব্রতা॥" হায়না

পুন্নগা ওক্কবা শংদা চন্না লৈবা আস অরাবনি। মাস্থন্না মমাংদৈ মিস মেযোনা 'ম ডব ইণ্ডিয়া' ফোংহুনা ভাবতবাসীশিংবু, খোইদারা ভাবতাক নুপীশিংবু ওক্কদী াক্তন হাযনা চৈবদা, গান্ধীজীনা "She is a drain inspector's" হায়না পাইখম পীখি। অহুগী মতুংদা লাল লাজপতনা Mother India লোহুনা পাউখুম পীখি। বাঙ্গান মচা অসিগী অমোৎ অকাই হু দ্দাক খনদগী হন্না দনা মিৎয়েংগী হাযবদগী হেন্না ঃানিডাব লৈগ।

মচা ভাবত মতাদেবনা টমাগী মযমদা অদনা ওইনা নুপীগী বর্ণনা সীযু হাযবদা উমন পীখবা বর্ণনা অহুদগী মৈতৈ নুপীনা তাবদি লাইনথুনা হেন্দুম হেল্ল। মীতৈ নুপীনা ইমুং মনুংদগী মনু-মনেম, মচা-মরা পীজবা মতুংদা মশানা কোন্না চাজৈ। মপুবোইবনা চাদ্রিগী মমাংদা চাক চানদে। খাইদগী থেংনা তুম্নগা, খাইদগী হান্না হৌগৎতুনা মপু বাইবগী, অচস লমনগী সেবা নুংশি লুহৌনবগী থাক পাইখৎলি। মপু থাইনা নাংনা পুনসি মতাল লোমগে লাকিনি। অমন ইবা হাওদবা অমবাপস মীতৈ নুপীনা পাইচদে। নুপীবু ইন্দ্রিয়সেবাগী শান্নবাং ওইনা কাপওবদা লেপদে। সমাজদ নুপীগী অথাংবা মফম লে। চাইখৎলে হাযনা চঙথোকচনবা থাংচুপ তামদা সমাজদা মীতৈ নুপীগী লৈবিবা অবাংবা মফম লৈদম্নবা অমস্থং নুপীবু পোৎ ওইন লৌননমক্রবদি 'Female emancipation'-গী মক হনথি হাযবিবা Ibsen গী 'Doll's House' লেংলাম্নাই। ঐখোবগী নংস্কৃতি।

কবি সম্মেলনদা পীখিবা সভাপতিগী ভাষণ

শ্রীযেংখোইবা ভ গ্য সং

"সনামহী লাইনিং"

মৈতৈ কবিসিংনা মৈতৈ লাইনিংগী মবমদা মখন মখ.গী ৱারি সনামহী অমস্তুং পাখংবগী মবমদা ইবমই। ইতিহাসগী ৱাখন্দা থিনবদি অবেপ্পা চহি মতাং হাযবদা খৱ লাল্লবস্তু খৃষ্টগী চহি চা থবগী মমাংদা মণিপুরদা নিংথৌ কাংবা কৌবা অমা পোকখি, মাহাক্না কাংখল শিজিন্নবা হৌ-দোকখিবদগী মাগী মিংথোল অমা কাংখল,— অদুগা মহাবাণীনা মমিংনা তাবিনু কৌবমই। মাহাক্না ইহান হানবদা শাদানবা চংলুবদগী তাইবং পানবগী মপা অমা লইরেব, মাগী মমিং সনামহী কৌই হাযবা মঙান অসি থংখি। অহানবদা কবক্না শৌবদগী মঙান (light) অদু কংখিবগে হাযবাদু ৱারেং মচা সিদা সৈবেংনা ফোংজরি।

"সৈরেং"

কবিগী কাব্য কাংলোন্ কাংলকত্রি।
অসৈবগী সৈরেং সৈখন সল্লকত্রি॥
চান্না চহুম, ফিনা চিংপাৎথিদা পাল্লি।
ঙা থুম শিং পোৎ হোইরগা মখম্না লাক্লি॥
সিবগা পোৎ লোই-থিথাবা তৌনাদ্রে।
শাগৈ সল্লাই লাইযেক লাইখুৎ থাযদ্রে॥
পান্থোইবীগী হেল্লবা চেংলৌ মতৌ।
২সনাহন্না কৌদ্রি কৌক্রুদা ১পিতাম্বৌ॥
সিপি লৈমাগী মপাবি কাংবনি।
৩মক্রম ওইবী লৈমনা তারিনুনি॥
পুকনিং লীতিং নুংসি যাতিন্না।
তাইবং পারৈ ফানা লইরি চান্না॥
সেল্লোই কৌক্রে ৪সাবন নুংকানদা।
শমুখোং নাম্না নাম্মনা সাবনদা॥
সাদানলুবা ৱাবদগী ঈখৌ লাংবনা।
লাইজা ঈখোন লাক্নবি তা-নবা॥
খৌবাংবনা ইমম মমখি যেংখবদা।
অমম্বা মিৎযেংদা উখি অঙানবা॥

কাংবা নিংথৌনা ৱানা যেংথোকাখবদা, লুইবি পাম্বী অমগী মথক্তা শাৎলি লইবাংনা ঈশিংগী মতৌগুম ইঙৌ ঙৌনা শাৎলম্বা, লইৱাং অদুগী মনুংদগী খোইনা খোইহি পুহুনা পাইরিবা ঈরগা ঙক্লবা খৌৱাংলবা কাবুনা লইবাং চরোং হেক্লগা খোইহি চুপ্পবা হোৎনরি, অদুনু মনম মুংশিবদি ফংলগা খোইহিদি ফংদবদগী ঙক্লহুনা পোইমুসিংবু যেংলকলি।

(২)

"সৈরেং"

সাবন লইরি লইখোংদা, লইসু শাৎচরি,
খোঙমুসু ঙংজরি।

১। পিতাম্বৌ = পিপা অনিমক্কী তাবকপগী লৌফম ওইবা ঈশ্বর

২। সনাহন = অহানবা তাইবং পান্দা সন্দোকরকপা মী

৩। মকম = মহাক্কী মমিগী মশক ওইরবা ওইরবী

৪। সাবন = অকুৎপা লমদগী লৈতেম মান্নবা অতোংবা মকম

লইবিথও সাখয়া খোইম্ লাবা খাংনৌব।
খোইহিবুদি থিজবি।
খোইমু খে শ্রেম তারে কাংব। মিৎযেং হোংলমদে
করিনোদি খঙবি।
পাখৌ খোইমু অপিখক মুজা লইরি শিবুকনুং
করয়া খোইহি কংলি।
অরাম-খৌরাং চনলিব। চোকথা জাইমন হৌরিবা
কাংবা শুকনা খনজি ॥

চীং-পাৎখিদগী ফিজেৎ-ওইনরবী, হায়র্বদি—উনা-রানা, নাপীনা ফিজেৎ ওইরবী, কুচুনা সনা। ফুদোংবগুম লিংখিরবী, নিংথিজরবী মাগী কুচুগী মতানদি নোংথাং অচুগুম ললেবী, শন্নাংনা। তুংগান্দা চোইথবকপনা মুমদাং রাইরমদা অথাপ্পদা উবা চীংশাং নাপোমগুম শংবান্নবা, মোমোন নোকপা মীক্ষোক্সা নোংঙাল্লমদাইগী শজিক থেৎপা অতিংঙা নাম্না, চীনবান্না লইবাং থম্বাল লইঙাং পোমশাং-নবী কুচুনি, ওকশম মতা লুবনা নোংদোন লাইজা লিক্লা, কোবৌ হনবা মশেক্ক ফুদোংবগুম লুনা উন্নবী, রাঙাংনা লইরাংগী লইনম চুববী লৈমরেন তাক্লিমুনা মপুরোইবনা ছুংথিল চুপ্পা শাগানবা চৎখিবদগী হল্লক্কবদা মবুঙোগী খোঙ্গুল লিঙ্গুনা লাক্লগা মকমত্তুদা থুংলমই। মাহাক্কো অনিশুবা প্রকৃতিগুম্নমই।

মিৎচিনা খোই খোই সনা।নু চীনবান্না লইবাং থম্বালনু
মতমগী য়াহৌদোক লৈমনি।
চীংনুং টায়া খোঙ্গেন্নি, খোইহি খোংহোক মাইথোংনি
তাইথংম্না পলেম কৌজানংবী
শমলাং চীংসাং নাপোম্নি তা-ম্না উখিবা নাপোমনি।
মীনোক্সা শজিক হুনবনি।
কুচুনা নোংথাং লৈমনি, ফিজেৎনা চীং পাৎখিনি
লুবনা মোংদোন লাইজনি।
থবাকথক লইতেংনি ১ পিসিগ্রাই লমকেৎপী
পাখি লাকনি মতানি।
সনা পাম্বোম থবাকযেৎ নোম নোম নোম নোম শাজৎনি
হখি চক্কী শকহেলবীনি।
নৌজ-নৌবী তনৌবী মৈতৈ পলেম অচংবীনি
মৈতৈ লাইবক কহনবিনী।
থম্বাল লইঙাং খুয়ারেন কাংলপ তপ্পা থাংজন্
নুংসিববু—কৌজরি।

১পিসিগ্রাই—পি হায়র্বদ ইমাগী সিঙ্গরক্লবা লাই—অর্থ অমনা "খোম" হায়বনি।

ইবেম্মা তাম্বিশুনা লৈশিনলক্লগা খৌরাংবদগী অঙকপা মিংয়েং গ্রংলিবা মপুরোইবা কাংবা উরগা মোমোন নোকতুনা ঈশিং পুররক্লগা থরবা হায়জখি। ইবেম্মা কৌরবা।

ইশাবী মুংশি লইপুনবা লাইজ ঈখৌ লাংবর
নদাইরেম, তুইন্না খোংদারি।
পামু-মুংসি খোই-খোইবা মুংসি নকা তমকলি
লাইজ ঈখৌ লাংলসি।

নাশোন তাখিনি মতাগুম শউম কংখিনি নাওংগুম, চীং লেম্না সাল্লক্লবী ইবেম্মনা অমুম্না অনিরক অহুমলক কৌবাদস্থ—কাংবা তাখি'দ; উথক লোমদা লইরিদা পাইরিবা খোইমুদা য়েংতুনা ইঙক-ঙক্লা লইার। ইবেম্মনা নিংথৌগী মতৌহু উরগা অমুকস্থ হন্না কৌখি—পুকনিংদা চিঞ্রবা পোক্লহুনা হায়রি :—

"মুংসি নংবু তাদবর রাখল লাংদ থুবর
নদাইরেম য়াওয়া তাদবরা?"

কাংবনা মুংশিবীগী রা তাবদা উনা পরেংনা কিজেংনবা নিংখিবা—মপুং মরৈ কাবা পাবান্না কিজোন ওইবা, পাম্বোম অকনবতনা খুৎলাই ওইরবা, মপাম্বোম পাজলতনা খুহুম্না অমুক থাবদা ওখাকপা অপিকপা কইদি মকোক কাইরিবা ইবেম্মবু মুন্না য়েংখি অহুগা লইরিগী লইরাংদা অমুক য়েংখ—। কাংবানা ঙাইহাক মিৎকুপ্তুনা য়েংলুরগা হায়রকই :—

"মুজা মাইথোং উৎলি, লইরি লইরোং উরি
কনানা খোইমু—কনানা কাংবা
লইরিগী মুংসি লইনম্মী শানৌ মুংসি পংথবনি
কনানা পুরক্লি, কনানা হাপলি।

নিংথৌরেন কাংবান। পুরক্লিবা ঈশিং থকখিন্রে, অঙাওবগুম তুমিন্না মমিংতনা গ্রংলি······ ঙাইহাক য়েংলগা হায়রকই :—

পিকলবা খোইমু লইহি কংগ্রে।
তোল্লবা কাংবা কাংখুন তাগ্রে
লইরিগী লইহি লৈমগী মুংসি-হি
কনাদগী সিন্থরি—কনাগা মহিনো।
কাংবনা নিজরি—তাকপিও কনানো॥"
খোঞ্জেন অমনা পারি কাংবা ইপানি॥

ইবেম্মনা হন্না হন্না কৌবদস্থ—কাংবা-হু খুমখিদে, মচিন্দা মুরুম মুরুম সোল্লি। ইবেম্মা তাম্বিনুস্থ ইঙক ঙক্লা মতৌহু য়েংলমই। মতম অহুমক্তদা পামেল কাইদোং কংবদা চেকলানা মসা থুপ্পগুম সনামশেন্না সা-ওইবা, মচুমমেন্না, তুরিরুবা, নোংদোন য়াংবী খোংদাবা সনা খোমদোন তাউদলবনা নোংচুপ চাং মরুম লোম, পাংখিহুনা মসোং মমেন অভিয়াদা ঈচিংথানা তাহন্দুনা নোংলুম মরুম থুপলকলে। নোংপোক অভিয়া চিদাইদা মালেম লৈমনা অমম্বা কিজোল হোংলকলে। মতম অহুদা চাউরবা পাম্বা কইরেন অমনা চিঙ্গাকখিগদবগী লাকপদা লইরি পাম্বহুগী মনাক্তা চংলকখি। রাখল্লা মল্লবা কাংবা নিংথৌনা কই অহুবু উখিদে, মতম অহুদা কই উরগা মুংসা থিরবী ইবেম্মনা কাংবা নিংথৌদা থুদোংখিবা থোকলগদ্রা চিংনখি। ইবেম্মা তাম্বিমুনা মপুরোইববু কনগদবগীদমক পাম্বগী মমাংদা চংগ্রগা কইনা চাবা তারবস্থ, মপুরোইবা হিংহৌসমু মহাকপু চাগ্রসমু থল্লগা হায়রকই :—

"পলেম চুচু-অথুম্বা পাম্বা নংবু খৌরাংবর
পম্বোগী ঈবু খৌরাংবর?

পাক্লেম লইরিবি চংলকলো, পাম্মি চুচু—থরাবো
অরাম্বা-খোরাং কোকচরো।
পন্থৌ পুরিং ঙকচান্নরি নপুক তপ্পা চংলকউ
মনিল মাহা নাইগনু॥

রাসি হায়বরগা ইবেম্মনা চুচু উৎতুনা পাম্বা তম্না চাখবদা কইরেন অহু কোক খা নোনবা হুইগুম ত্যোরহুনা তু মগ্না মমিৎ উইথহুনা কুনখি। তারিনুনা তপ্পা চংগ্রগা পাম্বর্বু শিংশং নাললমই। নিংথৌ কাংবানা খুদক অহুদা মাহু উবগা লাউবকই "নুংসবী, ওম খবা শানি মাহাক্ত।" লৈমন খুমখি "নাক্ত পাক্নিনী" পাম্বনা উটথবহুন। "ছু ছু" হায়খি। কাংবনা কইবু নুঙ্গাও অমা পারুজনা ঙগদবগী চংলকপদা লৈমনা মখুৎ পাই-হুনা খামখি। পাম্বমা তাঙ্গা অহুদা তুমিন্না চৎলকখ্রে। লৈমনা হায়বকই :—

"মাম্বা চোংনা চৎলবব পাম্থৌ শাউরে খল্লবর ?
চৎলাক্কো অথৌবা॥"

কইনা হৈত্যো-ত্যোনা, লৈমগা কম্মিনবা, তৌরিবা মতৌ উবগা কাংবা অমুক হেন্না ঙক-খ্রহুনা, নুংশিথীবু মুন্না যেংখি, কইহুবু তামহুনা য়েজেমই, লইখি পাম্বিগী লইবাংদা খোইমুদা য়েচোমলগা হায়রকই "কমাম!" রাসি হায়বরগা কাংনা নিংথৌ অমম্বদা ইবেম্মবু হন্দোকললগা নায়ক্তা চেমসিনখ্রে। হুমিৎ তবেৎনিগী মতুংদা চাখা থকখা খংদনা চেনগ্রগা নোংপোক ইংখোন্দা সারঙ্গপানা শকচাখ :—

রাহুনা লইখ। ইবেম্মা তারেনুমু চাবা থকপা খংদনা মবুঙোগী মতুংদা ইল্লকখি। তরেৎনি হুবগী মতুংদা নিপাম্নিগী নোংঙানবদা নোংপোক ইংখোন্দা অহানবা শা মীওইবনা য়োকপা হৌখিকা মণ অমোম মণমাই লৈমনা মথম্নতা চংলক্লগা লাম্নবা কম্পগী মযাদা মখোম শিন্দুখি। মতম অহুদা ইবেম্মা তাবনু হু থুংলহুন। মণমাই লৈমবু নাম্লগা মপুযোইবগী মখাং পাযহুন। নুংঙাইনবা হোৎনবমই। কাংবা নিংথৌনা মণমাই লৈমগী মখোম থক্লগা জ্ঞান তাবকখি। ইবেম্মাবু যেংলগা হায়বকই "নুংসবী! তাইবংপাল সেম্বা মপা অম লইার।

মাহান্না ঐখোযগী হি-মাই পুন্নমক সন্দোকই। মাহাকপু সন্দোকপগী মহৎ হাহুনা "ঙম্নমহ" কৌনুাস। তমথরবা কইগী থমোইদা নুংসবা হি অহু লই। পেক্লবা মণ অনদা নুংশিবগী হি অহু লইবদগী চংসিল্লক্কুনা ইমাগী মতৌগুম মখোম ইল্লবি। মহৌনা, ময়াইনি সন্নামহনি। লেংলি পাল্লিবগী মপানি।" নিংথৌ-লৈমা অনিনা অম্মুনা রা-ঙাংনক্তিঙৈদা সারঙ্গপা কৌবা অমা চংলকখি। সারঙ্গপাদা পাউ অহু সন্দোক্রবা তাখিখি। মীওইবনা তাইবংপানগী মপা অমা লইন্নি হায়বাহু হুমিৎ অহুদগী খংনখি। মমম অহুদগী নিংথৌ অসিবু মপা খংই হায়বদগী পাখংবা খোনখি।

ঈশৈ

নুংসি-নুংসি তিল্লবনি নোংসা শাবা অমোমনি
খেংখ্রোং থম্বাম্ন শাৎপনি যাইবী হকচাং তিল্লবনি
কোবৌ মালেম সন্নবান যেৎওই সন্নবনি
খোইমু লইরাং পন্নবনি পক্লেম পন্থৌ কম্মিনবনি

নোংথাং নোংলুম উইদ্রেদো লাইজনা ঈরুত্তা তুমজেদো
নিংথম নুংসো লাংগুমনি, থাবল থাজ ময়বনি
অপাং-অসিং থংনবনি অমম অঙাল ফিরবনি
তনৌ তরেংবী লৈমনি, তকুপ-তরংবা নিংথৌনি
মণথাই লৈমা মণহান্বি লাইনিং নহন সারজপানি

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (কাছার ব্রাঞ্চ) কী সভাপতিগী ভাষণ—

শ্রীমহাংলেথম নীলধ্বজসিং

ইন ই মু প ওইবনা তিনবিরিবা মীয়াম থি নক ও দারু হক ইশয়ানডাই ওইববা ডাসং। সংপাঙ, প্রধান অ ানাচংবা ঃ—

 ি ত বব নুমিৎ অ'স ঐহ কী পুন্সিগী খোংথাংদা থোবদোক্লা নংাশংজানডাই ওইহনা লৈগনি। করিনা ঈজাতত নত্তন। ভারতকী অহৈ অশিংশিংনা ইকাই খুম্নবিবা ঈজ িগী নে য়বনিঙোই ওইবনা ঈবাৎ-চানডাই ওইবব। অহল লমন থিবিকী মাংদা ব্রা অমানিদং হংগৎচবগী মতাং অমা ফংজবা ঙসিনা ইহান হাযা নুমিৎনি। ফরবস্থ যত্রবস্থ ইমাক্লোম্না ঙাংজগনি, ইমালোনগীদমক ওইন । নব। মীতন্দা হাবজবান হ ৎবা রাখলদ॥ পুকনিংদা চনবা লেতন। পুক নংগী বাবু কো'দাকচবান—অয়ান-অহুই লৈরবস্থ ডাক গান থক্লে। ইশাদি স্কুল ওঝান। চৎনবী ওঝানি। স ি ত্যক নৎচ'দ। সা ৎ ত্যক অমা ওইনা মাওইবগী পুকনিংদা, পুক্ষিদা, অনৌবা ঈচেল, অনোবা মঙাল ফাও-হন্দুনা পুন্সি মহৈ যালহনবগী থৌনা ঐঙোন্দা লৈজ'দ। মবম অহুনা হক্ক ঐহ কপ নৌনা শেম্বা "মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ কাছাড় মণা"গী সভাপতিগী কম হাপ্লিবসে মতিক চাদবা মীওইদা মতিক চাওবা কমথোন পিবিহনা মতিক চাবা দগী পিবগুম্বনি। অহুমকপু মহৌশানা লৌশিং মৈরা কারকপা মরক্তা লৌশিং ময়াই ওইরপ থোকপা মীওইনা ফিরুবা করবদি পুন্সি মহৈ যানবনি হায়বা রাখলনা মাংওইনহনা মাতক চাওবা কম অসিবু মীহৌবগা লোইননা লৌসিংক্লে অমম্বং ঙম্বিবমথৈ হোৎনজহনা থবক পায়থোকপনা। চান্বি থক্লে।

মীতৈ লৈপাক, মীতৈগী ইতিহাস, মীতৈলোন, মীতৈ সাহিত্যগা মরী হৈরৈ লৈনদনা মীতৈ ইমা মণিপুর ইমা হায়বদা পুকনিংদা হেক্কতমক ঈথক তৌরকহনা মীওগা পী তাবনা চিংবাস চৎনবী রাখলদগী থোকপান হা'বদা খরা হেক্লিম্না হায়বা থোকলবস্থ যান্না হেক্লিনবনিদি হায়জনিংদে।

অওইবমক্তি মীতৈ মচা অমা ওইনা, মণিপুরী অমা ওইনা পোল্লগা লাইরিক লাইত্তু তম্লগা মণিপুরী লোন, মণিপুরী সাহিত্যগী মবমদা য়াম্না কুপ্না নত্রবস্তু চাওর ক্লা খংদবসে যাম্না ইকাইনিংঙাইনি, তমথিবনি। অসিগুম্বা তমথিবা, ইকাইনিঙাইসে মণিপুরগী মপান্দা লৈবা মণিপুরীশিংগী থোইদোক হেন্দোক্লা মণিপুরী ছাত্রশিংগী পুন্সিদা থোকঅরে। অসিগুম্বা থৌদোক অসিবু নোনা হৌরকালবা অভাংবশিং, নহারোলগী পুন্সিদা থোক্তনবা হায়দনা মাংথাবদা "আসাম বেঙ্গল মণিপুরী সোসাইটিগী" লুচংবশিংনা মণিপুরী লোন্না মণিপুরী অভাংশিংগী লাইরিক তম্নবগী হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং হোৎনজমনগী মহৈ যানবা ওমখিদে। তুংদা পৌবম অসে পাংথোকতবা যাদে হায়দনা অবেপ্পা ওইনা লেপ্পা "কাছাড নহা মথৌপকী" হোৎনজমনদগী চৎখিবা ইং কুমজা ১৯৫৬ দগী প্রাইমারী স্কুলদা মণিপুরী লোন্না মণিপুরী অভাংশংনা লাইরিক তম্বা ফংলে। মণিপুরগী মপান্দা মীতৈ লোন, মীতৈ সাহিত্যগী সেবা তৌবা ওম্নবগী থৌবং লাকলে। মতাং অসে মণিপুরগী মপান্দা লৈবা মণিপুরী ছাত্রশিংগী ইতিহাসদা ময়েক লান ইহুনা লৈরগনি। তৌইগুম্বসুং সরকারনা মতমচানা শিনবিরকতবনা প্রাইমারী স্কুলদগী মিডল স্কুলদা তাবগী মতাংদদি থৌরাং শিনবা য়ানা লৈরবস্তু শমদবা য়াখিদে। হৌজিকমক্তি সরকারনা মিডল স্কুলদা মণিপুরী লোন্না লাইরিক তম্বা যাবগী মওং শিনবিগনি হায়দনা ৱাহৈদমক নিংশিংবিরি। থবক চত্থনবগী তশেংবা ফীবেপকী ৱা ভাকপিদবি। অহুমকপু কাছাড়গী মণিপুরী সমাজনা থৌরাং নিংথিনা লাংলবদি মতাং অসিগী অৱাবস্তু শোযদনমক্কী কোক্তনি হায়দনা খল্লে।

অমবা তাংকমদি হাইস্কুল স্কুলদা করম্বা মীডিয়ামদা তমগদৌবনো অসিনি। মিডল স্কুলগী তুংদা হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা মওং অনিদা লৈ - বদি মণিপুরগী মপানগী ছাত্র ছাত্রীদ মমাংঙৈদা লৈবম্বা ক্লিভমদগী থোয়না খুদোং থিবা ক্লিভমদা তাবা তারি। মণিপুরী মেজর ভার্ণাকুলার ওইত্রবদি পিকলিঙৈদগী হৌনা মণিপুরী ছাত্র-ছাত্রী খিবিরা মহৌশা ওইনবা হোৎনরকপদস্তু হোৎনবতনা অহুম্না হৌনশা ওইরবা, মুংশিৎ মুংশা মরাংকাইনা ফংদবা, মতম শাংনা পাল্লবস্তু হৈজিংকাদবা হৈরাংগী ক্লিভমদা লৈবদগী হেন্দোকতুনা মতম শাংনা পানবমকপু মণিপুরী ছাত্র-ছাত্রীশিংদা লুনা থোকলগনি। মবম অহুনা হাইস্কুল স্কুলদা মণিপুরী মেজর ভার্ণাকুলার' ওবদ ক্রেখাংগী থবক মহৈ যানবা, মপুং ফাবা লৈবে। চ মিন্নবা হাওই হাযবা ইপা-ইপুগী পাওরবী অসে চিথান্দা হৌনবী ওইনা যাংলবস্তু মীওইবগী সমাজদা চৎনবী ওইনা চৎনদরি তৌইগুম্বসু পুামল্লবা যাংঙ হাববা য়াকম অসিদদি যেৎননিঙাই থোযনা লৈতরে। মণিপুরগী ছাত্র-ছাত্রী খিবিকতদি মণিপুরী মেজর ভার্ণাকুলার ওইদবা পোৎলুম অসে পুন্না পুমিল্লগদৌবনি তৌইগুম্বসুং মণিপুরগী মপান্দা লৈবা মণিপুরী ছাত্র-ছাত্রীগীদ নাইতোম ওইনা অনৌবা মওংদা পুবা তারি। মরম অহুনা মণিপুরগী লৌশিং চাওবা,মণিপুরী লোন লোনবা অভাংশিংবু মুংশিবিবা ইবুঙো ঈবেম্মা, ওঝাসিংদা 'মণিপুরী মেজর ভার্ণাকুলার' ওঈনবা পুকানং চংনা হোৎনবিবা নিজরী।

য়াকম অমনি—মতম হৌথ্রে, মনা ফংলোয, শোন্নিঙাঈ ওঈরোঈ, থাক অচৌবদা কারোয হাথবা খংলবস্তু ঈমালোনগী থৌগলদি মহাক মহাক্লা ওমজবা মওংদা তৌকম থোকঈ—হায়বসিদি পুন্সিগী তৌগদবা থৌদাং অমনি হায়দনা

লোকম থোকই। তশেংবমক্তি হোৎনজমনগী, নিংজমনগী খবদং ওইববস্মু শোযদনমক্কী মহৈ ফংগান হাযবসিদি অবেপ্পনি।

অবোইবদা কাছাড়গী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ওইনা, মণিপুরগী মপান্দা লৈবা মণিপুরী সমাজগী ওইনা খাইবু নোল্লুক্না থুরমজবি অমস্নুং "মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ" অসি নোংম নোংমগী চাওখৎলকতুনা মণিপুরী ত্রৈখোগী থ স্মাদা থৌনা, থাম্মোমদা পাঙ্গল পনতুনা লৌশিং মৈবা মকালাম্বা হাদনা তইবংপাল মপু ঈশ্বরগী খুযাখাদা হন্না হন্না নিজনা। ইহৌ—

মণিপুর সাহিত্য পরিষদ (নগাওঁ ব্রাঞ্চ) কী সভাপতিগী ভাষণ

শ্রীটৈপ্পা সিং

ইকাই খুম্নবগী মশক ওইববা সভাপতি ১স্নুং সাহিত্য পরিষদকি প্রতিনিধীনা-চিংবা সাহিত্য প্রেমিক পুন্নমক।

ঙসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা লাইমক থীবরা মপান্দা মতম কইনা লৈরম্বা মৈতৈ অপুন্বা কছাবদা মীলাঙ্গ গ্রান নাগাওঁ জলদা শিলং কুনথা, নেপুরাদা শিবসাগরদা, গৌহাটিদা, ঢাকা ত্রিপুরা, বর্মা নাচংবা মৈতৈ—অপুন্বা, পরিষদকী মনুং চন্দুনা মৈতৈ পুন্নমক মমং ওইহন। পূকচেল অমত্তা ওইরগা মওং ওইনা পুনশিনবীরকইবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী খোঙ্গিনবীগা পোমকসিনু ঐনা পূর্ণাং হৃদয়ং অমত্তা ওইনা কৃতজ্ঞতা অমস্নুং অভিনন্দন খংহনজরী—।

হন্দক সাহিত্য পরিষদনা থৌবাংবীহুনা সাহিত্য প্রেমিক পুন্নমক্কা উনজহুনা মৈতৈগী জাতীর সভ্যতা পুখোকপিনবগীতমক মশা মশাগী স্বার্থ পুম্বা থাদোকলবা সাহিত্য প্রেমিকশিংগী মরক্তা তোল্লবা ঐস্নু তিনজকরবা ফংজবসি ঐগী পূর্ব্ব সংস্কার করবনা ওইবনি।

সাহিত্যগী মরমদা পূর্ব্ব বক্তাশিংনা শন্দোক্না হাইবীগ্রবগী মতুংদা কবিস্নু খংজদ্রবা ঐনা অমুক মতম মাংলবা কার থোইদোকপা পাংথোকচবোইং অহুর অতোপ্পা হিরম খবদং হাইভাগে কবিগুম্বা সাহিত্য পরিষদগী মনুংদা মতৌ খাজর ওইজ-ববাস্নু লৌরীগান হাযনা আশা তৌজে।

মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা মৈতৈময়াম অসি নিংথৌখান অমমমগী হাক্তক্তা লাক্লেনখিবনি হাযনা লাইগুক শংনা হাযনবা তাজে। অদুবু চহি চামা চামরোম হন্না কুইনা লৈরবনি। মণিপুর মণুংদা লৈবীবা মৈতৈদি ঐগী ইমা লৈপাক মণিপুরদা লৈবানন থবক থৌবম খুদিংমক্তা নংক্না ডম্মি। অদুগা মপানগী মৈতৈদি অদুগী মও যৌগদবা যান্না বাংলা। কবিনা ঐখোই মপানগী মৈতৈদি অতোপ্পা বিজ্ঞানগী মখা পোন্না লৈবনি থবক খুদিংমক—সমাজিক, বাজ নৈতিক অমসুং অর্থ নিতিকচবা হিংমু খুদংগু। মাগী মীখা পাখ্রনি। মাগী মখাদা লৈববদি কমক সুবিধা অসুবিধা ওইবাগ হাযবদা মদায়া অদুমক খনবীবা যাগনি। অদুগুম্মু মথক্তা ঐখোয় মাপানগী মৈতৈ অসি অসেংবা পুন্না লৈবা নগুবনিনা পাংগন থোকা থোক্নগী সুবধা লৈজদে। তৌজিক গনতন্ত্র যুগ অসিদা মেজরিটীন থবক পুরবনি অদুনা ঐখোয মপানগী মৈতৈদি, কছাডদা খব আসাম নাগাওদা খরা শিবসাববদা খবা গৌহাটীদা খবা মচোই মচোই লৈবদগী পুকচেলসু মচোই মচাই ওইনা তৌনৈ। মাদুমকপু করি করম তৌরগা ঐখোয মপানগী মৈতৈ অসি অমত্তা ওইবা যাগদগে হাযনা পুকচেল চাওবা মকপ মপাংশিংগী মতেংদগী ১৯৫৯ দা মণিপুরী এসোসিযেসন হাযনা মিংথোন্দুনা মৈতৈগী খোল্লাও অমত্তা ওঙবা যানবা হাযদুনা লিংখৎচৈ। অদুগীসু মথক্তা মৈতৈ লোন্দা মধ্যমিক শিক্ষা লাভ ওইনবগীদমক মৈতৈ মচা লৈবা স্কুল খুদিংমকতা মৈতৈলোন তমহন্নবা থৌরাংজরি। মসি পুন্নমক্তী থদম অমদি আসামদ ভাষা ভাষা আন্দোলনগীদমক তৌনবা কুরুক্ষেত্র লানফম অসি মিপুম পুন্নমকনা উবিরবনি অমসুং তাবিরবনি। আসামী বাঙ্গালী বাঙ্গদিক ভাষাগী তান্দব নৃত্য অসিগী মনুংদা আসামদা লৈবীবা মৈতৈ পুন্নমন্না ওইখিবা অবস্থা কাছাবদা মীশক্ক শনি নগাওদা লিশিং ৩০, শিবশাগব গৌহাটীনাচবদা লৈববা মৈতৈ অপুন্বা আসামীদা মিং ওইশিন্না বাঙ্গালীদা মিং ওইশিবা হাযনা মতম অদুদা মীবৈবাক্তা তাংজ-াবা মৈতৈ ঐখোয অবাবদা খইন্না। মব৯ অদুদা মমাংডৈগী পুৱানগী বাযম অমা • শংকৈ, মহ ভাবততা ভিস্মন ছুর্য্যাম্নগী মচ চকন হাত্তিকলগী লক পাগুন মংনু মথবাই• হানা। নিংজগ্রবা অদুগী মথ৹ খুংনাই থাখ অর্যাপন মহ বাজগী মীচং ওঈ ব। অদুংগ্ন হন্দক সমদ লৈবীবা মৈতৈ ঐখোয পুন্নমক আসামদা লেব ননা আসামীগী মচেং চাববানা ঐখোযসু আসামদা সমর্থণ তৌবা হাযবদুনি হাযনা পুন্নমন্না হানখ।

হন্দক মণিপুরী সাহিত্য পরিষদগী থৌবাংবীনা সাহিত্য প্রেমিকশিংবু ঐনা ঐগী হোজই নাগাওগী প্রতিনিধী অমা ওইনা হন্না হন্না ধন্যবাদ তৌজৈ কবিনা হন্দক মপানগী মৈতৈবু নিংশিংবীদুনা মণিপুরী সাহিত্য সাভাগী উদ্দেশ্যগী মবমদ অমসুং হিবমদা খংহনবীবকপা অসি মতম কুইনা মপি লৈজদ্রবা যন্নাওবু মখন্না অমুক থিবকতুনা ফংবীববে হাযনা রাখল তৌজৈ।

মতাং অসিদা সভাগী চবন্দগী বিদায লৌজবে। ইতি—

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ

২৬ শুবা চহীগী অধিবেশন

(জেনরেল সেক্রেটরীগী রিপোর্ট)

শ্রীনীলবীর শর্ম্মা

থোইদোক্লা ইকাই খুম্নিজাই মশক ওইববা প্রধান অতিথি। সভাপতি। অমদি তিনবিবিবা সাহিত্য প্রেমীশিং। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী থবক পুজো হাযনা শিন্নবিবস্থা ওসি চহী অমা কাখ্রে। কুমশি অসি পরিষদকী মপুন্সিদা ২৬ শুবা চহীনি। চহী অসিগী মনুংদা পরিষদকী কার্য্যকরী সমিতিনা ওয়েনখৈ হোৎনজহুন মরাম্না শিন্ন বরস্থা থোদা পাঙথোকরবা হোৎনজে। ঐখোযগী ঈ।ঙ্গল অমস্থুং ইংথোনা বাংলনা পাংথোকপা মেহৌদবস্থু কেঙ্গাইন। কুমশি চহী আসদা রেজিষ্ট্রেশন এক্টকী মতু ইন্না "পরিষদ রেজিষ্টর" তৌরে। পরিষদনা যান্না বানা হোৎনজহুনা হৌখিবা ফেব্রুযারী থাদা নুমীৎ ১০ ন চুপ্পা বসন্ত উৎসব তৌখ। মসিদা "কবি সম্মেলন" তৌখি, "জগোই উৎখি" মরুওইনা "… … … …" তৌবা ওঝাশিংব মৈতৈলোন্দা। ঈশৈ নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা শকহঞ্জহুনা … ঈশৈ … বইনা খ… ইকাইবা অহু কেঙবা তোৎনখি। মাসগদমক … খচ লুপা ১,০০০ বোম প্রজা… নিজখ। মযাম্না হরাও হনাওনা নিকন। খুদংদা … … পরিষদনা কালেজগী পাঠ্যপুস্তক ফোঙহুন অরাংবা থাকী … অবাৎপা মং… । … চহীদা "থঙ্গৎপা … " কোবা লাইরিক অমা … । … গৌহাটি বিশ্ব… প্রহৃলাদভাস তগী পাঠ ওইনা … মণিপুরী … মতম কুইনা … লেপবা আশা অমা মপানগী মণিপুরী শংবু … অসিনি। কুমশি চহীদা পরিষদনা মা অঙন্না শাবা "সাংস্কৃতিক প্রতিনিধি মণ্ডল" অমা আসামগী মৈতৈ লৈবা লফমশিংদা থাখ। হাযববা প্রতিনিধি মণ্ডল অসিনা হোজাই, লখীপুর, জাত্রিবোন অমস্থুং শিলচরদা পাব্লিক মিটিং তৌরনা মৈতৈ লৈমাগী মপাও তমন্নুই। হোজাই অমস্থুং কাছারদা "পরিষদকী ব্রাঞ্চ" শেম্লম্মী। মহুগী মহুম ওইনা ওসস অসদা মপানগী ইচন ইনাওশিং উবা ফংলি। পরিষদকী আশাদি ত্রিপুরা অমস্থুং বর্মা থৌবান। অরাবাদ শেলগী কিন্তম্না প্রতিনিধিশিংগী খোঙচৎ কাছারদা থম্বা তাখি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা মণিপুরগী খ্বাইদগী ফবা লেখক অমদা সনাগী মেডল অমা পীজে। মসি "… সুন্দর … মেডেল" … কৌহুনা নাঙ্গাথ্রব। য … বাবুগী মিংদা মচা নুপা শ্রী … শেখর গুহনা পী… । … চহী অহুম খুদংগী পাগদবান ম…গী থোবাং পরিষদনা তৌই

তৌখ্রব অধিবেশনগী রাবেপ মতু ইন্না মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসন অমস্থুং ভারত সরকারদা "মৈতৈগী অরিবা … " … অমস্থুং খোমাজন্নবা চহীগী লুপা ১৫,০০০ পন্থ হায়রম হাংজখি। … দগী মরীদা খন্ননবা পরিষদকী চহী অহুমগী ওদৎ তৌববা একাডেমি অমস্থুং … ষ্টেশন নম্বর … হাযনা। মদি লৈনবা ওথোবাটজ হাবিবিবকহ। মহু মতম চানা … পরিষদকী গ্রান্ট পানবা খন্নবিবগনি আশা তৌই। মশানম্থু পীক্কম থোকপনা।

"পরিষদকী প্রেটকী" মরিদা দরখাস্ত থাজরে। মসিগী মরিদা শেটলমেণ্ট ওফিসাবগা উন্নরুরে। পুক্লিং থৌগৎপা ব্লাহৈদি হায়বিধক্তে অহুমকপু কংগনিদি আশা তৌই।

"পরিষদকী বিল্ডিং"গী মরিদা ভারত সরকারনা বিল্ডিং গ্রাণ্টকী স্কীমগী মতুং ইন্না গ্রাণ্টকী ব্লাফম খল্লনবা স্কীম তানবিরকই পরিষদনা লুপা ৫০,০০০ গী স্কীম পীজখি। মসিগী তঙ্খায অমা ভারত সরকারনা পীবিয়্, তঙ্খায় অমনা পরিষদনা পুথোকচগে হায়খি। মণিপুর প্রশাসন্না বিকমেণ্ড তৌবিবমগনি অমসুং ভারত সরকারনা পীবিবক্কি আশা তৌই। পরিষদনা কম্পাইল তৌদুনা হাইস্কুর সেকেণ্ডরীগী মণিপুরী "ব্লু রেং" অমসুং "শৈরেং গী" লাইরিক থাগৎখ্রে। মতুনা মহৈ য়াল্লবদি পরিষদকী ইনকম ওইবদা নত্তনা সাহিত্যগী সেবা অমসু ওইগনি। পরিষদনা বি, এদা "মণিপুরী সবজেক্ট" অমা ওইনা থমনবা হোৎনরি। পরিষদনা পাযখৎচবন্বা অমসুং মতুংদা এডমিনিষ্ট্রেসন্না লৌশিনখিবা মেজর ভার্ণকুলারগা থবক্কি থৌবাং কনা য়াম্না লোইশিনখ্রে হায়না উজে।

পরিষদনা চৎকদবা লম্বী অসি য়াম্না শংই ঐখোয চৎপা তৌদ্রি। মচীন মৈ মুবদমক হৌরি। অচৌবা দলালনা মীবৈবাকী সাহিত্য মন্দির ওইখ্রে। অহুবু অরাবদি ইজাতিগী সাহিত্য ম'ন্দবদি কদায় ? উনাগী খাংপোকশং ফাওবা লৈত্রে। মণিপুরী সাহিত্য লাইরেরীনা মাগী পাইজন সেগা তাংলি। ডসিনা অমদা, হন্নেনা অমদা; মীরা মীশা তায; মাগী অখবা মিৎহেং খাউই। ইমাবু নুংশিরবা ইচন ইনাওশা! খল্লবদা পী তাগদোই চঠী কুন্তকক শুববা পরিষদনা য়ুমদাংভুনা হিংলে। মৈতৈ ইপা ইপুনা মণি মুক্তাগুম মমল য়াম্নবা লাইবিক লাইশু মাশং খডদনা থম্বীরম্মু। অচুবু অরাবদি খুত্রক্কী লাইরবা পণ্ডিতশিংগী তাপুদা শুম-তাও চান্নুনা কল্লি আবরা সাহিত্যনা। ইমাবু মীমান্নহনাস হায়রবদি সেংশিনবিবকউ ইচিন ইনাওশা! সাহিত্য পরিষদ কনাগীসু নত্তে। মমাদি, মমানিংবা মচাগী ওইবা মহৌশানি। অপীক অচৌ খাযদে। লাইব ইনাক খুনবা লৈতে। ইমাগীদমক পী তাগদবা; ইমাগীদমক হুমাং তাগদবা; ইমাগীদমক ঈ কৎকদবা; ইমাগীদমক থরাই থাগদবা অচুগুম্বা মী কনা লৈবগে ? পরিষদতা মমানিংবা মচাগী মক্কম য়াম্না রাংনা লৈ। অচাওবম কান্দবা, মশাগী ওইজবা থারবা, মিংচৎতা পুক্লিং হাপ্তবা, মহাক অচুতনা পরিষদ কনবা ডমগনি। ঐখোয়না পরিষদ কনবা তারবদি কবি কমলগী খোন্থাংদা ঐখোয়না হাযবা তাই—

হে লৈবাক মচা মাতৃসেবক!
স্বার্থত্যাগকী শিদহিদাক,
থাবিয়ু মন্দিবগী অকোঈবদা
পুনাশবা পাম্নবদি মৈতৈ চনুগী।

অরোইবদ কার্য্যকরী সমিতিগী মেম্বরশিংবু থাগৎনিঙাইনি। য়ামত্রবসু চঠী অসিগী মনুংদা পাংথোকখিবা থবকাসিদা মানা মানা ভস্বা শরুক য়ানখি। অসিগা লোইননা ঐখোয়দা থৌদা পীবিরমন্থুনা ইমাগী সেবা খরদং তৌনবা তাঙ্গা পীবিরম্বা মরূপ মপাংশিংবু থাগৎচরি। ঐখোয়না পাঙথোকপা ডমহৌদবা ইথৌগী দমক্তি ডাকপীগনি আশা তৌজৈ। খুরুমজরি—

২৫ শুবা চহীগী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী অধিবেশনদা পিখিবা সভাপতিগী ভাষণ

শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা

তাইবং পানবগী সাহিত্য অহানবা।

তাইবংপানবগী মনুংদা সাহিত্য অহানবা অহুমনি, মাহুদি বেদ, চীনগী শুকিং অমসু পার্শিয়ানগী গাথা মাহু হাঙ্গৈত্রগ। অবঁন্তা অহুম অসিনি। মহৈগীদমক্তদা অরাবা খংদবা ইউরোপিয়ানসীংন হাঙ্গৈপ্রবা লাইবিক অহুম অসিবু পোৎথাবা লৈতনা নৈনখবে। লাইরিক অহুম অসিগীদমক মপান্নাইত্রবা লনতিংহুনা টীকা, টীপ্পনী, ভাষ্য, ব্যাখ্য। মযাম তৌখরে। মাহুম্না রাহৈ খুঁদংগী তুলনামূলক দৈব র্গবজ্ঞান অমসু ভাষাবিজ্ঞান কৌবা অনৌবা শাস্ত্রসু তাইবংপান্দ নৌনা ফোংদোকখবে।

তাইবংপানবগী পণ্ডিত অযাম্বনা তাঈ, মাহুদি—হাঙ্গৈখিবা সাহিত্য অহুম অহুগী মনুংদা বেদনা ইশ্বাইমক্তগী হেন্না কুইবে। বেদপুস্বাগীমনুংদা ঋগ্‌বেদনা অহানবনি। মহাক্তি তাইবংপানবগী ক্রমিক বিকাশবহস্য খংনবগীদমক্ত। ঋগ্‌বেদনা খনিনি। মাহুম তাইবংপানবগী ইশ্বাইমক্তগী অহানবা বিজেতা আর্য্যসীংগী যুদ্ধবিদ্যা, ধর্ম্মকর্ম্ম, আচাব, বিচাব সভ্যতা, সংস্কৃতিগী ঋগ্‌বেদনা অভানবা থাউমৈনি।

তাইবংপানবা সেমগৎপগী অহানবদা নুমিৎনা ইশ্বাইমক্তগী ইহানহান্না থোকখিবা মক্সু তাইবংপানবগা অহানবা সাহিত্য ঋগ্‌বেদনা প্রত্নৌকস্—নুমিৎকী অহানবা থোককম অহানবা যুম্ফাল কৌই। মাহুদি, অসিনি,— "অনু প্রত্নস্থৌকসো হুবে তুবি প্রতি নরম্।
খং তে পূর্ব্বং পিতা হুবে—॥"

নুমিৎকী অহানবা থোককম য়ুমদগী ঈড়াৎপা খুদিঙদা চৎপা মীগী মঙংঙইবা ইন্দ্রবু মহৌশা তৌনবকপগী মতুংইন্না কৌরি, ঐখোইবু পোকপনা মাখোইগী থবক্তা—হোমতৌবদা মাবু কৌরমই। মহর্ষিবাল্মীকিনা মহাকী আদিকাব্য রামাযণদা প্রত্নৌকস্—থুম্ফালবু মিতৈলৈপাক মণিপুরনি, অসুম্না অক্ষরেখা অমসু দ্রাঘিমাংশ পুথোকতুনা ত্যকই, মাহুদি,—

"উত্তরেণ পরিক্রম্য জম্বুদ্বীপং দিবাকরঃ
দৃশ্যো ভবতি ভূয়িষ্ঠং শিখরন্তন্মহোচ্চ য়ম্॥"

[রামায়ণ কিষ্কিন্ধ্যা, কাণ্ড]

নুমিৎনা উত্তরায়ণ লোয়্ইবদা সৌমনস চীঙগী মতোন্দা থোকপা উই। মাসি হাঙ্গৈরগা অমোকসু হা মাহুদি— "অয়ং সুদর্শনো দ্বীপঃ পুরো যস্য প্রকাশতে॥"

'সুদর্শন' দ্বীপ কৌখ্বা ভারতবর্ষ অসিনা সৌমনস চীঙদোনগী মনাক্তা লৈ, অর্থদি—সৌমনস কৌবা চীঙদোন অসি কর্করেখাগী মখাদা ভারতবর্ষগী নোংপোকথংবা লমখৈদা লৈ হাঙ্গৈবনি।

সমীক্ষা ;—

ঋগ্‌বেদনা হাঙ্গৈবা,—প্রস্তৌকস্ মুমিৎকী অহানবা থোককম য়ুম অহানবদু—ঋষি বাল্মীকিনা রামায়ণদা কর্ক.রখা মখাদা ভারতবর্ষগী অরোইবা সীমানাদা লৈবা "সৌমনস চীঙদোন অসিনি, হাঙ্গৈনা তাকলে।

মুমিৎনা অহানবা থোকপা হাঙ্গৈবগী অর্থদি,—সৌবজগৎ অসি অহানবদদি মৈ ভাক্তগী মকম ওইরমই, মতম অদুদা পৃথিবীনা মৈমুং অদুদা অচাকপা মৈতালগুম্না লৈবমই, মাসুম্না চহি কোটি কয়ামুক লৈরবা তুংদা মৈ মুৎখদুনা মৈগী মকমদা ঈসিংভাক্তা ভাইহৌরে, মতম অদুদা পৃথিবীনা মৈমুৎলবা মৈত.লগুম্না প্রলযগী ঈসিং মমুংদা লৈরমই।

মাসুম্না ঈসিং মমুংদা পৃথিবীনা লৈরম্বদগী চহি কোটি কযামুক হৌখ্রবদা ঈসিং অদু মথং মথং কংথবক্ত। মতম অদুদা পৃথিবীনা ঈসিং মমুংদগী অহানবা হেক থিংগৎলকপদা মুমিৎনা থোকতুনা লেবম্বা মকম্বু রামাযণনা বেদগী ব্যাখ্যা তৌদুনা হাঙ্গৈবা সৌমনস চীংদোন অসিনি হাঙ্গৈ। চীঙদোন অসিনা লৈবা মফমসু তাকলি, মাদুদি কর্কবেখাদা লৈবা ভারতকী নোংপোক থংবা অবোইবা সীমানানি, হাঙ্গৈ অদুনদি চিংনবা লৈতনা থংলে মাদুদি মিতৈলৈপাক মণিপুবগী নোংপোক থংবা লমখৈদা লৈবা "সোমরা" চীঙদোল অসিনি, মহাকপু বামাযণ যুগতা সৌমনস কৌবমই, বেদনা মাবু প্রস্তৌকস—মুমিৎকী অহানবা থোককম য়ুম অহানবা কৌই, মাদুগীদগী লৌদুনা হুজিকথাউবা "যুম্ফাল" কৌরিবা অসিনি, হুজিক্ত সোমবানা লমখৈ ওইনবা তম্বু মাঙোম্বা ইন্দ্র লৈ, হাঙ্গৈদুনা পুফল কৌনবে, মাসি সমুদ্র কংখ্রবদা যুম্ফাল চিংদোননা তমগী মিং ওইনবে।

বামাযণনা হাঙ্গৈবা সৌমনস চীঙদোন অসিবু মহাভারততা কৃষ্ণদ্বৈপাযন বেদব্যাসনা সূর্য্যোদয গিবি কৌই, সুর্যোদযগিরিনা কোইসিনলিবা তম্পাক অসিবু—থোইদৌগী চিহ্ন লৈ, হাঙ্গৈদুনা 'মণিপুর কৌই, অদুগা মাসিমসু হাঙ্গৈ, মাদুদি—অসিগুম্বা কংলৈ মণিপুর অসিদা মমাই মরিপানবা ব্রহ্মানা মহাক্কী মচন মবিদগী ঋগ্ যজুঃ সাম অমসু অথর্ব কৌবা বেদ মরিমক পুথোকাখ হাঙ্গৈ, মাদুদি—

(মহাভারত ভগবদযানসন্ধিপর্ব্ব, ১০৮ দা হাঙ্গৈ)

"যস্মামুদযতে পূর্ব্বং সর্ব্বলোকপ্রভাবনঃ।" মাসিনা হৌরগা—

"অত্র বেদান জগৌ পূর্ব্বং ভগবাল্লোকভবনঃ।"

মুমিৎকী অহানবা থোককম অসিদা ভগবান লোকভাবন—ব্রহ্মানা মচিন মরিদগী বেদ পুম্নমক পুথোকতুনা হুকখি।

মমুংগী প্রমাণ

মৈতৈলৈপাক্কী মপাম্দা লৈবা বেদ, রামায়ণ অমসু মহাভারতকী প্রমাণনা কংলৈ যুম্ফাল মণিপুরবু পৃথিবীগী অহানবা লৈপাকনি, সভ্যতাগী মাহমনা সাহিত্যগী অহানবা থোককমনি, হাঙ্গৈনা খরদং প্রমাণ তৌখরে। হুজিক্তি মিতৈলৈপাক মণিপুরদা লৈবাক্কী প্রমাণসু খরদং উৎলি।

মাপপুম্নগী প্রাচীন জাতি মিতৈ হায়বা মিং অসি, বেদনা মনাৎ ওইনবা জাতিগী মিংথৈনি। মাখোইগী খাদোক্লবা য়াত্রবা কৃষ্টি, সংস্কৃতিপুম্বা বৈদিকওাক্তনি। মিতৈসীংগী একমলাই হায়বাসি, থাজৈশেংবা বৈদিক ধর্ম্মনি। মখোইনা হূর্জক্তি উমংলাই কৌব্রবা দেবতাসীং অসি বৈদিকদেবতা ওাক্তনি। মাখোইগী মরু ওইবা উপাসনা পাদ্ধতিপুম্বা বৈদিক পদ্ধতিনি। মাখোইগী লোন ভাষা অসি বৈদিক ভাষাদগী থোকখিবনি। মাখোইগী মতম সিজন্নবা কাল বিভাগ বর্ষ, ঋতু, অয়ন, অমসু দিন-বিভাগপুম্বা বৈদিক ওাক্তনি, মাখোইগী উপাসনা পদ্ধতিপুম্বা বৈদিক পদ্ধতিনি। পুন্নমক আসগী মহুত্তা মিতৈগী প্রাচীন সাহিত্য অমাঅনিদং উৎতুনা মিতৈগী সংস্কৃতিপুম্বা বৈদিক সংস্কৃতিনি, হায়বগী প্রমাণ তৌরি।

মিতৈগী প্রাচীন সাহিত্য থরা।

মিতৈলোনদা সাহিত্যবু "লাইবিথ" কৌই। মহাক্তি লাইনা লিখ—ইরম্বা, "লাইবিক" হায়বনি, মাতুদি বেদবু লাইবিক কৌই, অতুনা বেদানুগত ওইবা শাস্ত্রবুসু বেদগী মশকনি, হায়তুনা মিতৈনা লাইবিক কৌই। মাসুম তৌতুনা সাহত্যবুসু লাইবিক হায়বগা থংনৈ।

নুমিৎ কাপ্পা

'নুমিৎকাপ্পা' কৌবা মিতৈগী লায়বিক অসি যাম্না কুইনবা, মিতৈগী—লিববা সাহিত্য মথল অমনি। লাইবিক অসি ঐথোক্তনা ছন্দিক মথল অতুম উই। লাইবিক অহুম অতু মাগী মরুদা অমত্ত ওইববাসু মপান্দদি মান্নাদবগুম উই। লাইবিক আসগী অর্থ খংনিংতুনা মহৈগীদমক হোৎনবদা হনবা লৈওনা ইউরোপিয়ান স্কলারসীংনা নৈনতুনা পেংবদা ছন্দিক ফাউবা মশক খংবা ঙমদাবি। খুদমগী দমক মিঃ হডসননা মাগী মৈথৈজমদা মিতৈ মযেক্কী নুমিৎকাপ্পগী লামাই অমা ফোটো লৌতুনা হাপই। অতুগা ইংলশ মাযকনা রাহৈপবেং, প'রং ইথোকই, মিতৈবোন অনৌবনা অমসু ইংলিনাসু অনুবাদ তৌই। তৌইগুম্বসুং মাহুপকম্না হোৎনতুনাসু নুমিৎ কাপ্পনা হায়িববা অর্থাদ ইউরোপিয়ান স্কোলাবসীংনা ছন্দিক ফাউবা খংবা ঙমদাবি। নুমিৎকাপ্পা মথল অতুমগী মনুংদা ইউরোপিয়ান স্কোলাব-সীংনা লৌখত্তবা মথল অনিগী রাক্ষম মতেক অমা লৌখৎতুনা যাম্না নিংথিনা মতাং অসিদা খুদম উথ্যাল।

১। নুমিৎকাপ্পাগী ব্রারী অমা।

খ্বাই নুংজেংবা পিবানা সগোন তোংতুনা কোইনা চৎতুনা তেলকাপ্পা তমই। নোংমদি মতুবু চযোম শেমহন্দুনা অহিংদা মারংশুন্দা এংখোং অঙানবদা সাদানগে হাইতুনা অহিং হৌগৎতুনা চৎখরে। অহিং মমৈদা নুমিৎ থোক্কদবগী চীওদোন্দা নুমিৎমডান থোবকপাবু মানা শা ওইরবোই নিংলে। নুমিৎনা খল্লে, নিপা অসিনা ঐবু শা ওইব'র,ই নিংলে। মাগী তেলনা থাগদৌবে, হায়না কিবতুনা নুমিৎ মাগা মাম্নবা মমি পুথোকলে। খ্বাই নুংজেংবনা সগোনথক্তা তোংতুনা তেল কাপকদৌববদা নুমিৎনা কিবতুনা কোইচেন চেল্লে। মাতুদা খ্বাই নুংজেংবনা সগোন তোংতুনা রাংনা চোংখৎতুনা তেলকাপ্প, মকম্বু রাংজিং কৌই। তেম্না নুমিত্তাম্ন পাইতুনা পানবা মকম্বু তেনথা কৌই, নুমিৎনা তেল অতু সত্তোবতুনা হন্দোরম্বা মকম্বু তেনথা কৌই তেল অতু তেকতুনা হন্দোরম্বা মকম্বু তেকচম কৌই, নুমিৎনা কিতুনা চেনখরে, ঈসিংদা চোংথাতুনা লুপখরে, ঈসিং পনথিংতুনা সিত্তোক্লে, নুমিৎ অসিনা হৈ ওইদুনা লৈরমলে, মকম অতুবু হৈরোক কৌই।

১। নুমিৎকাপ্পা মখল অমাগী ৱারি অমা।

মাহা মুংজেংবাপিবানা নুমিৎসি শাবনা খাংবা ওমদবে, হাৎতোকপগে হাইদুনা অহিংদা চযোম পুদুনা কাংখেল পাইদুনা চৎখরে, উখোংদা লুমদুনা লৈরে নুমিৎ থোবক্লে, রাতোন উতোন লোমলক্লে, মতম অদুদা নুমিত্তা তেলনা থারে। যোইমথাই তাওদনবা অসি লোটরেন খুম্বিরোক্তা তাখবে। লোকনুংদা লোৎতুনা লৈখরে। নুমিৎ থোরকুদুনা তাইবংপানবা অসি মমদুনা লৈখরে। মতম অদুদা নিংথৌ পেংবাতবানা নুমিৎ থিবদা লৌশুবী নুপী অমদা লৌকুবী নুপী অমনা হংলমই, অসিদা ডাল্লিব। অসি কনিনো ৭ হংবদা খুম্লমই, খাইনুংজেংবনা নুমিৎ কাপথেকতুনা মতম অসিদা তাদুনা লৈরে, অদুগী মওাল্লী। হায়দুনা ওাংনবম্বা তাবে। চকপা সলাংমাইবা কৌদুনা নুমিৎ কৌখোকহনলে। নুমিৎ খোবকট যাদরে। তম্বা রাঙমলোন খাবীলেংনৌমোম্বী কৌকদুনা নুমিৎ কৌখোকহনলে মিতৈ মাইবগা মোইরাং মাইবগা কৌকদুনা নুমিৎপু নহাইবগা শেংদোকলে, অদুদগী নুমিৎ থোকখি।

নুমিৎ কাপ্পাগী অশম্বা অর্থ।

মহাভারতকা চান্দম্ববা

(মহাভারত শান্তিপর্ব্ব)

নোংমগী নুমিত্তা যমদগ্নি মুনিনা-তেলকাপ্পা ওরাই, তেল অদু লোইরগা মতু রেণুকানা তেলসীং অদু খুদবগা মপুরোইবদা পী। মাস্তু তৌদুনা মুংশা মরক্তা তেল খনবা চৎপদা নুংশা রাবে। তেল অদু পুরা উকমদা ওহাক্তুং পোখাই। মুনিনা চৈরমগনি হায়না কিদুনা তেল পুদুনা লাকই। যমদগ্নিনা থিল্লি হায়দুনা সাওরে, রেণুকানা কিবদুনা হে স্বামিন। নুংসা সামন্দুনা খোওসু পোক্ল। লয়াইস্তু কায়গদোবদুনা ওহাক্তুং উকমদা পোথাকবে, সাওবিগনু, হায়জে। যমদাগ্নিনা সাওদুনা নুমিং অসি তেলনা কাপথুবগে—হায়দুনা তেল চিংলে, নুমিৎনা কিরদুনা মীওই ওইদুনা খাদগিদ্রা হায়জবে, প্রভো। নুমিৎনা পৃথিবীগী মহাও পুম্বা চিংখৎলগা নোংচুথতন্দুনা জীবপুম্বা যোকলিবনি। মাবু নহাক্না তেলনা থাদুনা থুগাইরবদি জীবজগন্তি চানিংতাই লৈতদুনা সৃষ্টি অসি মাংবা তারে। যমদগ্নিনা য়াদবে। নুমিৎনা হায়বে, প্রভো। অদু ওইরবদি নহাক্না তেল তম্নবদি নুমিত্তা পানলোই, নুমিত্তি তত্তনা চৎপনি। মাসিদগী অস্নুপ লাপনা চৎপদা মকম হোংদোকখিগনি পাল্লোই। যমদাগ্নিনা খুমই, হোংবেন নুমিৎ চপ যুংবা মতমদা ওাহাক্তুং লেপকনি, মাহুদা হেক থাগনি। মাদু তাবদা নুমিৎনা, অদুদি প্রভো ঐদি মাংবা তারে। ঐ নুমিৎনি, কনবিযু। মুননা হায়বে, অদু ওইরবদি ঐগী ব্রাহ্মণীগা মখোং সাবা, মকোক সাবা কোকহনলু। নুমিৎনা খোঙ্গূপ জোড়া অমগা ছাতিল অমগা মুনিদা কৎলে, প্রভো। খোঙ্গূপ অসি তোংলগা। ছাতিন অসি তুপলগা ঐগী অসাবা কোক্লমনু। মীওইবনা মাসি ব্রাহ্মণদা কৎলবদি পরলোক কংগবা মপামপুনা খনুং লৈপাকী অসাবকোকসনো। অসি হায়রদুনা খোঙ্গূপ, ছাতিল অসি হৌদোকখি।

নুমিৎকাপ্পাগী অর্থ

বেদনা তাকপা ধর্ম্ম তৌবা যাবা মতম খংনবগীদমক আর্য্যজাতিসীংনা নুমিত্তা তেলনা খিদুনা এংবাবু মিতৈবোন্দা "নুমিৎকাপ্পা" কৌই। নুমিত্তা তেল কাপতুনা খিবা মতম মত্তবদা থেকনা তাকপা

বর্ষ হোম তৌরবদি লক্ষ কোটি অমা তোয়বন্থ উৎতা যী দৈৰশুম মাংন-তাক্নবা কতবা ওই। সুমিত্তা তেল কাপতুনা অকবা মতম এন্থনা হোমদি অমোক্তা তৌরবন্থ মান্নুনা হেন্না কৈ, মরম অহুনা স্মৃতি শাস্ত্রনা হাঈ;—

"গণিতাদ্‌জ্ঞায়তেকালো যত্র তিষ্ঠন্তি দেবতা।

বরমেকাহুতিংকালে নাকালে লক্ষ-কোটয়ঃ॥"

বৈদিক যুগতা বেদতনা মাখোঈগী মনাং ওইবা মিতৈ আর্য্যসীংনা উত্তরায়ণ, দক্ষিণায়ণ যজ্ঞ তৌমবগীদমক, তেলনা সুমিত্তা খিন্দুনা (বেধ তৌহুনা) অথন এবাবু মৈতৈরোন্দা 'সুমিৎকাপ্পা' কৌই, ঐখোইনা মিতৈগী সুমিৎকাপ্পা মখল অনিথক লৌখৎখয়ে। মাহুনা হাঈরি, সুমিৎনা মখায়োম-দাগী অয়াং তান্না উত্তরায়ণদা কাখৎলকপদা থৌয়াম যৌবদা অমোক মখায়োমদা মমাই ওন্দুনা সুমিৎনা দক্ষিণায়ণ হৌই, হাঈবনি—মথংগী অনিস্সুবা সুমিৎকাপ্পা হাঈবনাবু সুমিৎনা মোইরাং যৌবদা অমোক হন্না দক্ষিণায়ণ হৌই, হাঈবনি। মাস্সুমা গনিতবিজ্ঞানগী মতাও যাওন্নবা বিচার অহুবু নৌববা কাব্যগী রাহৈনা ফজথ্রবা কাব্য ওইনা সুমিৎকাপ্পা হাঈহুনা লেংথোকলম্বা অসি উবদা ঐখোইনা মিতৈগী প্রাচীনকবিসীংদা কোকনোন্দবা ঙমদে।

ঋষিবাল্মীকিনা আদিকাব্য রামায়ণদা হাঈরমই, মাহুদি "পৃথিবীনা প্রলয়গী ইনুংবংদ" মকোক হেক লেংখৎলকপদা নু মৎনা মিতৈ লৈপাক্কী সোমরা চিংদোন্দা থোক্কই, অমসু মতম অহুদা দক্ষিণায়ণ হৌই, হাঈ, অহুগা হু জক্কী মতম অসিদানা মোইরংগী মখাদা কর্কটক্রান্তি লৈয়ে। মোইরাংনা অক্ষাংশ ২৪°। ৩০′ নি, থৌবালনা অক্ষাংশ ২৪°। ৩৮′ নি, মাস্সুম তৌহুনা সোমরা—উখ্রুলনা অক্ষাংশ ২৫°। ৫′। নি। মাসিদা বৈজ্ঞানিকভিত্তিদা গনিত তৌরগা মিতৈগী নুমিৎকাপ্পা অসি মিতৈকবিনা বিজ্ঞানগী নুংডুম অসিবু অমৃত ওইনা কাব্যদা লেংলম্বা অসি—চহি লীসিং কয়াসুরবা কবিতানে। ৭ হাঈবা হেক্তা খংগনি। মাসিদগী ঐখোইনা শেংনা হাঈবা ঙমই, হু জক্কী কালদা থা সাহুনা থরানমচাক সাহুনা অতিগাদা থোকহনজিবা পণ্ডিতসীংনা মিতৈনা মাখোইগী সাহিত্যসি সিজন্নাখিবসি উরবদি ঐখোইগী প্রাচীন কবিসীংদা মকোক নোন্দবা ঙম্নোই, হাঈবদা হাঈমম্বা খোক্লোই।

মহাভারতকী নুমিৎ কাপ্পাগী অর্থ

নুমিৎনা নোংপোক্তা লৈপাক নিংথৌ লৈপাকা সম্নবা মকমদা তখাইচন্না থোরকপা মতমদগী সবমযাগ হৌগনি, লৈতেম মান্নবা মকমদা চৈ অমা যুংলবদি, নুমিৎ থোকপদগীনা যুংবা কাউবদা চৈ অহুগী মমি অহু মথং মথং তেনসিনগনি, নুমিৎ হেক যুংবদগী চৈগী মমি অহু অমোক সাংদোকনি, অহু ওইরবদি নুমিৎযুংবা মতমদা মতম অমত্তদা তেনসিনবগা সাংদোকপগা চপমান্নবা তৌবা য়াদবনিদা মযেক্না তায়ে ওহাক্তং লেপই, মতম অহুবু নুমিৎযুংবা মধ্যাহ্ন কৌই। মাহুবু মহাভারতনা হাইরি, নুমিৎ হেক যুংবদা নুমিৎনা ওহাক্তং লেপজনি মতম অহুদা নুমিৎপু তেলনা হেক থাগনি, হাঈবনি। অহুক্তবা মতম অহুদা মী পুরুষক অচৎপাসু দেন্না হৌনৈ, থথক তৌবসু ওহাক্তং থাদোকনি, সবনযাগসু ওহাক্তং লেলকনি, মাসিনা বেদার্থ পুন্নামকপু ব্যাসদেবনা ব্যাখ্যা তৌই, মাহুন্না মথাং মতাং খুদিংদা মহাভারতনা বেদগী ব্যাখ্যা তৌই, অহুওইরবদি মিতৈগী সাহিত্যনা হাঈদিবা

পুন্নমক বেদব্যাসশুম্না ব্যাখ্যা তৌই, মিতৈগী প্রাচীন সাহিত্যনা বেদবু ব্যাখ্যা তৌই, সঙ্গদযঙ্গদয়গ্রাহি পণ্ডিৎসীংনা ব্যাস, বাল্মীকনা বেদব্যাখ্যা তৌবগা মিতৈশিদবুংসীংনা তৌরম্বাগা থামাহৌমা এঙন্নবগীদমক ঐনা খঙ্জক্তং লৌখৎতুনা উৎল্লি, ব্যাস, বাল্মীকিদগী মিতৈগী শিদবুংসীংনা বেদ হৈখিবদা খঙ্জিক্তম্নু তাদে, হাঙ্গীবা উনন্নবা অসিনি।

খোঙ্গ্লোংনুবী নোংগারোল।

মিতৈগী খোঙ্গ্লোংনুবী নোঙ্গারোল কৌবা মিতৈ প্রাচীন সাহিত্য অসি, মামা বেদবু ব্যাখ্যা তৌবদা রামায়ণ অমসু মহাভারত নত্তবদা তাইবংপানবদা মাশুঙ্গা অনিম্নুদবনি, হাঙ্গীবদা হাঙ্গীমন্নবা খোক্লোই। মহাক্লা বিজ্ঞানগী মুংসাইবাশুম্না মহাও য়াওজ্রবাবু মহাক্কী বচনা তৌবগী লাইতদা ওইগদবা শক্তিনা সঙ্গদযঙ্গদয়গ্রাহি ওইবা স্বর্গলোকতাসু তাংখরবা অমৃত খোঙ্গ্লোংনুবী নোঙ্গারোলদা হাপতুনা থম্নমই। মাবু পরিচয় তৌবদি ঐখোইবু থিকনেম্বনা থা কাগে তান্নবাশুম্বনি, অহুবু ঐখোইগী তৌকমথাকপা ওইবনা খঙ্জক্তং উৎনিংই।

খোঙ্গ্লোংনুবী নোঙ্গারোলগী ওয়াবী মতেক খঙ্জিক্তং উৎপা

থাইনা খোঙ্গ্লোংনুবী খোঙ্গনৌ মতা তককমন্না মুতিগী সোইফম্বদা ঙারৌবা চৎলি, নোংমাদি সোইকম্বসীংনা হাঙ্গরে, ঙসিদি ঙাচংদে, হয়েং সোঙ্গ কাইরগা লৌও, ঙসি অঙ্তিংদি লেকালা, হাঙ্গব। মাখোইনা খুমই, ঐখোইনা মীগী মযুমদা লেক্লবদি ইমা-ইপানা ওক্ত তঙ্গতুনা চৈরমগনি, ঐখোইবু চংহনলোই, তানখোক্কনি, লেকপা ঙমলোই, হাঙ্গবে। ঙা লৌবা লাল্লগা ঙা লৈতে হাঙ্গতুনা চৎখিবা হৌনদে, চৎখিবা যাদে, ঙসিতদি লেকউ। মাহু তাবদা ঐখোইবু ইপা ইমানা তানথাক্লবদি ঐখোই লাই লৈপাক্তা কাহুনা মাহুদা নখোইসু কামন্নাহুনা লৈমন্নাকসি হাঙ্গবে, নিপাসীংসু যারে, অহিং অহু সোইসংদা লেকলে।

নোংঙাল্লে ঙাপুহুনা খোঙ্গ্লোংনুবী খোঙ্গনৌ মতাতবেৎ মযুমদা হল্লকলে মপা, মবুংমপরান্না মীগী মযুমদা লেকলুরে হাঙ্গহুনা তাম্মোক্লে। মাখোইনা ঙরাং ঙাংনখিবাগী মতুংইন্না লাইলৈপাক্তা কাবসি, মাখোইগী ল্লারেপর্নাখিবা নিপাসীং হৌকসি, হাঙ্গহুনা লাকলে। মাখোই তকক্কী মনুংদা অমদি গর্ভ লৈবে, মতাসীংনা হাঙ্গরে, নংদি নাওপুরে, লাইলৈপাক্তি মচাপোকফম লৈতে, লৈহৌবে, নচাপোক্লগা লকউ, হাঙ্গহুনা লম্নকতা লৈহৌরে। মাখোঙ্গ মঙানা নিপাসীংগা উনসি, তরাচাক চান্নারগা লাইলৈপাক কাসি ঙাংনবা মকমদা লাক্লে, লম্বেন্দা মজী অমা কুল্লমই, মাসি চাসি হাইহুনা থাংনা হেক য়ানবদা উড়ীনা পন্দুনা চেনখবে। মকম অহুবু কদাং—থাবু পল্লে, হাঙ্গহুনা হৌজিক কদাংবস কৌরিবা খুল অসিনি!

খোইনৌ মতা অরুকমক মখোইগী নিপা তরুক্কা উনসি, ঙাংনবা মকম য়ৌরকলে, নিম্নাসীংদি লৈরমদয়ে। মপুকংবীদি থনমলে, মাখোই মঙানা উ অমদা কাখিহুনা লাইলৈপাক্তা খোকখি, হৌজিক কাউবা অভিয়াদা খোঙ্গ্লোংনুবী খোঙ্গনৌ মতা তরুকমকনা নিংথৌলৈপাক্তা খোক্লিবা অসিনি।

নাওপুহুনা লৈহৌবী অহুনা মচা পোক্লবদা মচা থনমহুনা মাসু লাইলৈপাক্তা কাখি, মতাসীংগী মরক্তা খোকমিন্নাখি। হৌজিক খোইনৌ মতা তরুক্কী মনুংদা মুৎলি-হাওরি উরিবা অহু কোন্না কাখিবী মুতা অহুনে। মানা লাইলৈপাক কান্নমদাইদা মচানা কপলে, ইমা। ঐদি কনাগী খোম্নাং থকহুনা

হিংগদবগে-হাঙ্গিরে'। মমানা খুমলে, ইবুঙো ! নংদি ইমাগী খোল্লাং তান্নবদা চিঙদা হারি ওইহনা খোংলকও, ইমান্না নোং ওইনা খোল্লাং থাদরবে মাহ থকতুনা হিংনৌও, হাঙ্গিরমই।

থাইনা মমা শিখিহনা লোন্নবী মমানা য়োকপী হাওশিনামোইহু কৌবী মুপীমচা লৈসাবী অমা লৈরমই, মপানা সেম্বীকবো লতোনবা চৎখরিঙৈদা লৈকাই কোইথিবদা মমান্নবী নিঙোনসীংনা কাং-সিংনরকই। মানা মমাদা হাঙ্গৈরে, ইমা ! হয়েংদি লৈকাই ঈরুপইপীচানা কাং সিংনরকই, হয়েং চাক ওন্না চানবা, ওসি কৌম্বরগে, ইপাগী কৈদগী কৌপুরুগে হাঙ্গিহনা কৌপুরুই। মানা কৌপুহনা হন্নকপা মুমাং য়ৌবদা মমানা হাঙ্গিরমই। নামোইমুও ! নমা ঐদি এনসাংথোংবা লোইরে, চাকথোংলগদবাবু চেংদি মংগী নথৌনি হাঙ্গিহনা। ঙাইরি থুনা কৌম্রহনা মচং কজবা চেং অথন্নবা পুরকও, হাঙ্গিরমই—নামোইমুনা খুমই, ইমা ! নংদি তাউজিং হৈগুম্না নপুক শিনলি, নচা ঐদি কৌপুরুবগী মুমাংতা য়ৌরি, মাঙ্গোনমকপু কাদরি, হুমাংস্থ হগুন্দরি হাঙ্গিরকই মাহুতাবদা মমানা—নংদি নখোনকল্লে হাঙ্গিহনা মকোক্তা খাপৈনা ফুরে, মকোক কাইবে, ঈ থোকলে, ই, ই হাঙ্গিনা কপলে। কৈরোই লৈকাই মাংদা ইমাই ইকাইরে, ঐ চীঙদা হারি ওন্দুনা পাইখরগে হাঙ্গিহনা হাওসিনামোইমুনা হারিনোংনাং ওন্দুনা পাইখি।

তুলনামূলক সমালোচনাগীদমক মহাভারতকী খোঙ্গোংনুবী
নোঙ্গারোল অমা

অরাংথংবা অতিযাদা ধ্রুবতাবা মনাক্তা লাঙ্গনসানা থোকপা থরানমচাক তরেৎ পরেং অহুবু বেদনা ঋক্ষমন্দল কৌই ইউরোপ মচাসীংনা ঋক্ষবু সওমগী অর্থদা লৌহনা 'গ্রেটবিযার' কৌই। থরানমচাক তরেত অহুবু ঐখোইনা সপ্তঋষিমণ্ডল কৌই। মখোই তরেৎকী মমিং মথং মথং ক্রতু, পুলহ, পুলস্ত্য, আত্রি, অঙ্গিরা, বশিষ্ঠ, অমস্থ মরীচি তরেৎ অসিনি।

মতম অমদা ঋষি তরেৎনা যজ্ঞ তৌই, মাহুদা মাখোইগী ধর্ম্মপত্নী তবেৎনা যজ্ঞ অহুদা মপুরোইবা তবেৎকীনাক্তা হিপতুনা ফমহুনা সেবা তৌহুনা লৈ। মতম অহুদা যজ্ঞদা লৈবা মৈনা ব্রাহ্মণীসীংহু উবদা মান্না পামলে। মৈনা খল্লি, মাখোইনদি ঐবু পামইস্থ থংদে, অমস্থ মপুরোই-বসীংগীনাক্তা লৈ, ঐদা হৌকবস্থ হৌনদে, হাইহুনা য়াম্না রাবে। যজ্ঞ লোইরবদা মৈনা মাগী অপাম্বা অহু থাংবা ওমত্রহুনা ঐ হিংহুনা কান্নদরে, ঐ তপ তৌরুরগে হাঙ্গিহুনা কৈলাসদা বন্দা চংহুনা মৈনা তপ্ তৌহুনা লৈরমই।

স্বাহা কৌবী দেবীনা মানা মৈবু যান্না পামই, মৈনদি স্বাহানা মাবু পামই হাঙ্গিবা থংদে, মতম অদুদা স্বাহানা খল্লি; মতম অসিদা ঐগী নিংবা থুংনবা মতম লাক্লে, খল্লদুনা মৈনা তপ্ তৌরিবা কৈলাসদা চৎলে। ব্রাহ্মণী তরেৎকী মনুংদগী অমা ওক্তরদুনা মৈগী মনাক্তা চংলে। মৈনা উবদা য়াম্না ওকলে, করিগীনো নংনা লাকপদি—হংই। ব্রাহ্মণীনা খুমলে, ঐখোই ইচেমসীংস্থ ওন্না লাকই, নংবু ঐখোইনাস্থ পাম্মি, অদুনা ঐখোই অমমম নংগা সান্নসি, হাঙ্গদুনা ওন্না মপান্দা ঙাইদুনা লৈরে, মৈনা হাঙ্গিরে, নখোইদি ঐনা পামই; হাঙ্গিবা কয়ম্না থংই। খুমই, ঐখোইনা মমদা মনাক্তা চংবদা নহাক্না ঐখোইগী হকচাংদা শোককদবদা হেক শোকপা অদুদা থংই। মৈগা শান্নরে, মপানদা খোরক্লে, মৈগী

বীর্য অহু পুবা হুমকহনা উচেক ওন্নুনা থাইথদুনা কৈলাসগী মুহা অমদা থৈং। "অতৗা ব্রাহ্মণী অমা অমোক সাহুনা চংই, মৈগা সারুবগা খোরককহুনা বীর্য অহু হায়গী ইচাকমদা হিংই, মাম্নুম তৌহুনা মথং মগা ককক্কক সামরে,—বীর্য তককমক হায়াগী হনথাভুমদা হয়ারে। অরেৎসুবীদি বশিষ্ঠগী ভার্যা "অরুন্ধতী" সাগদবদি সত্তী য়ায়া ওইমনবনা মাগী মশক শায়া হুমদরে।

মাম্নুম তৌহুনা মৈগী বীর্য তকক অহুনা তিনশিরলগা মমাই তককশানবা মহাভয়ঙ্কর, মহাকাল মূর্ত্তি অমা ওইহুনা চোংথাক্লকই। মানা অমোক্তং হেক থাকপদা তাইবংপানবাপুম্বা অসি ওকৃথক নিক্লে, মৈ থাইরে, তাইবংপুম্বা প্রলয় তৌবা তারে। জীবপুম্বা লৈবা হুমক্রহুনা কাইহুনা চেল্লে প্রলয় তৌবগী মৈ তৌ'ব। তাইবংপানবা অসি, লৈবা হুমদরে। মাহুদা কৈলাসদা তপ্ তৌহুনা লৈবা মুনিসীংনা সাওব। ব্রাহ্মণী তকক অসিনা মৈগা ভানহুনা মহাকাল অমা পোকলে, তাইবংপান্নবা মুৎপাস্সারে। অসি হায়ইহুনা সাওরে। য়া অসি সপ্তঋষিগী ঋষি তকক্কা তারে। ব্রাহ্মণী তকক অহু মরানা থাইনারে। নখোই লৈবিরগনু হায়ইহুনা তানথোকাল। লৈপাক তাবক্লে। স্বাহানা চংহুনা ব্রাহ্মণসীংদা হায়িরে, ঐনা ব্রাহ্মণীসীংগী মশক সাহুনা মৈদগী পোকপা ইচানি, ব্রাহ্মণীসীং অসিদি খংদবনি, দোষ লৈ'ত, হায়ইকই, ব্রাহ্মণসীংনা যাদ'রে। অয়ুমক খ'ইনা'ব, ব্রাহ্মণীসীংনা মহাকাল মূর্ত্তি অহুদা চ'তুনা হায়িরে। নংদি ঐখোইগী ইচানি, নমানা ঐখোইগী ছক ওন্দুনা পোকপনি, ঐ'খ ই তকক্কী স্তনবস থকউ. হায়ইবদা মানা ইমা কৌহুনা মমাই তকক পান্দুনা স্তনবস তকক থক'ল, ব্রাহ্মণী তকক অহুগী মমিংদগী লৌহুনা লাই অহুবু "কার্ত্তিকষড'নন" কৌখি। ব্রাহ্মণী তককনা হায়িরে, নং পোকপদগী ঐ'খাইবু'দি ইপু'বাইবনা ছাপ তৌহুনা তাইবং চিঞ্জাক চারো, হায়িনা চৈহুনা লৈপাক্তা লৈরে। নংনা ঐখোইবু স্বর্গদা লৈহনবিযু হায়িনা বরনিরে, ব্রহ্মানা হায়িরে, নখোইদি অভিজিৎনা তপতৌবা চং'খহুনা মাগী মফম হাংহুনা লৈবে, মাহুদা নখোই লৈরুরো হায়ইহুনা ব্রাহ্মণী তকক অহুনা কৃত্তিকা মাহু হায়ইরগা খোংচোংনুবী কৌহুনা খোইনৌ মতা তককমকনা থরানমণ্ডাক সযোম ওইনা থোকলিবা অসিনি।

মিতৈ পুথা অমগা মহাভারতকা অর্নিগী তুলনা মূলক সমালোচনা তৌবা

ঐখোইনা "খোংচোংনুবী" থরানমচাক সযোম থোকপা অসি অভাংকাউবনা থংই, মখোই অসিবু সংস্কৃতভাষাদা কৃত্তিকা কৌই। মাখোই অসিনা করি তৌবদগী মফম অসিদা থরানমচাক সযোম ওইহুনা থোকখিবগে হায়ইবগী মবমদা মিতৈ পুরাণগী য়ায়ী অম, অমসু মহাভারতকী য়ারি অমা য়ারি অমদু লৌখৎখরে। য়ারি অনি অদুগী থানদুনা এবদগী ঐখোইনা থংলে, মাসুদি য়ারি অনিমক পৌরাণিক কথানি। মহাক্তি "কূটার্থকাল্পনিক কথানি," হায়ইবদি মহাকী চায়বা অর্থবুদি হোংদোকপা য়াদনবা মনুষ্য চেংনা থমগা মপান্দানা য়াকম অমদা পাকনুনা তাবা মুওাইবনা লেংথোকপাবু পুরাণকথা কৌই।

ঐখোইনা শুক্লযজুর্বেদগী শতপথ ব্রাহ্মণদা উই মাদুদি জাতিনা হায়ই "খোংচোংনু" থরানমচাকী মনাক্তা থানা লৈরিংউদা হুহোংবী নুপীদি থাইনৈ, "অরাণা পানয়ালে, হায়ই। মুসিনা থরানমচাক তককী সযোম অসিবু মিতৈ পুরাণনাসু মহাভারতনাসু অরাণা

সুগী খুঙ্গীনা ভাক্তা মারি লেমদোকই অমসুং থরাল্মচাক সম্রোম অসিবু হায়াদি খোল্লমদবাওম্বা কোম্না মকম অমদগী লাকতুনা খোল্লবাওয়া হাঈবগী মরমদি, নক্ষত্র চক্রগী মকোকহৌবা বিন্দু অদু মখং মখং চুল্লহনা চৎলকই, মরম অদুনা অহানবদদি কৃত্তিকা অসি নক্ষত্রচক্রগী অহৌবা মকমদা খোল্লমদে. কোম্না নক্ষত্রচক্রগী অহৌবদা খোকখি মরম অদুনা মহাকপু কোম্না লৈপাক্কগী কারনতুনা খোকপা ওইনা হাঈবনি। মাসুম তৌদুনা খোংচোংসুবীনা নক্ষত্র চক্রগী অহৌবদা খোকখিবা কথাকুইরবনো? হাঈনা খংগে হাঈববদি.—ঐখোইনা স্বানামধন্ত. লোকমান্তা বাল-গঙ্গাধর তিলকপু কাওবা ঙমদে, মহাক্না খংখি, মাহুদি বি, সি, ২৫০০ লিসিং অনি চামঙাশইদা ময়াগা খাইনবী খোঙচোংসুবী খোঈনৌ মতা তরুকমক্তা মরাগা কাইনাহুনা হুজিক মাখোইনা খোক্লিবা মকম অসিদা খোকখি, অদুনদি মথেক্তো তারে এ, ডি, ১৯৬০ দা খোংচোংসুবী নোঙ্গাবা চহি ৪৪৬০ সুরে। মাহুদগী মাসিমাসু ঐখোইনা খংজে, মাহুদি মিতৈগী খোংচোংসুবী নোঙ্গারোল কৌবা “সাহিত্য” লেংবা চহিসু হাঈথ্রবা অদুপ সুরে।

মিতৈনা খোংচোংসুবী নোঙ্গারোল কৌবা সাহিত্য লেংখোকপগী কারবা

বেদনা তাইবংমীওইবদা তৌহাঈদুনা তাকপা ধর্ম্মদি, সুপনাগী হোম, মাহু হাঈদ্রগা যজ্ঞ হাঈবা অসিতনি। হোম কৌবা বেদনা তাকপা ধর্ম্ম অসিদি, চহি, অয়ন, ঋতু, মাস,—থা, অমসু দণ্ড—পুঙ্ খংদ্রবদি তৌবা যাদে অমসু নোংপোক মাইকৈ, হাঈবদি, মিতৈলৈপাক মনিপুর অসিগী লৈকম খংদ্রবসু তৌবা যাদে, হাঈবদি বেদগী ধর্ম্ম তৌবা বেদচৎপা য়াদে। মরম অসিনা বেদগী ধর্ম্ম তৌবা য়ানবাগীদমক মিতৈগী আদি কবিনা খোংচোংসুবী নোঙ্গারোল কৌবা লাইরিক অসি মহাভারতকুম্না কাব্যরীতিদা পান্দুনা ইথোকপা মিতৈগী বেদচৎপনা খাদোকপা য়াদবা বৈদিককেলেণ্ডার মাহু হাঈদ্রগা খুৎপাই অসি ইথোল্লমনি। মরম অসিনা খোংচোংসুবী খোঈনৌ মতা তককমকনা স্বর্গ কাবদা মপুক-কংদুনা লৈহৌবীনা মচাদা নংদি চীঙদা হাবি ওন্দুনা খোঙলকউ, ইমানা নোঙতাবদা ইচাগীদমক খোম্নাং খাদরক্কনি, মাহু থকউ, হাঈবদি,—হারিনোংখোঙবগা বর্ষঋতু হৌই, খংনবনি। মাসুমতৌদুনা হাওসি নামোইসুনা কাং সান্নবা চৎকদবাবু মমা লোম্নবীনা খাবৈনা ফুদুনা শিবগা হারি ওন্দুনা পাইখি হাঈরদি, বর্ষাঋতু হেক চংবগা কাং সান্নবা হেক তোকউ, হাঈবনি, মরমদি মাহুনা বেদবু ব্যাখ্যা তৌরনি।

মৈতৈরোল্দা রথবু কাং কৌই। সূর্য্যভগবাননা রথ তোংদুনা ক্রান্তি অমদগী ক্রান্তি অমা তান্না চৎলি। মাহুগী মতৌতমদুনা সান্নাবাবু মিতৈরোল্দা কাং সান্নবা কৌই। সুমিৎকী প্রতিক মাহু হাঈদ্রগো সিম্বোল ● বু খুৎনা পাইরগা হুন্দুনা চোংকৈ, কমদুনা খুৎনা ইন্দুনা লমথা সান্নৈ।

রেঙ্গনা সুমিৎ নিপাননি, হাঈ, তৌইগুরুসুং বৃহস্পতিগীদি মখা মঙ্গলগীদি মখাক্না গ্রহঅমা কাইখ্রে, অকাইবা মরুপ অদু হুজিক কাউবা যন্ত্রনা এবদা উরি। মরম অসিনা সুমিৎ চয়োল স্তুরেৎকী কাঙুপ কাংখুল স্তুরেৎ, স্তুরেৎ. হন্দুনা লেপতুনা চোংকৈ, কমদুনা লমথা ইন্দুনা সান্নৈ।

কাং শান্নবা মতম

অনন্ত্যচতুর্দশীদনা শতপাথ অয়ানবা-হাঈ. চৈত্র, বৈশাখ, জৈষ্ঠ অমসু আষাঢ় থা মরি অসিবু বেদনা

মথং কথং রথগ্রৎস রাথজস্, মথথম অমশু মথচিত্র কৌই। মমম অসিনা মথ—কাং চৎপা কৌবা থা মরি অসিদা মিতৈনা কাং সাম্রে। শ্রাবন থাবু বেজনা মথ শ্রোত—মথ লেপ্পবা থা কৌই মমম অহুনা শ্রাবন হেক চংবগা কাং শাম্নবা হেক তোকই। খোংচাং বী নোঙ্গা-মোননা হাঙ্গৈ, হাওসিন্না মাইদুনা কাং শাম্নবা চৎকদবনু মমানা হাৎতুনা হাম্নিনানো ওনহুনা পাইখি, হাঙ্গৈবদি কং শাম্নবা তোক্নবা নোংজু পানখ। চংবা তাকপা হাবি ওন্দুনা লৈপাকপুম্বাবু কাং শাম্নবা তোকহল্লি, হাঙ্গৈবনি, অহুনা রায়েং অসিদা সাহিত্যগী ধ্বনিনা ধ্বন্যন্তর উদগার ওইবা মমমমা খোংচোংনুবী নোঙ্গারোল কৌবা সাহিত্য অসি উত্তম কাব্যনি।

পানথোইবী খোঙ্গুল

মিতৈগী 'পান্থোইবী খোঙ্গুল' কৌবা সাহিত্য অসি, তাইবংপানবগী সাহিত সৌংগী মরক্তা কোহিনুর অমনি। সাহিত্য অসিনা মতম অসিদা মিতৈলৈপাক মচা পুম্নমকী ধর্ম সংস্কৃতি মাহু হাঙ্গত্রগা কুষ্টিপুম্বা যোকতুনা অকাওবা কৌবা অমম্বা সমুত্রগী লৈখা তানা লপতুনা মাংগ্রগদবদগী মানা শুমিৎ থা ওইহুনা বিশ্বজগৎতা ইকন্নি। মৈতৈলৈবাক মচাগী মাশুম্বা মণি সাহিত্য অসি লৈকবগী মপাননা ঐখোইগী মন্ত্রী আথোইবানা মিতৈলপাক মণিপুরব ভারতমাতাগী মরাইপক্তা ভানাথাইরিবা মণিনি হাঙ্গৈহুনা "জেল ওব ইণ্ডিয়া" হায়না কৌবন্নি।

পানথোইবী খোঙ্গুলগী আখ্যানবস্তু

সাহিত্য অসিগী আখ্যানবস্তু—প্লাটফি, পানথোইবী নোংপোক নিংথৌ অনিগী "উন্নতউজ্জল মধুর প্রেমরস"গী লীলানি। লীলা অসি ঐখোইমা ভারতকী কলচাম্নল কনকাবলদা কোংখরবনি। মাহুনা মথায়োমদা অষ্ট্রেলিয়া, নোংপোক্তা জাপান, মাহম্মা লৈখারোমদা আমেরিকা নোংচুপ্তা জার্মন কাউবদা মাবু পানখবে। মতম অসিদা পণ্ডিতসিংনা মিতৈ জাগাইগী উপপত্তি তাকপদা মাহুতা লৌনাখরাবনি। তাইবংনা মশক খংলবনি, অহুবু আলোচনা তৌবদা সুঙাইনবগীদমক মহাকী আখ্যানবস্তু খঙ্গিক্তং ওইনা মতাং অসিদা লৌখৎলি।

পানথোইবী অমসু নোংপোক নিংথৌ

লাইরমানা মমিং পানথোইবী কৌহুনা মিতৈলৈপাক মণিপুরগী নোংনুপথংবা চীঙদা লাইরেন অঙনবা তাওরোইনাইগী তালোই লাইনামুংবীগী মচা নিংঙোল ওইন। পোকতুনা লৈরমই, মাহাক্তি নিংথৌজা একনে। নোংপোক নিংথৌনা মাগী মপা মমাদি মশক মমিং খংদে, মাগীমলাইদি অঙোম্নি। মহাক্তা মুক্তালগী নোংপোক্তা লৈবা নোংমাইচীঙদা অমমলৈশারোক্তা লৈরমই!

পানথোইবীগা নোংপোক নিংথৌগা অনি অসি অহানবদা হকথংনদম্নিঙৈদা পানথোইবীনা লৈশাম্নিঙৈদা পামদা অহানবা উনখি। অস্নম্না হাঙ্গৈনে। মতুংদা নোংমাইজিং কম্বোংপুচিতা ম্নায়ৌ-লালানঙৈদা মাখোই অনিমক উনাহুনা রায়েপনাখি। মতুংদা খাবা কৌবা নিপা অমদা মপা মমানা খাজহুনা পানথোইবী মুহোংখরে, তৌইগুবমু খাবগী মমমদা লৈরুই, হাইমতলি, খাবনা পানথোইবীবু নোংমাতম্নু পাম্নখিদে। মশাম্ন শোকলুদে। মতুংদা মুম্নিৎ খমা লৈরমগা পান্থোইবীনা রাজা মমানমাইদগী চংশিহুনা রাজার কংলাগী মনাক্তা নোংপোক নিংথৌগা উবৈ খাম্নমা তারমকই,

মাদু উয়দা পান্থোইবী নোংপোক নিংথৌ অনিমানা চেনবগুম্বা লৈপাক পুম্বা থুনাকোইনা চেন্দুনা লাম্নখি। অদুগা নোংমাইচীং চীংদে.ন্দা কাদুনা লৈংখ। খ.হন্না ত হবা খজেরে, মহারা লাইনি হাঙবা খংলাদুনা পান্থোইবীনা সেংলম ইলম্বা ইনখি, শমচেৎহাংপাগী শম লৌদুনা খুবময়াদুনা লাংলমই, মকম অদুদা হুজিক কাউবা খুবম য়াদুনা লৈপাক মাইবা অমাইবীনা ঈড়াংতুনা হয়াওখি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিদা তৌবা নোংপোক নিংথৌ পানথোইবীগী লীলা অদুনা পানথোইবী খোঙুলগী আখ্যানবস্তু—হায়বদি প্লোটনি।

মোইরাং লোন্দা খম্বা থোইবী—পেনা ঈশৈ

মোইরাং লোন্দা ঈশৈগী মশক ওইবা খম্বা থোইবী কৌবা সাহিত্য অসি, মাস্তুপকী মণ্ডিক নিংথিজে, মহাক্তি কাব্য অসিবু যন্ত্রগা লোইনাদুনা ছকপদা মহাকনা মিতৈ পুম্নমকী পুক্নিং হুখিদুনা মিতৈনা মাবু পেনা ঈশৈ কৌই। মহাকী নায়কনা খম্বনি, নায়িকানা থোইবীনি। মহাকী অখ্যান-বস্তুদি খম্বগা থোইবীগা অনিগী লৌনা-লৈনাখিবগী রাকমনি, লেংথোকপানা নাট্যদা অভিনয় তৌনবা অমম্ন ছকপাম্ন য়ানবা লেংই। মাঙোন্দা নাট্যশাস্ত্রগী রাএন অমত্তা কাঈদে, মাদুদা কনাগুম্বাসীংনা নিংই, গ্রীক নাট্যগী রাএন চংই। মরমদি লোইবদা মিপাইথবাইবদা লোই, তৌইওম্নসু মাদুতনদি গ্রীক নাট্যগা মান্নবা কৌদে, তাইবংপানবগী মীওইবা মপোক অসিদি সুমিৎচুম্না অরাবগী মশকনি, "সর্ব্বত্রত্রাসমাবহ" মীওইবদি সুখোভিবগী মশকনি, কিদম অসিদা বাল্মীকিনা উৎতুনা রামায়ণ মহাকাব্য লেংই, অদুনা নিয়তিগী মখাপোনবা মীওইবগী হিংদুনা পানবদা মাসিগুম্বা মীপাইথাবাইবা অসি থোকলোই হাঈনিঙাই লৈঙবা উৎপাগীদমক রামায়ণগী অরোইবদা সীতানা লৈদুনা চংই, মাদুগুম্না থোইবীবু খম্বনা লংনাকবদ॥ খম্বনি, খংদাদুনা থোইবীনা খম্ববু তানা থিন্দুনা খম্বা শি। মাদু উবদা থোইবীসু মথন্তা তানা থিন্দুনা শি, মাদুনা সতী প্রেমগী পনয়ৌবা খুদম উৎলি।

খম্বা থোইবীগী অপামনুংসিদি মীচমদা ওইরিবা কাম নত্তে, খাঙ্গৈংবা দৈবী প্রেমনি, কিদম অদুদা মোইরাং কবিনা লেংই। মাদুগী অতেনবা খুদমদি, খম্বা থোইবীগী কাইনবা বিম্নি থোক্ত থোক্তগা বিম্ন অদুনা খুনা অপামনুংসি থুংনবা হেক হেক ওনবা অসি অপূর্ব্বকাব্যরচনা কৌশলনি। খুদমসীদমক, থোইবীবু কোংয়াম্বদা লৈয়ু হাঈবা য়াদে, হাঈদুনা মপানা লোইথাই। লোইকারকপদদি ময়ুম থৌগ্রিভৈদা কুম্বী তেরাখাদগী কোংয়াম্বগা লোইননা ময়ুমদা পুশিনলো। হাঈদুনা থোইবীগী মপানা তাকতুনা, কোংয়াম্ববু থোইবী ওকহনলি।

কোংয়াম্বনা হয়াওরকদুনা থোইবীনা ওসি লোইকারকপদা দোলায় তোংদুনা ঐগী য়ুমদা চংবা, ঐনা দোলায়মাংদা। সগোল তোংদুনা সগোলগী জগোই সাদুনা চৎপা হাঈদুনা কুম্বী তেরাখাদা দোলায়নে সগোলনে খমদুনা থোইবী ওাইদুনা লৈ। থোইবী লোইকারক্লে, মাসু ঙাইরিবা কোংয়াম্বগী নাক্তা চংলকলে, ইতৈনোংবান হাঈনা কৌরে, কোংয়াম্বা প্রেমগী মৈনা উওলে। থোইবীনা হাঈরে, ইতৈগী সগোলসিদি তোংবা সুঙাইবরা? ওহাক্ত তোংদুনাদুম য়েংগে হাঈদুনা থোইবী সগোল তোংখৎলে। সগোল অদু কম্না থৌদুনা থোইবী খুনা খম্বামজানবাই য়ৌখরে। মাদুদা থোইবীনা ঈশৈ অমা সগোলথক্তা হুক্রমই, মাদুদি—"কাঙ্গাগী কুশিং নাম্নিবমাদু নত্তে, লাজোই সগোলনা চেকলানাম্ব নত্তে ওদি মিঙোল-ঐম্বা লৌগী রীংদা চনবদি নিঙোল ঐগী পুক্নিংননে" অসিনি।

ঈশৈগী অর্থদি,—ঙসি ঐনা ঐগী পামুবগী মরানরাইদা চৎতুনা নিঙোল ঐনা মৌঈবীদা চৎলগদবসি, সগোন অসি তোংবনা নত্তে, কাঙ্গাগী সুংসিং নামিবনা হুবহুনা সুংশিং মাইয়ম ওহুনা চৎপনাস্থ নত্তে, নিঙোন ঐগী সতীগী অচেৎপা পুক্নিংতনা চৎপনি, হায়বসিনা, ধ্বন্যর্থনি। ধ্বন্যর্থ অসিগী মতুংদা ধ্বন্যন্তর অমসু হায়রি, মাহুদি, থোইবীনা ঙসি দ ঐগী পামুবগী মরানয়াই মৌরগনি, হায়দুনা মহাকী পামুববু নির্শিংলুবকা মহাকী থমোইলকাদা সংসংনা পামুবাবু উই, মাহুদি দৈবী প্রেমনি, মরম অহুনা প্রেমগী তরেৎসুবা থাক সমঞ্জসারতিগী সাত্বিক প্রেমবিকারনা সম, তু, চপ যুংথৎলবই, মাহুব থোইবীনা হায়রি, নিঙোনগী লৈশাবগী শম হুখবনা মৌওইনা হৌগৎলকপাসি, সগোন চেনবনা নত্তে, কাঙ্গাগী সুংসিং নামিবনাস্থ নত্তে নিঙোল ঐগী পুকনিংননি, হায়বনি, মাস্থনা ধ্বনিনা ধ্বন্যন্তর অমসু থোকহনবনা পেনা ঈশৈ অসি উত্তমকাব্যনি।

রতি মথল অহুম

শৃঙ্গার রসগী স্থায়িভাব রতি, মথল অহুম থোকই, মাহুদি, সাধারণা, সমঞ্জসা অমসু সমর্থা অহুম অসনি। সুহেংতনা মপা মমানা থাজহুনা পামবা সুপীন। মহাকী সুঙাইনবগীদমক মপুরোইবাবু সুঙাইহনবীগী রতিবু সাধারণা কৌই।

মহাকী সুংশিবাবু সেবা তৌহুনা সুঙাইহনগদবদা মপামমানা থাজবা হন্দাকপা কিহুনা ঙাইবীগী রতিবু সমঞ্জসা কৌই। মাস্থনা মাগী সুংসিবাবু সেবা তৌহুনা সুঙাইহনবগীদমকতা পাঙ্গী মাগা সুঙাইবা মবিক অমত্তা পামদবা মাহুমা মপামমান চংবনা থাজববু থাদোকতুনা মীগী চৎনবাস্থ থাদোকপা, নাগী সুঙাইবস্থ কারনতা এংদবী সুমিৎচুম্না মাগী পামুবগী সুঙাইনবতা এংবী সুপীগী রতিবু সমর্থারতি কৌই।

থোইবীদি মপামমানা থাজবা ঙাইহুনা লৈ, অহুনা সমঞ্জসা রতিনি, অহুমাদি ওইরগা মপা মমানা থাজবাবু হন্দোকতুনা চৎপনা সমর্থারতি ওই, অহুনা মতম অমদা সমঞ্জসা রতি ওইরমলবাস্থ লোইকাবকপাদাদ তশেংবা সমর্থা রতি ওইরে, অহুনা সগোন তোংহুনা পামুবগী মরানয়াই তম্না চৎলবা মতমদা প্রেমগী নিপানস্থবা থাক দৈবীরতিগী তুচুংবা সাত্বিক বিকার ওইরকপা অহুবু মোইরাং কবিনা থাংনা লেংবা ঈশৈনি, অস্থয়া খংনগনি।

থোইবী ঈশৈ অসিদা অপূর্ব্বকাব্যকলা কৌশলতাদগী কোংদোকপা ধ্বন্যর্থদি,—ঙসি ঐনা ঐগী মরাইদগী চায়াথোইবাগী মরানয়াইদা চৎতুনা ইশানা মৌগীশংদা ঙসিমখৈ থোইবী ময়ুমপাক্লে মৌওইরে, হায়বা অসি অতৈনা তৌবা নত্তে, সগোন তোংহুনা চেন্নুনা সগোনগী মপাম্না তৌবা নত্তে, নিঙোন ঐগী পুকনিংগী অরোম্না মতৌগী পুকনিংতনা তৌবনি, পুকনিং অহুগী অকনবনা মাগী উপায় ওইনা সগোন তোংবাননি, হায়বনি, অহুনা সগোনতোংবা থয়েবাস্থ ঙাসি মোইরনা ঐনা পামুগী মুমদা মৌপনি, অসিনি, [illegible] মহাকী প্রয়োগকী ধ্বন্যন্তর অমা উৎপাদ তৌরি, মাহুদি —থোইবীনা সগোন তোংহুনা [illegible] মরানয়াইতা লাক্লবদা মতম থরা উনারকপা মাহুব নিয়হুনা থমোইদা [illegible] উনবা পামুবাবু সাত্বিক উনমনি, হায়না নির্শিংলুবা [illegible] নিপানস্থবা [illegible] দৈবীপ্রেমতগী [illegible]

অতৈদা ওইদবা সাত্বিকপ্রেমনা থোইবী তু-চুংলকই, থোইবীগী লৈশাবগী হুথবা শম অহু চপ য়ুংলকই, মাহুব থোইবীমা হাঙ্গৈরি, ঙসি ঐনা লৈশাবগী শম হুথবাবু হুজিক ঐগী 'শম মথন্তা হাইগৎচরকতুনা মৌগীসীংদা ঐ চল্লে, মাসি কাক্তাগী মুংশিৎনা হুগৎপা নত্তে, সগোননা চেনবনস্থ নত্তে, হাঙ্গৈবনি। অসিগুম্বা ধ্বনিনা ধ্বন্যন্তর অমস্থ উদ্‌গার ওইবা অসি উত্তম কাব্যতদা তৌবনি, অহুনা থোইবী নায়িকা অসি দৈবীনায়িকানি, মাঙোন্দা ওইরিবা প্রেম অসি অতোপ্পা মীচমদা ওইবা হৌনদে, হাঙ্গৈবা ঈশৈ অসিনা ফোংদোকই।

ঐখোইনা খম্বা থোইবীগী কাব্য অসি তারগা কংলৈগী পান্থোইবীবু হেক্তা নিংসংই, কংলৈদা খাবনা অবৈধ প্রেমলীলাগী হকপান্নবা নায়কনি, পান্থোইবীনা পান-লৌথোক্লগা বৈধপ্রেমলীলাদা খাবদা মঅমা মরক্তা হাপচিন্দুনা খম্বা কৌহুনা সায়নবতনি। মণিপুরদা দেবীনা কংলৈদা অবৈধ প্রেমলীলা মোইরাংদা বৈধপ্রেমলীলা সান্নবনি, হাঙ্গৈনা খনবা অসি করিস্থ অরানবা লৈতে।

ব্রাত্য ধর্ম্ম।

ব্রাহ্মণ্যধর্ম্মগী এরুবা, বেদনা তাকপা ধর্ম্ম অহানববু ব্রাত্যধর্ম্ম কৌই। মৈতৈনা ধর্ম্ম অসি হাননা এলহৌদৈগী চৎলকই, অমস্থ হুজিক ফাউবা মহাকপু থাদোক্তে। ধর্ম্ম অনি অসিগী মশক্তি য়াম্না তেন্না হাঙ্গৈবদা ব্রাহ্মণনা মকোক ওইহুনা য়াওদ্রবদি ধর্ম্ম অহু তৌবা য়াদবা ধর্ম্মগী মখৈ ব্রাহ্মণ্যধর্ম্ম কৌই। ধর্ম্ম অসিদি কোন্না থোরকপনি। মাবু পৌরাণিক ভাষাদা হাঙ্গৈরবদি ত্রেতাযুগতগীতা হৌরকপনি; হিন্দু এহেল্লৌভৈগী ধর্ম্ম নত্তে। ব্রাত্যধর্ম্মদি মহোশাগী ধর্ম্মনি, মাদি বেদনা তাকপা ধর্ম্ম অহানবনি, ধর্ম্ম অসিগী দেবতাদি মহাদেবনি। মতম অসিদা তাইবংপানবগী পণ্ডিত অয়াম্বনা থিনবদা ব্রাত্যবু তাইবংমীনা তৌবা ধর্ম্মগী অহানবনি হাঙ্গৈনা লেপ্পরবনি।

ব্রাহ্মণ্য ধর্ম্মগা ব্রাত্যধর্ম্মগা অনি অসি য়াম্না কন্না এংথিনৈ, তিন্নবা য়াদে। ধর্ম্ম অনি অসিগী খৎনবা য়ৈনবা, লান তৌনবা অসিনা হুজিক ফাউবা লেপ্পা লৈতে। দক্ষযজ্ঞ ধ্বংস হাঙ্গৈবনাচিংবা রাখোক্কী মংজ্রোং হাজ্রোংগুম্বা পৌরানিক কথা ময়াম তারিবা অহু ব্রাহ্মণ্য-ধর্ম্মগা ব্রাত্যধর্ম্মগা অনিগী সংঘর্ষদগী থোকপা—পৌরাণিক কথানি। মাহুম তৌহুনা ধর্ম্ম অনি অসিগী খৎনবা, অমনা অমবু মাংনবা তৌনবা অসিদি মতম পুন্নমক্তা অম্নুম্মক তৌরগদবনি। তাইবংপানবা অসিনা মুক্তিবামখৈ অম্নুম্মক লৈরগনি। তোক্লরোই। ঐখোইনা তাইবংপানবা অসিগী হৌনবীদা এংলবদি মাসিদি য়াম্না ফবনি। তাইবংপানবা পুম্বসি মাস্নুম্না তৌহুনা "নংনা করি, ঐনা করি!" হাঙ্গৈনা এংনহুনা খৎনবা অমস্থ অমগ অমগা য়ানসিন্নবতনা হুজিক্কী মপুং ফারবা তাইবং অসি থোরকপনি। হুজিকমক ধর্ম্মগী মরমদা থোক্লিবা অসি ঐখোইগী জাতিগী চাওখৎলকপগী খুদমনি, অক্ষবনি। চেন্দবা ঈসিংগুম্না লেপতুনা লৈরবা জাতিনা কৈদৌনুংদস্থ তাইবংদা পানবা ঙম্না হৌনদে।

হুজিক্কি ব্রাত্যধর্ম্মগী মশক খংবা য়াম্না লুরে। মরমদি ত্রেতাযুগতা কোন্না থোরকপা ব্রাহ্মণশীংনা বেদনা হাঙ্গৈবা ব্রাত্যগী শরুক্কীমখৈ মাংহনখরে। মাখোইনা মাংহনবা ঙমদহুনা যজুর্বেদদা খরা, অমস্থ অথর্ব্ববেদদা কাণ্ডঅমগাদি হুজিক ফাউবা লৈরি। মাহুদগী ব্রাত্যধর্ম্মগী মশক মগুণ পুন্নমক খংবা ঙমই। ব্রাত্যদেবতাদি মহাদেবনি।

২ লৈবাক্তা পাল্লোইবী খোঙ্গুলগী নায়ক নায়িকা ॥

পাল্লোইবী নোংপোকনিংথৌ।

শাংবংপানবগী মপু মবেমা পার্ব্বতী পরমেশ্বর অনিনা প্রাচীন ভস্বর্গ কংলৈ গুন্দাল সনা কৈলাসন্দা উন্মত্ত স্বচ্ছন্দ মধুর প্রেমরসবু আস্বাদন তৌগে হাইবগীদমক পাল্লোইবী নোংপোকনিংথৌ হাঙ্গৈবা মঙ্গৌ পুদনা অবতার লৌখি। মসম অহুনা পার্ব্বতী লাইরমানা মধুর প্রেমরসকী চরমাবস্থা মহাভাবপু আস্বাদন তৌনবগীদমক লাইবেন অঙানবা শংগ্রবাইনাইগ। অতলেই মাতংনাম নাগী মচানি নলেম পাহ্টনা নিংতম ঐরব থাঙ্জহুন খাব মরানং ইদা লোরে, মীখা পোম্লবীন, ইমংনা পান্থোইবী লৌবনি, হাঙ্গৈহুনা তাইবং মপুনা অচাম লেংনা সাথেন্দুনা নোংপোকনিংথৌ মিঙ্গৌ পুহুন। অমম লৈশা বাকলা হৈবগী লেমা চান্নাংলি হাইহুনা মধুর প্রেমরসবু কংলৈদা আস্বাদন লৌখি। মাখোই অনিহুনা পান্থোইবী খোঙ্গুলগী নায়ক নায়িকানি।

মেরৈবা লৌমাংগী শাস্ত্র থোরৈনা।

১। কংলৈদা পান্থোইবী নোংপোক নংথৌ, মোইরাংদা থোইবী খম্ব মশা শামত্তন। মশুগা দ্বাপর যগতা শ্রীরাধাকৃষ্ণনা বৃন্দাবন্দা অমস্তু পুবদা লৌহু মচবীগী শ্রীরাধাকৃষ্ণন সান্নরগ। মশ শানৈনি।

২। কংলৈদা পান্থোইবী নোংপোকনিংথৌনা অবৈধ প্রেমলীলা শান্নৈ, মশুগা দ্বাপর যুগতা শ্রীরাধা কৃষ্ণনা বৃন্দাবন্দা অবৈধ প্রেমলীলা সান্নৈ। মোইরাংদা থোইবী খম্বনা বৈধ প্রেমলীলা সান্নি।

দ্বারকা অমসুং মোইরাং।

দ্বারকাবু মিতৈলোন্দা থাঙ্ক হাঙ্গৈ। মিতৈলোন্দা রাহৈগা মথক্তা বর্গ্যবর্ণ অক্ষমস্বরা, মারস্বরন ১বা, নক্রগা ২স্বরা ওই। রাহৈগা অরোইবদা লৈরাবনা ব্যঞ্জনবর্ণনা মথাদা লৈরা নক্রগা রাহৈগী অরোইবদা লৈরবদি অনুস্বার ওই। মাহুদি দ্বারকা=থারকা=থাঙ্কা, থাঙ্গৈশংবদা হাঙ্গৈববদি মোইরাংগা থাঙ্কাগা মশা অমত্তনি। মাহুদ লোকতাক ঈশং মথাইদা লৈরা চীংবু সমুদ্রগী ঈসিং লোক্তাক্তা কোঙ্গৈশিনরল, হাঙ্গৈদা দ্বারকা লৌবদগী থাঙ্কা হাঙ্গৈখিবনি। মোইরাংস্তু লোক্তাক মনুংদা সুডনা পল সাহুনা কোঙ্গৈশিন্দুনা লোক্তাক মনুংদা কোন্নুং সেম্বনি। মোইরাং পুম্বা অহানবদা সমুদ্রগী ঈসিং—লোক্তাকী ঈসিংনা কোইশনবা চীঙথক্তা লৈবম্বদগী লোক্তাকী ঈসিংনা বংথখবন্দা থাঙ্কচাঙ=দ্বারকা চীঙদগী কৃমথবকতুনা লোক্তাক ঈসিংদা পন থিংজিন্দুনা খন্দাববনি। অহুনা মোইরাংদা থাঙ্কচীংগী খুবম যাহুনা লাংলি—। মোইরাংনা লাইবু কয। কৌহুনা লাংলি। 'কয' হাঙ্গৈবদি 'কৃষ্ণ' হাঙ্গৈবনি।

অস্থুম মাস্নুম তৌহুনা বৃন্দাবননা লৈবা মাইকৈদা থাঙ্কদগী অবাংলামদা পানথোইবীগী মপাম লৈ। মাস্নুমা তুলনামূলক সমালোচনা তৌবদগী থংলা মাহুদি বৃন্দাবন্দা সান্নবস্থু দ্বারকাদা সান্নবস্থু লক্ষ্মীনারায়ণনি। মাহুমা কংলৈদা সান্নবস্থু মোইরাংদা সান্নবস্থু পার্ব্বতী পরমেশ্বরনি। লক্ষ্মীনারায়ণগা পার্ব্বতী পরমেশ্বরগম্ভু মশা অনত্তনি। মরম অসিনা শ্রীধরস্বামিপাদনা শ্রীমদ্ভাগবতকী টীকাদা মঙ্গলাচরণদা হাঙ্গৈরমই,—

"রাধবো মাধবাবীশৌ সর্ব সিদ্ধি প্রদায়িনৌ। বন্দে পরম্পরাত্মানৌ পরস্পরমতিপ্রিয়ৌ॥"

লক্ষ্মীনারায়ণনে উমা মহেশ্বরনে ঈশ্বর অনিমক সিদ্ধি পুবা শীনবীবনি, মাথোই অনিমক অমনা অমগী আত্মানি, অনিমক মমনা চাৱৈ, অহংগুম্বা অসিবু ঐনা খুরুমজৈ।

মথক্তা হাঙ্গৈরিবা অসি সমীকরণনা উ লবদি :—

১। শ্রীরাধাকৃষ্ণ = পট্ট মহিসীকৃষ্ণ = লক্ষ্মীনারায়ণ = মাধব = পরমেশ্বর।

২। পাম্থোইবী নোংপোক নিংথৌ = থোইবী খম্বা = উমাধব = পরমেশ্বর।

৩। মাধব = উমাধব = তাইবংপানবগী মবেমা মপু = পরমেশ্বর।

সমীকরণ অসিগী অর্থদি—তাইবংপানবগী মপুনা তাইবংপানবগী মবেমা মপু কৌদুনা অনি থোকতুনা তাইবং সেমগৎৰৈ অহানবদা নুমিৎ কৌদুনা ইহান হান্না থোকখিবা মকম বেদনা মাবু প্রস্তৌকস্ কৌবা, হুজিক্তি মিতৈলৈপাক মণিপুরী কৌবা মকমদা মধুর প্রেমরসবু আস্বাদন তৌদুনা সান্নখি, মাদুমা শ্রীবৃন্দাবনদস্ সাৱৈ। মাসিনা মণিপুরীয সাহিত্যগী তাৎপর্য্যার্থনি।

মণিপুরদা শ্রীশ্রী ৺গোবিন্দজীউগী আবির্ভাব।

মিতৈনা মর্য্যাদা গৌড়ীয়ধর্ম্ম লৌকপা।

পলাশীগী লানকম।

খৃষ্টাব্দ ১৭৫৭ মুবা কুম অসি ভারতীয জাতিগী ধর্ম্ম, সংস্কৃতি—হাঙ্গৈরগা কৃষ্টিগী ঐতিহাসিক পরম্পরাদা কাউবা বাদবা কুমনি। কুম অসিদা শক্তি পরীক্ষা তৌকম পলাশীদা বাঙ্গালীনা মাইথিখি। মাদুদা মাইথিবা অদু সুপনগী বঙ্গালীগী রাষ্ট্রশক্তিতা মাইথিবা নত্তে,—বঙ্গালীগী সংস্কৃতি, বাঙ্গালীগী জীবন পুম্বগী মাইথিবনি। অদুগুম্বা মাইথিখিবা পুংকম অদুদগী হৌদুনা ইংরেজগী শাসন শক্তি, পাশ্চাত্য সংস্কৃতি অমসু খৃষ্টীযধর্ম্ম অদুম অসিনা মথং মথং বঙ্গালাদেশ, মাদুম তৌদুনা ভারতবর্ষ পুম্ববু অক্রমণ তৌখি।

১। ইংরেজ শাসন শক্তিনা বঙ্গালীগী জাতীয স্বাধীনতা—মাগী জাতিগী মনিংতৌন পান্দুনা হিংবা ঙমগনি হাঙ্গৈনা নিংবা অমসু বঙ্গালীগী নীতিনা তৌবা লীচৎকী পাজন্না মরম ওইদুনা বঙ্গালীনা হিংদুনা পানবা ঙমগনি, হাঙ্গৈনা নিংববু মাংহন্দুনা বাঙ্গালীবু মাগী মপাঙ্গলনা তাইবংপানবদা মীওইনা হিংবা ঙমগনি হাযবা থাজহনখিদে।

২। পাশ্চাত্য সংস্কৃতি অমসু সভ্যতানা ব্যক্তি স্বাধীনতা—মী মহাকী মনিংতৌনা পানবা রাহনবনা অমসু রাখল লৈবা মীগা মপুরিংনা নিংববু মনিং তৌনা নিংবা যাহন্দুনা মথকতা চাওখৎহনবনা বাঙ্গালী জাতিবু মাইথিবা পী।

৩। খৃষ্টধর্ম্মনা মী পুম্নমকপু ইবাই লাইনা থাজহনবা অমসু ধর্ম্ম অদু চৎপা মী পুম্নমকপু অচৌ পিশক নাইহন্দবা, অধিকার চপ মান্নহনবা কিদম অমা মাংদা উহন্দুনা বঙ্গালীবু যুক্তৎতুনা হান্নদগী মশক অমা হোংদাকে হাঙ্গৈনা হোংথৈ।

হাঙ্গৈথবা অদুম অসিনা পুল্লপ তিনশিন্দুনা বাঙ্গালীবু বাঙ্গালী নত্তবা ওইহনবা, মান্নমনা ভারতীয জাতি পুমবা অংশবু ভারতীয জাতি অমা ওইহন্দব পামই। ভারতবর্ষগী "ইংরেজনা

পানবা।" কৌবা উপান অসিগী পাম্বীদা পানবা মশা মরোং মনা-মশিং পুম্নমক পুখ্রহোং হোংলোকখ্রুম্বা মতং অতোপ্পা অমদা সুপ্পগী পাম্বীনা ভারতবর্ষগী মহি মচুম থকতুনা হিংহনবনি।

বাঙ্গালী জাতিনা খংদহনা—"ইংরেজগী শাসন শক্তিনে, খৃষ্টীয় ধর্ম্মনে পাশ্চাত্য সংস্কৃতিনে অহুম অসি থাদোক্লবা যাদবা মশা অমত্তনি" হায়না নিংখি। অসুম্না খংদবা অসিদগী মখোইনা কিহুনা মশা লৈকম খংখিদে। মখোই অহুম অসিদি মশা অমত্তা ওইবা নত্তে। খৃষ্টানধর্ম্মনা পাশ্চাত্য শাসন শক্তিগা করিগুম্বা থাদোক্লবা যাদবা মতী অমত্তা লৈখিদ্রদে। পাঙ্গৈশেংবদি রাষ্ট্রনীতিগী বিচারনা খৃষ্টীয়ধর্ম্মগী প্রেম অমসুং মৈত্রীগী রাজনবু সুমিৎচুপ্পা থিনা থিনা তৌহনা লাক্লিবনি। ইউরোপ লৈপাক্তা বুদ্ধ, অশোক, নবগা—খৃষ্ট পোকপা নত্তে। খৃষ্টীয়ধর্ম্মগী দর্শনিক ভিত্তিদি য়ামদে, সুপ্পগী ধর্ম্মগী মতিকতুনা মানা চাওখৎপনি। মাহুদি ভারতকী ধর্ম্মদদি হেংংদবা যাদবা নত্তে অহুমদি ওইরগা খৃষ্ট-ধর্ম্মগী প্রচারদা ভারতকী সমাজনা কিখিবা, লাংখিবা, নহাবোল ক'বুনা মপৈ মপৈ মিশনারীসীংগী মচুং ইন্দুনা খৃষ্টধর্ম্মদা চোংশিনখিবা অহুদি খৃষ্টধর্ম্মগী মতিকনা নত্তে। ভারতবর্ষদা চংলকপা মতমদা খৃষ্টধর্ম্মনা তোংলকপা শাদোং পাশ্চাত্য সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাগী মতিকননি।

খৃষ্টগী চা ১৯ গী অহানবা ভাগাইদা খাঙ্গৈশেংনা কৃষ্ণমোহন বন্দোপাধ্যায, লালবিহারী দে, জ্ঞানেন্দ্রমোহন ঠাকুর, মাইকেল মধুসুদন দত্তনচিংবা নহা—পাখংসীংনা অকনবা ভাবকী অইনবনা ভারততা কোন্না লাকপা খৃষ্টানধর্ম্মদা চোংশিনখি। মখোইনা থোইদোক্না মনুংযৌনা চংবা গ্রমখিদে, মতম অদুদা "কলিকাতা রাজধানী' অসি ফুম নেস্রগুম নোমখি।

ভারতবর্ষদা খৃষ্টগী চা ১৭ গী মযাইদগীনা হৌহনা প্রাচ্য সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাগা লোইনহুন্না পাশ্চাত্য সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাগা শোরহুনা অনিগী সজ্ঘর্ষ—থ নবা অমসুং সমন্বয়—মাস্নবা এবেন্না হৌই। খৃষ্টগী ধর্ম্মনতিগা লোঙ্গনহনা গ্রীকদর্শন, বিজ্ঞান, রোমক ব্যবহার-বিজ্ঞান, সমর-বিজ্ঞান, মাহুমনা ঐখোইদি জাত অকবনি হায়বা নাপনগা তিন্নহুনা খৃষ্টগী চা ১৭ অমসুং চা ১৮ দা তান্নুনা কংবা যুক্তিবাদগী মতেংনা মীওইবগী পুকনিংগী স্বাধীনতা মাহুম্না ব্যক্তি স্বাতন্ত্রগী ভিত্তিদা পাশ্চাত্য সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতানা—অতোপ্পনা থুগাইবা ওমদবা মশক ওইখি। ভারততা লাকপা খৃষ্টধর্ম্ম প্রচার তৌসা মিশনারীসীং অদু খৃষ্টভক্ত, প্রেমদা চাওববা, তাইবংমীনা মুক্তি কংবা পাম্না শান্তিগী—দূতকী মশক নত্তে। মাখোইদি পাশ্চাত্য সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাগী সাদোং মাহুম্না মাখোই অদুদি মিশনারী হায়বদি প্রচারকনি।

বৌদ্ধনা থুমহনা লৈরম্নবা বাঙ্গালাদেশতা বেদ বেদান্তগী চর্চ্চা কবিগুরুদমসু কননা তৌনরমদে। ইংরেজনা লাক্লবা অমসু খৃষ্টানধর্ম্মনা থুংলরবা মতমদদি কনা অমত্তনসু ইতৌবু তৌনখিদ্রে। শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য মহাপ্রভুনা হৌদোক্লম্বা বৈষ্ণবধর্ম্মদি সুপ্পগী ভাবনা শারতা তাইখিদ্রে। শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য প্রভুনা মানবলীলা থুপাখবগা লোইনন্না নবদ্বীপতা শাক্তগা মোসলমানগা তান্নুন্না হরি-সংকীর্ত্তন তৌবা যাদ্রবনি। বিষ্ণুপ্রিয়া সেবিত—নদেব নিমাইগী শ্রীবিগ্রহ অসিদি তান্নবা ইংরেজনা থুংল ঐটৈনা হাননা লৈদ্রুং চনখরবনি।

মুখঃপার্শ্ব ভাদ্রং বাসুদেবেতি জন্মকম্ ॥"

কার্তিক শুক্ল একাদশী উত্তর ভাদ্রপদ নক্ষত্রদা অহিং মচন্দ্র।—বক্রবাহনন। মকোক কক্তুনা অর্জুন শি।

(জৈ° অ°, ভাং ৩০, শ্লোক ৬১)

"কস্মিন দিনে নিশামধ্যে স্বপ্নং কুন্তী দদর্শহ।"

নুমিৎ অহুমকতদা অহিং নোংগাইদা কুন্তীনা মং উই।

"প্রবুদ্ধা কথয়ামাস স্বপ্নং রাত্রৌ সমীক্ষিতম্ ॥"

মাঙ্গৌরগা নোংডাঙ্গবদ—কার্তিক শুক্ল দ্বাদশীদা রেবতী নক্ষত্রদা কুন্তীনা অর্জুন শিনগী মং লী।

পুনরস্মাকং প্রভু সম্মাণ গকচ্ছং প্রভুঃ।

আত্মনামাথ গকন্ স্বনাহ্ত জগৎপাতঃ ॥৮৭॥

(জৈ° অ°, অ° ৫৯)

শ্রীকৃষ্ণনা মং চেক তাবগা—কার্তিক শুক্ল দ্বাদশী অযুক অহুদা গরুড় তোংদুনা মণিপুরদা থুংলে ॥ শকাব্দ ১৬৯৮ মুখ্য কার্তিক শুক্লা দ্বাদশী রেবতী নক্ষত্র শুক্রবারদা অযুক্তা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দ আবির্ভাব ওই। মাংগী কার্তিক পুর্ণিমা ঈরাই মুমিৎ অহিংদা শ্রীশ্রী৺গোবিন্দাজিউনা রাস শাস্ত্রে, মাহুদা মণিপুরডাদা পোনই। (মুখ্য কার্তিক=মৈতৈ হিয়াঙ্গৈ)

অর্থাৎ—শ্রীগোবিন্দ বাসুদেবগা লাইনিংথৌ লাইবমগা মশা অমত্তনি। শ্রীসনাতন পাদনা ... ভাগবতামৃতদা, শ্রীরূপ পাদনা লঘু ভগবতামৃতদা লাইনিংথৌ লাইবমাবু গোলোক বৈকুণ্ঠদা ... শিব সমান ... ব্যাখ্যা তৌই। লাইনিংথৌ লাইবমা অনিদি শ্রীকৃষ্ণগী বিলাস কৌবা শ্রীমূর্তিনি, বৈলাসদা, লৈবা ...।

মসুম তৌদুনা বৈজ্ঞানিক ভিত্তিদা তুলনামূলক সমালোচনা তৌবগী চিংনবা য়াওদনা সংসংনা খংলে, মাহুদি—ভাবতনা হনথবা মশুমদা মণিপুরনা চাওখৎলি মালিগী মৰমদা চিংননবা মমম লৈতে। মাসুম তৌদুনা ভাগ্যচন্দ্রনা মণিপুরব চাওখৎহল্লগা গৌড়দেশদা চৎতুনা ভাগবতধর্ম্মবু অমোক হন্না লিংখৎলুই।

ভাগ্যচন্দ্রনা বাঙ্গালাদা গৌরধর্ম্ম অমোক লৌনা সন্দোকপা

মাসুম তৌদুনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পাল্লিংদা মবান য়াম্না লৈরবা কোকপে কৌবা ব্রাহ্মণমচা অমা বথদণ্ড তৌখি, মাবু কনবা নংহৌদবদগী নিংথৌবেন অসিনা মহারাজ মুংশিরবা মবৈবাক থাদোকতুনা মবুডো শ্রীগোবিন্দবু থনমগা ঐনা শাসন তৌবা লৈপাক্তা ব্রাহ্মণ হাৎলে, হাইদুনা তীর্থদা নবদ্বীপ শ্রীধামদা লেংখি।

মতম অসিদা নবদ্বিপতি গৌড়ীয় ধর্ম্ম অসি মোসলমাননে শাক্তনে অনিগী পুকচেল কত্তবাদগী নুপথাখদুনা লৈরমদে। ভাগ্যচন্দ্রনা গৌড়দেশদা অমোক হন্না গৌড়ধর্ম্ম লিংখৎলি। ব্রাকম অসি গৌড়ীয় ধর্ম্মগী ইতিহাসদা লৈ। মথৎদা মচাইপুডা চৌড়াচত মহারাজনা নবদ্বিপতা লাক্লগা নদেশ নিমাই শ্রী বিগ্রহ অসি লৈবোনচনখিব। লৌখৎতুনা নবদ্বিপতা গৌড়ধর্ম্ম অমোক লিংখৎলি, মাসম্ম গৌড়ীয় সম্প্রদায়গী ইতিহাসদা মী পুম্নমকনা উমশিলনি।

মাস্কুম লৈতুন পলাশীগী যুদ্ধক্ষেত্রদা বঙ্গালী মাইথিবা কুম অসিদা মণিপুরদদি গৌরশ্যামনা নিংথৌ ওইহুনা পাল্লি। মতম অদুদা মোইরাং নিংথৌগা গৌরশ্যামগনা যড়ৌ তৌহুনা ভাগ্যচন্দ্রবু হাৎনবগীদমক তেখাও নিংথৌদা ভাগ্যচন্দ্রবু হাৎলু, মাদি "নিংথৌ নংদ" হাঙ্গীনা চিঠি পী। তেখাও নিংথৌনা শরণাগতবু হাৎপা তৌনদে, শাস্ত্র য়াইদসা অচাওবা মচুম তারিবা শাবমদা থাজিল্লু, শামুবু হাৎহল্লু, মানা চুমলগা শাম্মুনা হাৎলোইদ্রবদি, অসি হাঙ্গীবে। লৈপাক মীয়াম তিল্লু, ভাগ্যচন্দ্র। মচুম তারিবা সম্মু যাইশা অচাওবগী শবমদা মথন্তা চংহুনা থোবীনা শামুবু খুবো চনখি। মাহুক উবদা তেখাওগী নিংথৌনা 'নং নিংথৌ চাল্লবনি, ঐ মী পীগে নরৈপাক হুজিল্লবা লান তৌক' অসি হায়না তাল্লে।

ভাগ্যচন্দ্রন—"ঐগী লৈপাক্তা চৎতুনা ঐবু প্রজানা নুংশিবনবা? এংলুথিগে, অদুগা কোল্লা লান তৌগে" হাঙ্গীবে। ভাগ্যচন্দ্রনা মণিপুরদা লাকতুনা হাও সাহুনা চৎতুনা এংলৈ। লৈপাকনা মাবু নুংশিবা উবহুনা অমাক তেখাওদা হল্লকই। মহাক্না মণিপুরদা লান তৌবগে হাঙ্গীহুনা লাম্মী খোমলে। মতম অদুদা মণিপুরদা গৌরশ্যাম নিংথৌ শিবে হায়বা পাও তাবহুনা ভাগ্যচন্দ্রনা খোরকতুনা লান তৌদনা মণিপুরদা নিংথৌ ওই, অদুগা খৃষ্টাব্দ—১৭৫৯ দা কখান তোংই।

মাসিদগী চিংনবা লৈতনা খংলে,—খৃষ্টাব্দ ১৭৫৭ তা পালাশীদা বাঙ্গালীনা মাইথিবা কুম অদুদা ভাগ্যচন্দ্রনা তেখাওদা শামুদা পরীক্ষা তৌই। মথংগী চহিদা মণিপুরদা নিংথৌ ওই মাহুগী মথংদা কখান তোংঈ মাস্কুম তৌহুনা ভারতা মথং মথং হনথবকপগী মতুং ইন্না মীতৈনা মথং মথং হেনগৎলকতুনা খৃষ্টাব্দ ১৭৭৬ তা ভাগ্যচন্দ্রগী প্রেমভক্তিনা থোড়ী ওইহুনা শ্রীগোবিন্দনা—অদুবৈ দ্বাপরদা অর্জ্জুন্না বভ্রুবাহনগী খুত্তা মণিপুরদা তুরবদা কুন্তী, যশোদা দেবকী অমসু ভীম পুত্রনা গরুড় তোংহুনা মণিপুরদা লেংলকপা হিয়াঙ্গে থাগী শুক্ল দ্বাদশী অযুক্তা থুংলবা থাং তিথি অমসু পুংকম অদুনক্তদা আবির্ভাব ওই।

১। ভাগ্যচন্দ্রনা মাগী মবুংডা শ্রীগোবিন্দদা সংকীর্ত্তন তৌবগী মশক ওইন—রাস,—মহারাস বসন্তরাস অমসু কুঞ্জরাস কৎতুনা শ্রীগোবিন্দব উপাসনা তৌরমই। মাহুদা ভাগ্যচন্দ্রনা কৎপা সংকীর্ত্তন, রাসসী অহু মহাকনা নোনা হৌদোবপনি হায়না মীতৈনা মহৌশানা তৌনবপা লাইনিংথৌ লাইরমদা তৌরম্বা তোকতুনা শ্রীগোবিন্দ বাংসম্বা হাঙ্গীন—হোৎদোকপর্তনি। মাহুদি শ্রীধরস্বামীপাদনা শ্রীভাগবতকী ব্যাখ্যা হৌগৎপদা হায়রমই,—

মাধবোমাধবাবীশৌ সর্ব্বসিদ্ধি প্রদায়িনৌ।
বন্দে পরস্পর পরস্থানৌ পরস্পরমতিপ্রিয়ৌ॥

১। মণিপুরদা বভ্রুবাহননা হাৎতুনা আর্জ্জুন শিবা মতম
"অনেকরত্ন সংযুক্ত একাদশ্যাং নিশামুখে।
কার্ত্তিক মাসি সৌম্যো খক্ষে চৈবোত্তরা।শুধে॥

ছে লাইগী পারিচা, মমোল্লোই অপুম্বা ! মথাম পুম্নমক লেংসিনবিবকউ। "সাহিত্য পরিষদ" বী অর্থ সাজিনজবি। মীওইবগী রাখল্লা সাবা হিরম ত্যথবা লাইবিবপু সাহিত্য কৌই। সাধা রাহৈগী মকোকথবা "সা" হিকমগী "হি" তাহবগী "ত্য' ময়েক অহুম্না সাহিত্য ওইরে। সাহিত্য পরিং সনদোকপা মীশিংদগী সংবংপা মী সিংবু পরিষদ কৌই। পরিংগী "পরি" সং-কংপগী সদ্ নত্রগা 'ষদ' লৌরগা পরিষদ থেকথি। মযামনু কৌসিল্লবা থৌরাংরনগী থবকাস লাইবক কবদগী খাই মনাই ওইববা ঐগোন্দা পিনবিবে। খুদা মবাং কাযদবগী রাঃবৌবিগনু। মৈতৈ সাহিত্য পরিষদ লিংবা চহি ২৫ শুরে। চাহ কুম্মডা কাযদনা লৈবকপাসিনু লুপাকংবমুক হবাওব (Silver jubilee) কৌনৈ। চহি ৫০ শুবগা সনা কংবমুক হব ওবা (Golden jubilee), চহ ৬০ কাংত্রগা হিরাথংবমুক হবাওবা Diamond jubilee) কৌনৈ। ঐখোয পুম্নমক্না হিরা থংবমুক হবাওবা থেরবা ইপু খা পাখংবদা নিজ স।

অহনাসিংনা চাংনাই "মালপুংদা সনাপ খী চৌই, মসা মবি লোংলগা মীবৈপাক্তা তাথি।" মথমাসিদা সনা পান্দী হাংংবসি "ধব" বেদংনি, মসা মরি হাযবনা ঋক্, যজু, সাম, অম দ অথবব বেদ মবিসান," পুবাণ সিংন মসা-মবেংনি। লাইবিক হাযবসি লাইগি ঋক্ বেদবু খংনবদগী ল ইঋক্ নত্রগা লাই বক কৌথি। মৈতৈগী "লৈথক-লৈখাবোণ" লাইবিক অহুদা লাই-বোণ অমা যাওবি; লৈথক লৈখাবোণাস ঋক্ বেদগী শকক অমনি হাযবা যাই। মৈতৈনা সভা ানবদা লুহোংবগী অমাদ শ্রাদ্ধগী হরি সংকুতন হৌবমদাইদা লাক্লিব। ভাবোকতা লৈ-চান্দান অহুগা পানাতাঙ্গা অমা কংনৈ মৈতৈগী চংনবিহু কাযদনবা ওসিগী সভাদা তোল্লবা ইনা লৈ-চন্দান্ কংচবি। অচম্বা লৈ চান্দাণদি পামজদবদগী লৈথক-খৈখাবোণগী লাইবোণ অসিনা লৈ-চন্দোণ ওইনা খাইগী সনা খুত্তা ক চরি।

লাইবোনসি লৈসেমগে হাযহনা শুকসিদবনা নিংলকপদা শুকসিদবগী সনাচিনবান্দগী থোক-খিবা রাকৈনি, মথম অহুনা লাইবোন্ আসবু ঐহাক্না লৈ-চন্দোণ ওইহনজবে।

লাইবোণ্

"হবেতি উইতে, মীগী—হিং মীহিংসং।
চিংতেতে চিংতেতে নপনু ॥
শ্রীঁ ক্লীঁ গেথুংলেঙ নৌ স্বহা।
শ্রীঁ শ্রীঁ সননুলিং কায় গাওবিলু ॥
লক্লা পুন্ স্বহা।
হোংতা গাঙ্বিলু নুংচিংলেন্ পুংলিহ ॥
উইতে শুংতালেঙ্বী স্বহা ॥"
থুপমু ঙাক শ্রীং ক্লীং নোংতা ॥"

লৈ চন্দ্রানগী মমম মশক থংবা ওমদনগুম লাইলোনদুগি অর্থ পায়রদে। লৈ চথোকলগি হায়না কৌবিউ।

হে আরিচা পুরুষক। ময়ামবু শৈহাক্তা মতাং অজিদা আরিচা হায়না কোল্লোই থিংগোলংজবি, মরমদি ওক্কসিদবনা মচা ইবুঙো অভিয়াদা তাইবং সেম্বা আকপিরবদা আরিয়ানা খৌজম্ থংজিনা ওক্কসিদবদা কর…। তাইবং সেমগদগে হংবা লাকখি। মাগী থুংবংনবা উরগা, ওক্কনা হংখি "ঐহাক কনানো?" আভিয়ানা খুমখি "নহাক্তি ইপানি।" তাইবং মপুনা মোমোন নোক্কদুনা হায়খি "ঐদি আরিবানে, ইপাবু থংলে, নমিং পাথংবা কৌরসনু, ঐনা নবু তাইবং সেমনবা থবক্কী শিং "অশিবা" কোল্লোই থোক্লগে।"

ঐখোয় পুমনমক আরিবাগী মচানি, মরম অহুদগী আরিচা (অর্য্য) হায়না মাপু ঐনা কৌজবি। আরিচা ঐখে যগা হিংচাবাগা তৌনখিবা লালবু মহাভাবতনচিংবদা আর্য্য অনার্য্যগী লান অবদি লাই হিংচাবগী লাল হায়না ইখি।

লৈ-চন্দ্রাননি কৎলবা মতুংসিদা কা মগুং মঙা হায়া নাথৈ তরেৎ হায়া, লা-তাঙ্গা মবোল অহুমনা লখাং হায়া। গুনু যাওদবা পানা তাঙ্গা কৎচবি। কা মগুং মঙাদি পাথংবনা মঙানা সাজগে। সালাই তরেং খাক্তরুগী লাইবৈমা তরেৎনা পানা নাথৈ তরেৎ, তাইবং পানবা মপুগী মিংথৈ অহুমনা লাখোল অহুম্ রাক্লোই নাপু মায়রকপালিংনা পানা থানেচিংবা ওইহুন্তুনা থাইদা কচ্ছমি।

প থংবা মঙা হায়বদি—তোমাপোক পাথংবা লৈসুং লোঙ্গা পাথংবা, লিলতা পাথংবা, লোলাং পাথংবা অনম্নুং নোংদা লাইরেন পাথংবা অস্নিনি। আভিয়া সিদবা অমদি অসিবা পাথংববু তোম্পোক পাথংবনি কৌজরি। হৰি চক্কতা [সত যুগ] লিগ্রী লৈমা লৈতং নিংথৌ চনুগী মচা ইবুঙো অমা পোকখি মমিং কাংবা—কাংখল কৌখি। মাহাক অসি কংলাদা নিংথৌ ওইখি, মাহাক্কী মাইবাগী মমিংদি সাবগাপানি কৌরমই। নোংপোক ইংখোন্দা যাতাখি, মনযাই লৈমা [কামধেনু] লোইরমই। মাহাক্কী মতমদা মীওইবনা চাহুম চারমই, মক্কিমরোল চাং পাৎথিদগী সেৎলমই, মী সিরগা মৈ থা না পোৎলোইরমদে, সাগৈ সালাই থাইরমদে। অহুবু লাইনিংবদি মতম অসিদগী হৌরে। মাহাক্কা তাইবং পানবা সেম্বা, ঐখোয় পুমনমক্কী ইপা অমা লৈবি হায়বা কোংদাকখি। ইপা অহুগী "হী" [শক্তি] না ঐখোযবু সনদোকপনি অহুদগী "সন্নমহী" হায়না কৌনখি। ঈশ্বরবু "সন্নমহী" কৌবদগী কাংবা কাংখলবু কুইশ্রব মতমগী পাথংবনি, অমদি মপা থংবনি হায়দুনা লৈসুং লোঙ্গা পাথংবা থোনখি। চান্নমদি হৈজাং নম্বোলবী অমসুং লমহৈজাংনা মঙ্গ ওইবা চিঙ্গাক চাদুমনি। মাদু নিংসিংনবা মৈতৈনা থাইদা হৈজাং কৎলগা পেল্লি হায়দনা, হৈজাং কৎনরক্লি কিজেৎনা উনা লেংদুনা লেৎলমই। মদু থংনবা পুজাগী চফু [ঘট] তা হৈনামনা লেংদুনা সেৎহল্লকই। হৈজাংসি সংস্কৃত লাইরিকী জম্বুফল ওইগদ্রা তাঙ্গে। জম্বুফল চাবদগী জম্বুদ্বীপ কৌনখি।

হায়াচকৃতা মথিব কম্বানচা পানখি, পাইরকপা খোংথং থাইখি। মাহাক্কী মহারাণীগী মমিংদি ভরুণ-থাউচোনবী কৌখি মতম অসি কাওবা সাইরেংলাই থাবরমদে, সিরগা পোৎলোইরমদে।

মহাক্না ঈশ্বরবু "সবেগ অচিবা" খোল্লমই। সবেগ অচিবগী অর্থ দি হকচাং লেন ওইবা অমসুং মাঙোন্দগী জীব পুমনমক চিথবকপা হায়বনি। মাহাক্না ঈশ্বরবু সম্নমহীসু কৌখি। লিলগী মরৈ অনি লোংবগুম ল্লা অনি ভাংই হায়বদগী মাগী মমিং "লিল পাখংবা" লিলহা পাখংবা খোনখি। মাহাক অসি নারদ উপগত পুরাণদা শ্রীরামচন্দ্রনা অযোধ্যাদা পানবা মতমদনি হায়বি। মুনদি মুন্দ্রগা মুনগদবগুম ৬৩ৌবা উইৈবু লোলাং শাবা কৌনৈ। মথদা পাখংবা মযাম ঙাকখি—মাখোযবু লোলাং পাখংবা কৌনখি। লোলাং পাখংবা সিংগী মনক্তা মোইবাংগী সিংতসং অমনি। মাহাক অসি চহি ১২০০ [লিচিং অমগা চাম] পুনসিংখি হায়রনৈ। মাহাক্না তাইবংগী মপাদি ঈশিং [বিষ্ণু] নি হায়বমই। মতাংনিংথো চাহ ৫০০ [চামঙা] পুনসিখি, মাহাক্না তাইবং সেম্বা মপুদি মতানগী মশাকনি হায়খি। লুবাং ।০ থা চহি ৫০০ পুংসখি, মাহাক্না তাইবংগী মপাদি অরাংবা অতিয়ানি হায়খি। খুমন • খাচহ [৩০০] চহুম পুংসিখি মাহাক্না তাইবংগী মপাদি অমম্বনি অমদা পাংবত্রলনি হায়খি। খাবগী মীসংনা তাইবং পানগী মপাদি নোংচুপ আবিবা নোংচুপ লোমদগী চঙ্কবা। নেংচুব নংশংসনং । খ। সেম্প্রং নিংথৌনা সুমৎ হায়বসি জগৎকী মপানি মাহাবপু সুমিৎকী মচা (সূর্য্যবংশ) নি হায়খি। মাহাক্না পোকামমবা কুংত্রংনা জগৎকী মপাদি থানি মীওইবসি থাগী মচানি, মাগী শাগৈবু থগী সাগৈ [চন্দ্রবংশ] নি হায়খি। মাহাক মহাক্না থাজবাগী মতুং ইন্না অমা ওইববাসু অমা ওইবনসু তাইবংপান সেম্বা সিদবা নাদবা মপু অমা নৈ হায়নদি বনানসু হায়নমদে। হায়বিবা মথাম অসিবু লোলাং পাথংবা কৌনখি। মমৈ-থদা মুসলমানসং। মখুদা 'অল্লা' না ঈশ্বরনি হায়বৈ। অহে আসংনা পাঙন [মুসলমান] গাসু মৈতৈগা লিন্নবা যানবা লোলাং পাখংবা হায়বা অমাসু মমিং থোন্দুনা ঈশ্বরবু কৌখি।

খৃষ্টনা পোক্কদবা চহি ২১২ রুম্পিদৈদা সেম্প্রং পাখংবাগী মচা নিংথেম পোকখি। মমাগী মমিং সাবিত্রাক, অঙ্গমন অবৈনু হা নসু কৌবমই। মাহাক্না অপানবা, অব্দবা পুমনমক তৌদোক্লমই হায়দুনা, মগী মমিং অপানব—অব্দবা পাখংবা কৌখি। মাহাক্না সন্দাক্লম্বা ধর্ম অহু মৈতৈ পুম্নমক্না শানখ। মাহাক অসি নেংদোনদগী লাইনা মীগী মশক লৌদুনা লাকপনি হায়না মীনা থাজনখ, মবম অহুদগী মাগী মমিং নোংদা লাইবেন নিংথেম পাখংবা খোনখি। মাহাক্না তোমফাং পোইবৈরানগী মচন্ লাইসনাবু মৈতৈ লৈমা (মহাবাণী) ওইনখি।

ইউ রাউ তোমফাং পোইবৈরেতোনসি, মৈতৈ লৈপাক্কগী চৎ খদুনা মীবৈপাক্ত লৈকবা মী অমনি। মাহাক অসি খৃষ্টনা পোক্কদবা চহি ২১২ রোমগী মমাংদা পাল্লম্বা চীন লৈপাকী নিংথৌবেন ইউ-রাং (yu wang) গী সাগৈ ওইগদ্রা খলই। পোইবৈতেন অনিগী মমিং মৈতৈ লাইনিক্তা পনবা উই। পোইবৈ-তোন শব্দাসগী অর্থাদ পৃথিবীদা পোক্লকপা নাহা ওইবিববুসু খংনৈ। অতাং পিশক জ্ঞান খব খব য়ারকপা মীবুসু পোইবৈ তোল কৌই। ঈশ্বরগী মবমদা যুম্না খংত্রবা মীবুসু পোইবৈতোন কৌনৈ। Stranger [মশক খংদবা অবাকপা মী] বুসু পোইবৈতোন কৌনৈ। পোইবৈতোনগী অর্থ তেংভান শক্তাঙাল্লি।

নিংথেম পাখংবাগী মরইখেংফা নত্রগা তেমগবু পোইবৈতোন কৌবসি Stran[ger] [মশক খংদবা অবাকপা মী] গী অর্থ নি। পোইবৈতোন তোমফাংসি লোংবান অঙোমগী লমদা হায়া থ

অসি চীনা মনূরবদি ব্রহ্মদেশগী মী ওইবাসু য়াই। মতুংদা মৈতৈগী লুরাং লানাইবা তিনখি। লুরাং শব্দসিগী অর্থ লোরবাদি চীনগী মী ওইরম্বা তাই।

নিংথেম পাখংবনা হায়খি "তাইবংপানগী মপা অমা লৈ, মৈ, ঈশিং, অশিবা, মঙাল, কুংশিং লৈপাক, নুংসিং, খা খোয়ানমিচাক, লেংলি পাল্লিবা পুম্মমক মাঙোন্দগী থোকপনি, মাঙোন্দা তাইনতুনা পানবনি, ঐখোয়না উরিবা তাউবিবা লোইনবিবা লাই—তাউনাইনাট [জগৎব্রহ্মাণ্ড] অসি ই তো মাহাক্কী থুনেংনি। মাহাক অত্তুগী মমিনা মৈশা [energy] ওইতুনা থরাইপানবগী মশাদা মাহাক চংতুনা লৈ। মমিংদুন মহাক [আত্মা] কৌই। ইবুঙো মাহাক্কা মিবেননি মহাক নত্তগা মৈথানা [আত্ম]না মমিংনি মহাক সম্নমচীনি, সরেণ অচিবনি। মাহাক্কা লিলদা চংতুনা লিলগী নিংথৌ, শাদা চংদুনা শাগী নিংথৌনি। জীবগী নিংদোম্বা থৌই হাবদনা মাসু নিংথৌ কৌই। "হা নিংথৌ তংকাওবা কবম্না কাওবা মকাওনো কুকক কুকক খংলাত। হানবদি ইবুঙো মাহাক্না, জীব খেংসাবদা থৌবিবানি কুকক কুকক হায়না চিত্তল চোংতম্লিবনি খংউ।" অসিনচিংবা ধর্ম্ম সন্দোকতুনা মগাম্সু অমতা ওইহনখি। মগাম পুমনমক অমতা ওইবে হায়বা অত্তু মৈ চিকতুনা য়াশকনখি। মৈ অত্তু মবাই পোইবৈতোম্না মৈবা চিংদুনা চৌগৎখিবনি। পুংগ্রেদা হৌজিক কাওবা মুত্তুনা লৈরিবা মৈসি য়াশক মৈত্তনি।

মহাক লৈ হায়বা যাবগি দমক সাগৈগী মমিংদ "ম" অমমম্ হাপখি। খুদম :—য়েংখাম্, হাওবম্, ঙাংবম্। সাগৈসিং অসিগী মমৈদা "ম" অমমম হাপলিবাসিনি। য়েংখোমনা নিংথৌজা সাগৈগী পুংকাকনি। অহানবা নিংথৌজা সাগৈ তাবা হৌখিবনি।

কা মণুং মঙাসি কৎচবে। হৌজিক্তি পানা নাথৈ তবেৎকী য়া হায়জবগে। লাইসনাবু বুংহোগী অহেলবা লুপীনি হায়তুনা হেল্লেই উপাধি পিখি। হৌজিক্কী মতমদা ভোট পীবা চাবিবাসি মৈতৈনা থামনা থাইনাইদগী হৌগ্রে। লাইসনানা লাই অয়েকপা ৭ [তবেৎ] থম্লগা লাইবৈমা মকাক ওইবী তবেৎপু কেলহনখি হায়বদি মাখোয়গী ভোটকী Symbol [খুদম] ওইহনখি। লাইবৈমা তবেৎ অত্তুগী মতুং ইনবনা সলাই অদু ওইখি।

খুদমগী মশক ওইনা হৌজিক মতমদা "ষণ" লোকপদা ভোট থাদরগা কংগ্রেসগীনি অসিনচিংবা হায়বগুম্, খাবা সলাইগী খুদমদি কৈ মকোক পানবা 'লাই' লেকপা অমনা ওইখি। মাদু হেক হেক কোনবা অদু খাবা সলাই ওইখি। লাইবৈমা অমনা মাদু কোন্দুনা থনমই। মাসুমনা ভোট খেস্বা নত্তগা সলাই খাইবগী থবক হৌদোকলম্বদি ইবেম্মা লাইসনানি॥

মমৈথদা মত্তু থুইনিডোম্বনা মবেলাথৌ অসিব লাইখুরোম্বীগী শাওননি নিংজখি। লাইখুরাম্বীগী অর্থ দি দশভুজা দুর্গা হায়বনি। কাং শান্নবদা মী অমনা মী তরেৎকী কাং পান্নবা ওন্নবদি মম্বা কৌনৈ, খুংলোম্বী নত্তগা খুবাম্বী অত্তুগী অর্থনি, পাথোম মযামগী থবক ওম্বা হায়বানি। ..শুগী হাত্তক্তা শিব-দুর্গা নিরো হৌখি। মাদুগী মমাংদা পাখংবা ধর্ম্মনা মন্ন ওইর হায়রব্ ... পাখংবাবু শিবনি হঙ্গখি।

তরুন খাউচোমবী

খুরাইজম শ্রীতেম্বা সিংহগী ভাষণ

(নগাঁও জিলা ব্রাঞ্চ)

হোইকায় খুরমগী মশক ওয়রবা সভাপতি অমসুং চীফ গাষ্ট চীফ, মিনিষ্টার অমসুং সাহিত্য প্রেমী, মীয়ৈ অসিদা তিনথিরিবা ইপা ইপল্ ইমা ইন্দল, ইচল, ইনাওশিংগী মফমদা— মণিপুরগী মাপালদা উপা মৈতৈশিংনা খুন্দাখিবা আহানবদা ৺ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী ময়াম্বুংগী মচানুপী রাণী কুরঙ্গ নয়নীগী মাহুন্তা আসাম শিবসাগরদা মৈতৈ খুনতাখি। মতুংদা কাছাড়, ত্রিপুরা, অকোন্বদা নগাঁও জিলাগী থংলম্নসু খুল তাখি।

মতুংদা ওদা তারিবা মৈতৈশিং অসি চহী ৪০/৫০ মা রোম সুরে। চহী ১০/২০ দী য়ুমকম ছেম্বা পুনশিং টাকৃপী হিংননবা লৌউবা, জঙ্গল কোকপনাচিংবা থৌরাং হোৎনবদা মতম চংখি। অতুগী মতুংদা ৷ইরিক লাইওগী থোইদোকপা রাথল তৌননগী মতম রাথল ফংখিদে। মতুংদদি থরা রাথল লাক্‌-'দগী লাইরিক লাইও তমননরকলে খুনশিংগী মরক মরকতা এল,পি অতনা মীগী মরোল্দা লিংনরকলে। ৷গী মরোনদা অসমীয়া লোনদা মংগী মওংদোনা লাইরিক তম্‌মক্‌লে। কাছাড়দগী লাক্‌পদদি বাঙ্গালী স্নান, অতুগা অসিদা লাকলগদি তেথাও মরোল শুন্‌গোকপন ভাওনরে। ভাওনা ভাওনা পাথৎনরক-'াদগী হুজিক্তা এল পি স্কুল থরা এম্ ই স্কুল ২। ৩ লৈরে। মথংদা হুজিক মেট্রিক, আই এ, বি এসু 'শমানি য়াওরকলে। অতুগা হুজিকী মতমদা ভারত ডোমিনিয়নগী মতুংদা লৈরিবা চাওথংলকনব জাতি গাহাক্‌ মহাক্কী ইমা মরোলনা লাইরিক লায়ও তমনরকপা অমসুং চাওথংলক্‌পা অসি উবদা ঐখোই া মপানদা লৈবা (হোজাই, লাঙ্কাদা) লৈরীবা মৈতৈ থরানা মণিপুর ইমাগী তমপাক্‌তা চাওথং-ইবা মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী মতেং অমসুং ফিদম লৌবনা থোকই মীপুম অয়াম্বানা থরে। ৗগী মতুং ইন্না চংখিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী চহী ২৬ শুবা অধিবেশনদগী থরা থরা মবী লৈন-চই। মরী লৈনরে, লৈনৈ হায়রবতনি, ঐখোয়না মীগী মীরৈপাক তাংবদগী মরম পুম্নমক্‌তা পাঙ্গল ম সুপ্নানকী মতম অসিদদি ফংদে হায়রবদা হেনজিন্না হায়রবা চিংলোই।

মওং অসিনা করম তৌরগা ঐখোইগী ইমারোল অসিবু মীরৈপাক্‌তা লৈত্তনা উত্রবদা এল পি স্কুল া ওয়রবসু পুশিলদবা য়াত্রবনি হায়না থন্‌জে। অতুগতা ঐখোইগী জাতিগী বৃষ্টি ভাক্‌পা তমগনি না রাথল তৌজে। থন্‌জবতামত্তায় হায়দোকপদি য়াম্না ইকায় অমসুং পুক্‌নিংদা সুংশিজে মীগী ৷লদা লাইরিক লাইও তম্বদা, মীগী মরোলনা পরিক্ষা পীবদা নত্রগা কনাগুম্বনা ইমালোন্না ম অমা তপ্না পরীক্ষা পীবা তারবদা মওং চানা লোন থংদবদগী পরিক্ষাদা মওং চান' ''' তৌবা

অমহিকস্থ লৈতে হায়রবস্থ য়াই। মরম অসিন ঐহাক্ত মণিপুর সরকারগী মতেংবু মণিপুরী সা পরিষদতা নিজরি।

ঐন অমত্তং হাইজনিংবদি মণিপুরদ লৈরিব রেডিও ট্রান্সমিটাবগী মরমদনি। হৌজিক্কী চাও মীপুম্বন রেডিও সেট য়াম্না সিজিন্নরে। লোন শন্দোকপা অমস্তুং চাওখৎহনবদ রেডিও হায়বসি কান্নরব অকনব থুৎলাই অমনি হায়ন নিংঙ্গৈ। হৌজিক্কী মণিপুবদ পিজিন্নরিব ট্রান্সমিটারগী (য়াম্ন সোল্লে। ত্রিপুরাদ লৈরগ মণিপুর সেণ্টারগী রাঙাং তাবসি য়াম্ন য়াই অমস্তুং অরাম্বা জেনারেল সেক্রেটারীগী রিপোর্টতা মণিপুর সেণ্টারগী খোল্লাও কনখৎননব হোৎনবে হায়ব ঙা সুংঙাইজরে। অত্থমকপু ঙসি ঐহাক্ত অমুবক হয় হায়জরিব অসিনি, মণিপুর সেণ্টারগী খোল্ল কনখৎহনবিত্থন লোন তমনব অমস্তুং শন্দোক্তব special programme অমা থমবিনব সাহি’ ষদন হোৎনবিয়ু। ব।

মথংদ ঐহাক্ত হাযজগদবদি মৈতৈ লোনগী তোঙানব কোস থমবিত্থন পরীক্ষা লৌবিবা। সোৎথব মীগীদি মৈতৈ সাহিত্যসি মথং মনাও নাইন সিলেবাস থমত্থন তমলবদি অমস্তুং পরীক্ষা থারং য়াম্ন কান্নগনি হাযনা নিংঙ্গৈ। ত্রিপুরাদ লৈজরিব ঐখোয়গিদি হাযজরিব থৌরম অসি শিনবিবৎ লোন চাওখৎপদা কান্নবগী ঙমখৈ লৈবোই।

অবোইবদ ঐহাক্ত হাযজগদবদি মৈতৈ সাহিত্যগী সিলেবাস শেমত্থন পরীক্ষা লৌবদ অমস্তুং ফং মতেং ওইনব মৈতৈ লোনগী প্রচারক নিযুক্ত তৌবিব। অমদি মৈতৈ লোনগী প্রচারক্ত তমবিদো মৈতৈ লোন অসিগী ময়েকতী ওমলবদি মৈতৈ মযেক ওইব পামজৈ। নৎত্রগা প্রচারক অপুম্বন মে লোন তমবিবগ লোয়নন মৈতে মযেকস্থ তমবিবা। হৌজিক্কী মতমদ মৈতৈ ঐখোয়গীদি লপী হৌন তক্ক মৈতৈ মযেক তম্ব মতম য়োরে। কবিগীনো হাযবদ মৈতৈ ঐখোযগী লোন, সাহিত্য কলচার থাইদগী তোপ্প রাংন লৈববদ মযেকত ঐখোযগী ময়েক লৈন লৈন মীগী ময়েক হা’জব ইকায়ব অমনি। ত্রিপুরাদ Bengali ইমান্নব মবাম্ন নখোযগী মৈতৈ মযেক লেতে অমস্তু’ মৈতৈ রিক অপুম্বা Bengali ময়েকত ঈ হায়ত্থন নোকনৈ। অসিস্থ মীমা’দ যাম্ন চকাইব অমনি। মণিপুবী সাহিত্ত পরিষদন মক্ম মক্ম থুদি’দ মৈতৈ লোনগী প্রচারক নিযুক্ত তৌবিগদবনি অমস্তুং ময়েক তমবিত্থন মীমাংদ মৈতৈ মচা কনাগীস্থ মতুংদ শোৎথন লৈতে হায়বগী প্রমাণ পিবিগদবনি। অসিদ সাহিত্য পরিষদন মকোক চিংন সিনবিরকলবদি য়াম্ন য়াংন থবক মতোল লোমগনি থনজৈ

[তাং ৪ গী অকোংবা সভাদা পীখিবা ভাষণ]

সমাজগী শক্লসা রা খরা হায়রখ্রে; সংস্কৃতিগী মরমশ খরা হায়রজরগে। সংস্কৃতি হায়বা অসি সমাজ অমগী মীয়োনশিংগী মথং মথং পূর্নশিল্লকপা চৎনবী, ঋচি, শারুক, রাতাং শাতাং, খুৎশাহৈবগী থবক, য়াথলমথল, সমাজ অত্তুগী মসুংগী চাওখৎনবগীদমক তিংখৎপা মরূপ, মুরান কৈবান, কিজেৎ চাকচা, মথং মথং চথরকপা য়ারী অসিনচিংবদা উৎপা অপুনবা পোৎ অহুনি। মীওইবনা নোংচুরগা শুকংনচিংবদা চওহুনা মশাবু কন্নবা তৌরমই। চাওখৎলকপগী মতুংইরা মুম শাহুনা মাত্তুদা লৈননবা তৌবকই। মীওইবনা লামলবা মতমদা চাননবা পোৎথিহুনা অরাম্বা কোন্ননবা হোৎনবমই। চাওখৎলকপগী মতুদা কন্নমনা খোংহুনা চাবগা হাউবা হেনগত্নগে হোৎনহুনা খোংবগী মহৈ তৈরকই। অসিগুম্বা অাস সংস্কৃতিনি। মাসি নোংমগী মসুংদা নত্রগা মীয়োন অমগী মসুংদা মপুং ফাদে। Eliot না হায়, মাসি উ অমগী মতৌগুম্বনি। ঐখোইনা উপাম্বী অমা হৌবা পান্নবদি নোংমদা হেক শাহুনা ওইহনবা য়াদে। পাম্বীমচা অমবু থাহুনা মাত্তুবু ঈশিং চাইবগা শা শম্নচিংবনা শোক্তনবা চে কশিনবনচিংবা তৌবগা মতমগী মতুংইন্না চাউ-খৎলব্রবা মতমদা ঐখোইনা উপাম্বী অমা ফংগদবনি। মতৌ অসুমনা সংস্কৃতিসু মীয়োন কয়াগী মতুংদা সমাজ অমগী মসুংদা লৈবা মী পুমনমক্না মথং মথং হাপচিল্লকপা যাঙ্গ ময়াম অত্তুনা পূনশিন্নগা সংস্কৃতি ওঙ্গরিবনি।

মণিপুরী সমাজবু পরীক্ষা তৌহুনা য়েংবা তাববদি নিযম নত্রগা তত্ত্ব খরগী মতুং ইন্না লেংবা তাই। সমাজগী অচৌবা সমালোচক Bernard show না তত্ত্ব অনিথক লেপ্লগা মাত্তগী মতু ইন্না সমাজ সংস্কার তৌননবা হোৎনবমই। মহাত্মা গান্ধিনা মহাক্কী অরংবা তত্ত্ব খবগী মতুং ইন্না সমাজগী সংস্কার তৌবমই। মহাপুরুষশিং অসিনা লেপ্লম্বা তত্ত্বগী মতু ইন্না সমাজ অসি পরীক্ষা তৌহুনা যেংসি।

অহানবা তত্ত্ব—চীনগা খুৎকা মান্নগদবনি। অসি তৌবা চুমই হায়না ঐনা থাজরবা অমসুং হায়রিবা অত্তু থবক্তা শন্দনমক ওক্তোক্কদবনি। ময়ামগী মমাঙদা অচুম্বা পোৎ অত্তু হায়রদবা ওমদহুনা হায়বা, থবক্তদি তৌদবা অসিগুম্বা মীবু মপুকশংবা মীনি হায়বা য়াগদ্রা? অয়ুক মুংথিন্নদি চান্দান নিংথিনা থিন্দুনা অমসুং মাঙা পায়হুনা চৎপা সুমিদাংদদি ওক্তবা থবক তৌবা মীবু অকবা মীনি হায়গদ্রা? শাযানবা শা ওাবু নিন্দা তৌবা অত্তুগা শাগী য়েনশাংবুদি চাগে হায়হুনা তৌবা চুমদবনি লৈপাক অমসুং সমাজগী থবক পুরিবা রাজনীতি দলগী মীনা অরানবা থবক তৌবক্লবা মতমদা মখোয়গী থবক যেংবা ওন্নিবা মীনা দল অত্তুগী রা নিংশিংহুনা তৌকম খোকপা থবক্তগী হন্নবদি মহাক অত্তু অচুম্বা চগা মীন হায়গদ্রা? তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা মীশিংনা অপণ্ডবশিংবু লান্না লমজিংহুনা সমাজগী মসুংদা অশান্ত খোকহল্ল,।

অনিগুবা তত্ত্ব—সমাজ খবা অসি পুল্লপ পুনবা অহিংবা ইম্মুং অমনি। সমাজ অমমা অমগীদমক তৌরা থবক পুম্নমক সমাজ অত্তুগী ফননবত্তা ওইগদবনি। ঐখোইনা সমাজগী থবক তৌরা মতমদা মী খরগী নত্রগা কাঙলুপ অমগী যনমবত্তা য়েংলোইদবনি, অপুনবা সমাজগী কান্নবা য়েংগদবনি। ঐখোইনা কুথা য়েংলবদি ঐখোইগী সমাজগী অপুনবা ওইনা কান্নবা তৌবা

অসি য়াম্না তাওলে ; অরাম্বগী কান্নবগী মিংদা মশাগী কান্নবা খিবগী খুদম য়াম্না তোন্নরনা কংলে। থোইদোক হেন্দোক্না, রাজনীতিগী ক্ষেত্রদা সমাজ অসিগী কিভম য়াম্না কল্লে। মী অমা অনিনা রাজনীতিদলগী চুপ্লাল পাযনন্নবা হোৎনবদা দলগী মসুং মরুদা তকখায়নরি। সমাজগী অকবা থবক তৌগে হায়রুবদি তৌগদবা মীগী মরু ওইবা গুণ অমি চঙই। মাহুদি—পুকচেল শেংবগী মতৌ অমসুং থবক ওন্নগী মতিক পুকচেন শেংলবদি হৈকাস্রবসু হংহুনা থোৎতুনা তৌবগা অমুক অনিবক শোযরবসু অকবা থবক তৌবা ওন্নকই। থবক ওন্নগী মতিক অমসুং বুদ্ধি লৈরবদি থবক্তী মাযকৈদগী গেংলবতুনা পুকচেন শেংদবা অমসুং থবক্তী উতাই চানদবগী ম'তৌদি পঙনা উৎলরোই। মণিপুরগী মীশিংগী মরক্তা পুকচেন শেংদবগী অমসুং থবক্তা হৈশিংদবগী খুদম ফংই। অঙাংনা চৎপা তম্বা মতমদা অডাং মথন্তমক তূই। থবক হৈতবা হৈতনা চৎপা তম্বদি প্রজাসু য়াওনা তুমিন্নবা শোয়দবনি।

অহুমশুবা নীতি—অকবা পান্নে শীজিন্নহুনা অকবা থবক তৌগদবনি ফত্তবা পান্নে শীজিন্নহুনা কংবা ফজদি অকবা ওইনা উববসু অফবা নত্তে। সমাজ অসিদা কবিগুম্ব নিংবা অমা থুং-ননবা তান্নবদা শীজিন্নবিবা থুংলাই অদু অকববা ফত্তববা হাযবা অদুগী মবমদা থোইনা যেং-নদবগী খুদম যাম্না ফংই। মীগী মথক থোংগে হাযনা নিংলবা থবক্তা অমসুং গুন্না মথক থোং-বদি ওমত্রবদা মথক থোংবগী লম্বীদা অপনবা পীবিবা মীবু ফত্তবা পান্নেনা ইস্কনবা চোংনবা অকবা নত্তে। সমাজগী থবক তৌবা মতমদা ফত্তবা পান্নে শীজিন্নববদি সমাজগী মনুংদা মাহু-দগী হিংসা, কলঙ্ক যেংথীনবা, নুংশিনদবা, থাজনদবা অসিনচিংবা সমাজ কাযনবগী মশক ওইবা। পোৎ থোবকই। থোইদোক হেন্দোক্না বাজনীতিগী ক্ষেত্রদা ফত্তবা পান্নে শীজিন্নহুনা মাগী মাগী স্বার্থ থিবগী খুদম যাম্না ফংই।

মরিশুবা নীতি—সমাজদা নীতি শাস্ত্রগী ওইবা লেঙবা যাত্রেনা আদর্শ (Ethical absolute) লৈ হাযনা লৌহুনা সমাজগী থবক তৌগদবনি। থবক তৌবদা মতম অমসুং মফমগী খুদোং-চাবা (expeidency) গী রাথলনা নীতিশাস্ত্রগী অচুম অরানগী মরমদা চিংনবা পোক্লকপা য়াই। মতম অদুদা নীতিশাস্ত্রগী বিরুদ্ধ ওইদবা তত্ত্ব (morality) না মাহুগী অচুম অরান লেপকদবনি। চপমান্নবা মতম অমসুং অবস্থাদা মতম মতমগী খুদোংচাবা লৌহুনা তোঙান তোঙানবা নীতি লৌবদি অকবা থবক নত্তে।

ঐখোইগী সমাজ অসি হৌজিক্তি যাম্না খুদাংথীবা কিভমদা লৈরবনি। মমাংঙৈদা মপানগী মী যাম্না লৈন্নিঙৈগী মতমদা ঐখোইগী সমস্যা অদুপ যাম্না লৈরমদে। হৌজিক্তি মপান্দগী লাকপা মীগা লেপমিন্নবা ওন্নবা কন্না নোম্বা তারে। নত্রবদি ঐখোইগী নোংমা নোংমগী লৈখা তাবা ওইরকদৌবিবনি। অসুক্না, ঐখোইনা ঐখোই ইশাগী কননবা শীনজবা ওমত্রি। সমাজ দর্শন হৈবা Compte না হায়রমই; ঐখোইগী সমাজ বিজ্ঞান নিংথিনা চাওথৎলবা মতমদা ঐখোইনা ঐখোইগী থবক শীনজবা ওমগনি অমসুং ঐখোইগী সমাজগী লাইবক লেম্না ওমগনি। পণ্ডিত অমিনা হায়বা মতুংইন্না সমাজ অসি চাওথৎহনসি হায়রবদি মথাদগী মতোন কাওবগী সংস্কার তৌবা তারবনি। মরু ওইবা সমাজগী সংস্কার তৌগদবদি সমাজগী মী ঐখোয়নি।

হৌজিক্তি মণিপুরগী সংস্কৃতিগী মরমদা রা খরা হায়রগা লোইজরগে। মণিপুরগী সংস্কৃতি অসি হিন্দুগী সংস্কৃতিগী যুক্তমদা অতৈ অতৈ য়ানশিনখিবনি। মণিপুরগী সংস্কৃতি অসি ভারতকী। সংস্কৃতিগী মনুংদা অরাংবা মকম লৌরি। ভারত পুম্নমক্না খঙলবা, পৃথিবীনসু শকখঙলবা মণিপুরগী জগোই, পুং ঈশৈ, শগোল কাংজেনচিংবা অসি কাওবিবনি। য়ুমশাবগী মকৈনা মণিপুরগী সংস্কৃতি অচম্বা নত্তে। হৌজিক্কী চাওখৎলবা ইঞ্জিনিয়ারিংগী মহৈনা য়ৌবা ওমদবা উচনগী মথল লৈ। সমাজগী মনুংদা হয়াউ-তায়াম্বা, কুমৈ-ফিযোংদা সংস্কৃতিগী অরাংবা থাক উবা ফংই। হয়াউ-কুমৈরাজদি হেনমনা খত্নুনা সমাজগী অকায়বদুম ওইশিল্লক্লে। খন্দুনা য়েংসি,, মণিপুরদা করম্বা থাদা সমাজগী ওইবা কুমৈ লৈতবা যাওবগে? সমাজগী কুমৈ মশিং য়াম্মনবনা সমাজ অসিগী মীশিংনা থবক নোম্বদা অকাযবদুম ওইরে।

মণিপুর অসি অপিকপা দেশ অমা ওইববসু মপানগী সভ্যতা অমসুং সমাজ সংস্থাবগী ঈথক পুমনমক মণিপুরদা যৌবরমই। মণিপুবগী মশাগী লৈজবা সংস্কৃতি অমুদা মপান্দগী লাকপা সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতি পুমনমক যানশিন্নখি। মপান্দগী লাকপা ঈথকশিংগী মনুংদা বাংলা লোন্দগী কান্নবা অতৈ মংতবসু লেন ওন্সিন ঈশৈ শবপা অসি ঐখোয়না থুনা থাদোকপা চুমই। মাসিগী মবমদা অবনবা থবক পাংখৎপদগী মৈতৈবোন্না ঈশৈ শনদি শন্নরক্লে। তায়ববু বাংলা লোন্না ঈশৈ শরবা হৌজিক ফাওবা যাওবি। মীবোন্না ঈশৈ শকপগী কলঙ্ক অসি কোন্ননবা জনসাধারনবু ভাব তাহনগদনানি।

ঐখোইগী সমাজবু চাওখৎহনগে হায়ববদি ঐখোই পুমনমক থবক কম্না নোম্বা তাবে। মবাৱগী হৌদুনা সমাজগী সংস্থা নিংথিনা লিংবা তাই। Compte পণ্ডিতনা হাযখিবা মথক্তা শন্নখিবা রা তন্তু অমুকা নিংশিংসি—ঐখোইনা ঐখোইগী সমাজ বিজ্ঞান নিংথিনা চাওখৎহনবা হুৎকবা মতমদা ঐখোইনা সমাজগী থবক শীনজবা ওমগনি অমসুং সমাজগী লাইবক লেপ্পা ওমগনি।

মণিপুর সাহিত্য পরিষদ

বার্ষিক অধিবেষণ ১৯৬১ তাং ২৪।১২।৬২ইং

—বিহারী শর্মা

ইকাইথুম্নবদা মতিক চাববা প্রধান অতিথি, শ্রদ্ধেয় সভাপতি, নুংশিনবা মপানগী প্রতিনিধিশিং, মনাশিং অমসুং সাহিত্য প্রেমী পুম্নমক,

লেংশিনবিরকসি ওইবিয়ু সভাগী লৈতেং। চহি অমা হৌখ্রে। ওসি অমুক উম্নরে। ওক-তরাম তরাম। কোওদোকপা হৈজদে ফজ ম্নাহৈনা। নৌমিবনি খন্দুনা ওাকপিয়ু সভানা লেনবিহৈবা খম্মোইনি শান্তিগী মুর্তিনি। লোজবি।

অধিবেশনগী থবক মথ। চহ্ত্রেইগী পুকনিং হয়াউবা কোঙদোকপগী লোয়ননা মণিপুরী ইচিন ইনাউশিংবু ময়ামদা শকথং মাইখং উৎচরি। ওসিগী সভাদা কাছাড় অমসুং ত্রিপুরা জিলাগী প্রতিনিধি য়াওরে। মতম কুইনা মঙজরকপা মঙ ওসিদি তাইবং ওইরে। অদুগা কুইনা য়ারি য়াতাই শাবা কংঙ্গ্রবা ওসিদি অয়ানুংঙাই কোঙদাকমিন্নরগনি।

ঐহাকতি সাহিত্যিক নত্তদে। সাহিত্যগী খোঙবান চেনবনি। মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎলে হায়রগা হেকতা নুংঙাইজবা অতুগা ইশানদি সাহিত্যগী লৈকোন্দা অনৌবা লৈয়াং পাম্বী থাজিনবা ওমদবা ঐহাকনি। শেমলকপা নাচোম লেংলকপা পাবং কজে কজদে খঙই লাব্দে। অশেংবদি ওইগনি।

পিরুবা মণিপুরনি। মশীং যামগ্রবা মণিপুরনি। চীংলোন মাপমসু কোয়শীল্লি। অদুগুম্বি ওইরগা পিরুবা মণিপুরদা থিরুবদি অরাংপা লৈতে। অতোপ্পা লোন। তোপ তোপ্পা কৃষ্টি সংস্কৃতি লোযনন। সাহিত্য। মমল যামলবা অথিবা লাইরিক কয়া—.কাঙবা ওমদত্রনা তাত্রবা লৈরি। সাহিত্যগী অশেংবা মঙানদি ক্লাসকী যেংত্রনা শেম্বা স্কুল কলেজগী পাঠ্য পুথিক নত্তে। কবিগী পুকনিংগী অশেংবা মমি সাহিত্যকাবগী অশেংবা আলোচনা, রচনা মতুংগী মাতি অমগী অশেংবা সাহিত্য। অয়াবদি অফিশ্রা লাইবিক অসি ঐখোইগী মতিক চানা ১৯২২ ছাপা তৌত্রনা ময়ামগী খুত্তা য়ৌত্রিবনা লৈতবগুম উবি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা লৈরকলিবা অসি চহিদা হায়রবদি যামদবা নাত্তু, চহি ২ গুবে। কবি কবি তৌবে হংবিগনি—যামনা তৌখ্র ইতৌ তৌদবগুম উবি মরমদি অয়াংপগী অয়াংপা মক্তা। মতিব চাবা নির্ভব মণিপুরী অভিধান লৈতে, ব্যাকবণ লৈতে, সাহিত্য ইতিহাস লৈতে। হায়রিবশিং অসি খুংইদি লৈরবনি—নমনিংঙাই পৈশা লৈতে। পরিষদঅ শেল লাক-নিংঙাই পিকই চৎনিংঙাই যামই—তৌকম খঙদে ভাবকী দলাল য়াওবক্রে। শেলগী উপাই লৈবদি উৎনিংঙাই খবদি লৈবে। লাইবক থিবদি পরিষদকী লনাই লম লৈত্রি শঙ লৈত্রি—মোজনা শীবিবা নত্তনা পরিষদকী লৈবা ওম্বা শক্তীদি লৈত্রি। অবাংবা মেনশিনবিবা ওইনা শ্রীকালাচাঁদ শাস্ত্রীগী মণিপুবী ব্যাকবর্ণ কৌমুদি থোক্লে। থাগৎনিংঙাইনি। গোকুল শাস্ত্রিনা সাহিত্য লক্ষণ অমসুং অলঙ্কারগী মরমদা নৈনবা যারবা—"সাহিত্য মিংশেল" কৌবা পিকলবসু মচি অরুবা ঙাইবা লাইরীক অমা কোঙবিয়ে নুংঙাইবনি।

ধর্ম্মগী মিৎয়েংদা পণ্ডিতরাজ আতোম্বাপু শর্ম্মনা শ্রীমদ্ভাগবত অমসুং মণিপুর মহাভারত কমিতিনা ব্যাসদেবগী মহাভারত মণিপুরীদা কোঙবিত্রনা ধর্ম্ম অমসুং সাহিত্যদা চাউবা থৌরাং লৌবিরি। মপুং কাবা নিজরি। মণিপুর সংস্কৃত পরিষদনা বাল্মীকি রামায়ণ মৈতৈলোন্দা অনুবাদ তৌননবনী থবক পাযখৎলি—তাবা নুংঙাইজে। পুমনমক সাহিত্যগী পুককৈনি।

হৌজিক হৌজিকী ওইনা নুংঙাইতবা কংজরিবদি মৈতৈলোনগী বানান অসিনি। মোজক খুদিংগী লনাই বানান ইবদা লাল্লি হায়ত্রনা ককপা। ওম্বা অমদি চায়বাগুম লৈরি মসি মণিপুরী খুদিংমকনা চৎনদব। যাত্রবা পুমনমক য়ানবব। ব্যাকরণ অমসুং অবিধান লৈতনদি ওইবা য়াগদৌরি। অনি অসি লৈয়বতদা য়ায়েং শৈয়েং অমসুং বানানগী খুদি কোনককনি।

পুং ম্রথংদা হৌজিক ইনরকলিবা মণিপুরী কবিতা মই অসিনি । কবিতা হায়রবসিদি পরেং তোঙা তোঙা ইবা অমদি লৈয়োংগুম্বা হৌইকেং মগী ইবা ভাকনসু লৈয়েংনি হেক্তা হায়রবসু কবিতাগী মগুন মাংলকনি । খুদম ওইনা মণিপুরদা রাগেং ইমবুদি লৈয়েং ইবনা লাইতক তৌনা খনগুব তৌনবক লৈ । রচনা অমা ইমরূপদসু কবিনা ইব দ কবিতা অহুম ওইবনি । অহুৰু অংগম্বা কবিতা অমদি কাব ইবা ভারবদি নিয়ম খরদি ইনবা তাই । কাওরবা কবিদা হায়রসি অমি-হূৎ অমৌবসু—কালীদাস, ভবভূতি, রবি ঠাকুর, সেক্সপিয়র, ব্রাউনিংগাট ·· ·· অসিমচিংবা । মাক অরস (ছন্দ) তজিক য়ায়া চৎনরে । কবিতা পুংমক কাব্য পুংমক য়াক অরসতা লোইনা ইগদৌবদি নত্তে । খর মমিং চৎলিবা সাহিত্য খুদিংমক চৎনবী ছন্দ লৈনবা ভাজনি । মণিপুরী সু সংস্কৃতলোমদা নবগরা, হিন্দিগীদ নকপরা বাংলানা নকপরা ইংরেজীদা মুংঙাইগরা নক্তে ঐখোয়গী ইংতোপ তোঙা Terminology (পারিভাষক) লৈরবসু কৈ । নিযম অমতং থমজবদি মমৈথংদা সাহিত্য ইতিহাস মগক শীবা য়াই ।

মণিপুরী বিঃ এঃ কাওরা লোন অমা (Vernacular) ওইনা শকখঙবিরে । অতৈ লোন খরবু বিষয় ওইনা লৌরগুমনদি তৌহি । হৌজিকমক কোঙহুনা লৈয়বা লাইরীকসিংদি য়াবা নত্রি মতিক চাবা যেংনিংঙাই (Reference book) লাইরিক খরদি লৈবা নয়কায়নি । মরমদি বিষয় অমা ওইনা লৌরবদা ওনার্স ক্লাস লৈনকতে হায়রগদি মহুগী মতাকসু লয়কায়নি । ওনার্স লৈরবদি Post graduate চখুবা অক্রবা মগ্র । থবক অসি পাঙথোক্নবগীদমক অহিবা লাই-রিকী ম্যাজিয়ম অমা খঙদবসু য়াদবনি । হাযদোককপা য়ামনা লাগাবে । থবক ওইনা চখবগদি চহি ১৬ ভুমে থবক হৌগি হায়বা য়াই । ইবিমবসু য়াৎলা, মোক্সিনবসু য়াৎলি । অমুগী মথক্তা চৎনিংঙাই শেল ।

পুং ইশৈ জগাই মাণপুবীগী থরাইনি । মশাগী তোপাতাপা দৃষ্টি ভঙ্গি অমা পৃথিবীদা উৎপা ওমজৈ লোনগী মতংদা নু ঙাইতবা পোকনরি । মণিপুরগী অাযাবা ধর্ম কর্মগী সংকীর্তননা মরুনি । নাহাবোম্বা মৈতৈবান্দা শকপা পামনবরু । থবক ওইনা পাঙথোক্লবা পবিযদনা হোৎনহুনা পুং ইশৈগী ওজ্রাশিংনা চানবিহুনা মৈতৈলোন্দা বাশকনচংবা কাংনবিরে । অহৌবা ওইনা লোন্দা পুদা নুংঙাইতবা মকম খাদা থেংনববসু মপুং ওইনদি করবনি । থবক অসিদা মায়োং যাবিবম্বগীদমক ৺সংগীতাচার্য বোক্তুংবম অৎোযাইরা অমসুং ৺সংগীতাচার্য রাঃ কুঃ সর্থ্যাবরণ সিংহ মিকুপ খুদংগী কাউবা ওমদে । ওজা অতোইমগী মৈতৈলোনগী ইশৈ মযাম অসি কোঙদোকপদা মণিপুরগী লন ওইগদৌবিবনি । খর কুইগ্রবদা মাঙবা যাবিবনি ।

মৈতৈগী অবিবা লাইরিকী মবমদা হাবদা ঐখোবগদি অয়ুক নুমিদাং তিম্নবা ফংজবিবা শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ পণ্ডিতগী হাযনিঙাই লৈতবা মতেং লৌবা যারিবনি—মাঙোন্দা লৈবা, মহারাজা খোমজিনবা যাবা অহুগা মহাক্নসু নীংথিনা নৈনবা থাবা মমল যাম্নবা লাইরিক কাা লৈরমগনি । মসিদং কোঙদোকপদা মণিপুরী সাহিত্যদ ইচম্ননা তাযবা নঙবা পোৎশকা অহুম উৎপা ওমজগদৌবনি । পণ্ডিত অসিতগী রা নচ্চদে । খঙজক্লবগী হায়জবান—কাওরবা মৈতৈ পণ্ডিত কয়া লৈরিবদি ।

খুদাখুনা থবা হায়রোই মণিপুরী সাহিত্য। মতম অমদা মণিপুরী সাহিত্যগী মণিপুরগী অহুমগী ওইনা লৈরমই। আসামগী মণিপুরী ইচিল ইনাওশিংনা মোরাঙ্গি অমত্তা ওইনা সাহিত্যগী লামদা অনিদি মণিপুরী লৈ হায়বা থজনরে। আসামগী ফুলশিংদা অনিপুরী লোন থম্মা থজবরকে। মকমদি তোঙানবা য়াই। পোকপদা কোয়মকপা লোন অমসুং অমাং শাস্ত্রং অমসুং থদা মপুগী সংস্কৃতি থাদোকপা লুবনি। আসামগী অয়াম্বা জিলাদা অমদি অনীদা মণিপুরী ইচিল ইনাও লাখ ৭৮ লৈরিবনি। শাশনদি তিম্রদে। সাহিত্যগী ইরোলদি য়াম্না য়াই। পুনশিনবকলীগী অপুনবা ভাব থম্না অমা সাহিত্য অমা লৈরবদা লৈরাং অমসুং মণিপুরী থজবদা মণিপুরী সাহিত্য নাচোম অমা মৈতৈপোকপিদা থেৎনবা ঙমগনি।

শ্রীহাকতি লংজিমদা কাওজখনি—পাওত্রবা হৈজত্রবা শ্রীহাক্না তৌবা ঙম্বা শক্তি লৈজদে। শ্রীজবা আশা মখুং কাহনবিমনবা অমং অহৈ সাহিত্য প্রেমী পুন্নমক্না পুক্নিং লৈতানা থম্বি-হুনা মণিপুর সাহিত্যবু অৱাংবা থাক্তা থম্বা ঙমনবগীদমক হুন্না হন্না নোক্কনি।

মণিপুর সাহিত্য পরিষদ
(কাছাড় ব্রাঞ্চ) কী সেক্রেটরীগী ভাষণ

শ্রীকুঞ্জমোহন সিংহ

শ্রদ্ধেয় সভাপতি, মাননীয় প্রধান অতিথি, ইকাই খুম্নজনা ওইবা মণিপুরগী উপা-ইপাদ সাহিত্যিকশিং অমসুং লুংশিংবা ইচিল-ইনাও পুম্নমক:—

ঙসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী চহীগী অধিবেশন অসিদা লমা-চৈপাকী অতম-অথৌ. অহৈ-অশাং অমসুং ইচিনাওশিংগী মথমদা রাহৈ অম-নিতং হুক্কৎচবগী খুদাংচাবা অমা কংঙ্কবা আস শ্রীগী লাইথক থাম্না কবা অমনি। মীকোনদা চাওজংকপা মরম্না রাহৈ ব্যাবহারদা কক্সি-ঙম্বা কায়ন চনবা য়াওখিবা থোক্লবসু সভাগী ঙসনা মতু ভাকপিগনি নীংজে।

মৈতৈ-ইমাগী মকমদা ঙসি এথাম্না লাকচবদি ইমাগী চরণদা করিঙম্বা হৈরাং অমা লৈবাং অমা কৎচগে হায়গুনা লাকচবা নত্তে। মতম কুইনা ইমানা কুওবখিহুনা মীওম্বক্তা লংশেক-পিহুনা থম্বিরকপগী কুমজা কাগী মতুদা ঙসি মচাবু লোই কায়ক্লো হায়না কৌকিনকপগী লাকচবনি। মতম খুইনা মমা কাইনহুনা লৈরিবা মচানা মমাগী মীকো তাবদা হন্নাকনা তুজুংবা থচহৌদ, ঙসি ঐখোগীসু হরাওবগী জুবায় ঈশ্বক হৌবি। ইমাগী মকমদা ঙসি লাকচবনি,—মমাগী মকমদা মচা ওইবগী ওইনজগে হাবহুনা লাবচবনি, ঈমাগী মকমদা মসি পীথিহু মতু তৌবিয়ু হাবজগে হাবহুনা লাকচবনি, মচাগী অবা-অনং কনা রাকৎচগে লাকচবনি।

চঙ্গনবা কোর্যনা পনশাবা স্না-লৈবাকপু মপানদা লৈবা মণিপুরীশিংমা মতম হৈবা থিবিক্তা মখাইরৈপাক্কি হায়বসি কাওদ্রে। কাওদবতা নত্তনা অমুক হয়না মমাগী মতম্পাক্কা হক্তিনখিগনি হায়না য়াম্না চৈংনা থাজে। মসিগী খুদম অমা হায়জগে—মমাংঙৈদা ইংরেজ সরকারনা কাছাড়গী মণিপুরীশিংদা মশা মশানা চাঙ্বিবা লমশি অদা মমিং মমীংদা চনশিনবিরগে হায়রকপা মতমদা মণিপুরীশিংনা যাখিদে। যাখিদবগী মরমদি, মণিপুরীশিংনা খুমশি, 'নখোয়না লম মীং চনশিনবিহুনা ঐখোয়বু ইরৈবাক্তা হলহল্লোইদগী তৌরিবান। লম মীং চনবা-কা তৌবিগনু, ঐখোয় ইরৈবাক্কা হক্তখিগনি।' হৌজিকসু মণিপুরনা করিগুম্বা থবক্তা মমাই পাক্লকপদা মপানগী মণিপুরীশিংনা হবাওবদা মণি বগী ইচিন্নাওশিংগী হরাওবনা থোইনা হেল্লোইদ্রা থজে।

অমুম্না মমারৈপাকপু নিংঙ্জবিবা মপানগী মণিপুরীশিংবু মমারৈপাক্কা অমুক কুইব। অসি নিংশিংবিরক্কনা অসিদা মর্মুরিন্দা খবদি নুংশিজে। অদুবু ঙসিদি নিংশিংবিরক্লে, তবাম তরাম্না কৌশিন্নবিরে। মসিদা মচাগী পেন্দানিডাই করি লৈবগে।

মপান্নদা লৈশিবা মণিপুরীশিংনা শিব চক্রবর্তী লান করা শাথিনা থেংনবকশংগ হায়বসি লোম্না কোর্জোকতুনা ওইবা নত্তে। ঙসিসু লাংহেংনবা লোইদ্রে। অদুবু ঙসিদি হিংবগী মওল অমদি উবা ফংলে।

জাতি অমা ওইনা হিংবা তাববদি জাতি অদুগী লোন, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি হিংহন্দবা য়াদে হায়বসি মপানগী কাডবুসু কাওবা তৌদে। কাওদবা মবম্না চহি ৩০।৪০ নম মমাংদগী হৌহুনা আসামগী মণিপুরীশিংনা মমাংবালদা লাইরিক তম্বা ফংনবা হায়দুনা লাকাল্লে। ঙসিদি মতম কুইনা লাল্লবকপগী মহৈ খবদ চজব। নমহৎতুনা থম্বা লাবাবাই হায়বা উহুনা ১৯৫৬ ইংদা Lower primary দা মৈতৈলোনা তম্বগী বাকম অসি সরকারনা পীবিবকতুনা মকম অয়াম্বদা তম্বা হৌগৎলাক্লে। তৌবগীদি মী খুদংমক্কা মসিন হী যাম্না অমনি হায়না লৌশিনবদি ওমদ্রি। চিংনবগী মবমদ,—'L P গী মথদা Middle অমসু High School দা করম্বা লাম্না তমগনি? অসিনি। অমুক কুইনা অসি Middle stage তা মৈতৈলোন্না তম্বগী বাকম অসি সরকারনা যাবিরক্কহুনা লাক্লি, হন্দাক্কি কত্তপক্কনা লাল্লবা চহী অসিদগী Middle stage তমসু তম্বা যারগনি হায়রগা বাঙাং অমা চৌবাক্লে। অদুবু চওববা বাহং অমা করিনা হায়বদা, Middle stage কী মথংদা অমুক করম্বা লেম্না তমগনি? মযেক তম্বা হৌবদগী তম্বা হৌগৎতুনসু নিংথিনা খঙবা ঙমদ্রবা মী রাল, বাংলা নত্রগা আসামীদা খাঙতপতগী তমথগদ্রা, মদুনা মরাল লৈজদ্রবা অঙাং মচাশিংবু হাৎপা হায়বদো থোক্লে ইদ্রা? নত্রগা মণিপুর গুম্না English medium দা তম্নবদি করম তৌই? মণিপুরগা মপানগ স্থান কাল পাত্র, মফম মতম-মীওই খেন্নৈ হায়বসি চেনবা য়াদ্রবা পোৎনি। অদুনা মণিপুরগী মওং অদো মপানদা চপ-চানা শিজিন্নবা যারোই। রাহং অসিগী মতীক চাবা পাওখুমদি মণিপুরনা পীবিবক্কদবান। পাওখুম অতৈ মওংদা নত্তে, মণিপুরী লোনবু থুনমক Major Vernacular ওইহনবিবা অসিনি। নত্রবাদি মপানদা মৈতৈলোন অসি 'হিদাক মনা কৈ কৈ চাম্নদবী' হায়বদো থোকনি।

মপানদা লৈরিবা মৈতৈশিংগী মমারোল মুংশিনবা অসি অতকপনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, ঙসি কাছাড়গী স্কুলশিংদা ছাত্রমচাশিংনা মণিপুরী তাকপিনবা ওজা অমত্তা যাওদনা, স্কুলগী মথক্তুরোলবু মুংশিবদগী classical subject কী মহুত্তা মণিপুরী লৌনরি। কলেজগী ছাত্র-মচাশিংনা মপোকতৌদগী তম্লকত্রবা মণিপুরীবু বাংলাগী মহুত্তা মখোযবু য়াহৈ অমুং তাকপিনবা য়াওদনা Non Collegiate ওইবগীম্নু কিদনা লৌনরি। মতাং অসিদা নিংশিংজনিংবদি শিলচরগী কলেজ অমদা মণিপুরী ছাত্র ২০০ রোম লৈ আদনা ৪০ রোম লৈ। ছাত্র মচাশিংনা কর্তৃপক্ষদা ওজা অম মমত্ং পীবিয়ু হায়জরকপা কুইরক্রে। কনামতনা ঙসি কাওবা নাচুংবিত্রি। মতাং অসিদা মণিপুরগী ইচিন্নাওশিংগী তৌকম থোকপদো কাছাড়গী ইচিন্নাওশিংনা খৌয়াংনা ভাইজরি।

ইমারোলনা লাইরিক তম্নবা লাক্নবতা নত্তনা ইমারোলগী অতৈ অন্তোয়া খৌগলম্নু মপানগী কাওবুনা তৌহনা লাক্লি। মহুগী খুদমদি, কাছাড়দগী মরদ মরক্তা সাহিত্য-পত্রিকা লাইরিক-লাইশুনচিংবা কোওলকলিবসিনি। মতাং অসিদা মপানগী কাওবুনা শেন্দবদি, ঙসি কাওবা মণিপুরদা সাবিত্য-পত্রিকা অমত্তা কাওবা হিংহনবা ওমদবা অসিনি। হৌজিক্তি সাহিত্য-পত্রিকাত্তা নত্তনা মণিপুরগা মপানগা মরী তৎনদনবা চয়োলগী পাওজেল চে অৎগম্নু মখৌ তারে। অদুগা ঙসি কাওবদা ঐখোযগী বানানগী মওং অমা তাদবসিনম্নু মপানদা যায়া ওক্না লৌনৈ। মসিদা পরিষদকী তৌগদবা য়ায়া লৈবয়া কায়না অযাম্বা থরৈ।

ইমারোলগী খৌগল মপুং ফাননবা হায়রুনা ইং ১৯৫৬ তা মণিপুরী লোন L P দা তম্বা হৌগৎপগা লোইননা মপানদা 'আসাম মণিপুরী সাহিত্য-পরিষদ" হাযবা মরূপ অমম্নু লিংখৎলি। লাইবক থীবদগী পরিষদ আসগী মপুন্সি য়ায়া তেনখি। চহি ৫।৬ মতুংদা পরিষদ অসি অমুক হন্না হিংগৎ-হন্নবা য়াখল তৌনরিডৈ মতমদা মণিপুরদগী 'মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ' কী প্রতিনিধিশিং লেঙবিরকপা মতম অদুদা ইরুজনিংবগা থোং তেকপগা চপ মান্নবা হাযবদো থোকখরে।

হৌজিক্তি ইচিন্নাও পুন্নমক অমুক্তা নৌনা শকথঙ মাইখঙনবে অমগী পুক্লিংগী য়াখল অমদা কোঙ-দোকপগী তাঙ্গা অহুম্নু কংনরে। ইমাগী সেবাদা ইচিন্নাও পুন্নমক খুজেং পালোঙ্গনরুনা সেবা মপুং ফাননবা লাররসি। চীংলোন মাংম্না কযা বুইনা ঐখোযবু কাইনহন্নবা ঙমখিগনি। লৈজসম্নু চীঙলোন মাপন, লৈজসম্নু 'সাত সমুদ্র তেরো নদী—থদৎপা ঙম্নোই কৈদৌঙৈদম্নু মণিপুরী ইচিন্নাওশিংগী মুংশিগী লংলা, কাইহনবা ঙমলোই পুন্নিং থন্নাই অমত্তা ওবনা তৌজবা ইমাগী ঈন্নাৎ।

মণিপুর সাহিত্য পরিষদ

(২৫শুবা চহিগী অধিবেশনদা পীবা জেনরেল-সেক্রেটারীগী রিপোর্ট)

শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহ

ইকাইখুম্নবদা মতিক চারবা সভাপতি অমসুং তীনবারিবা সাহিত্যপ্রেমী পুম্নমক !

কুনহুমু শতাব্দীগী হৌরকপদা মণিপুরদা অনৌবা সাহিত্যগী খোল্লাউ থোকখি—উত্তিষ্ঠত-জাগ্রত। হৌগংলসি চঙ্লিয়সি। "য়াকাইরোল", 'জাগরণ' অমসুং "ললিতমঞ্জুরী পত্রিকা" নচংবা মতম অতুগী চেক্লোংনা সাক্ষীনি। অনৌবা সাহিত্যগী লম্বয়ানবা অয়ুক্কা নিংশিংনীংঙাই ওইরবা কবি অমসুং সাহিত্যিক কয়ানা সাহিত্যগী ঈহৌ পুশিনবীবকই। হৌজিক্কি ঈহৌ লেপ্লগ্রে, ঈচেল্লমক্তি লেপ্লদ্রি। নমুল তুংরলগী ঈচেলগুম্না লিরি লিরি চেল্লি। থাযনগী অরিবা সাহিত্যগী শেংফাওবা ঈচেলসু য়াওনা, মপানগী ভারতকী সাহিত্যগী প্রভাবসু তানা, মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙচৎসি অমম-অঙান শিন্নবগী মশক লৌরি।

সমাজগী লংলেন সাহিত্যনি। ওন্নকইবা সমাজগী মমি অছু সাহিত্যদা তাই। অময়োম-দসু অমুক সাহিত্য। সমাজগী লমজীং মৈরা পাযার। চহি ২৫ শুরবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা মণিপুরী সাহিত্য পুথাকপা ওম্বা নত্তে। চুগী খোঙবান চেনবতনি। মীশিং য়ামদবা মণিপুরী ওইবগা মরা চোঙবা মতমগী ঈরাংদা কুপ্পকপা সমাজ ওইবগনা সাহিত্যগী শক্তি লোনবনি। তারকপা কলনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী খোংচৎসু শ্রীমতী রাধিকাগী আভিসারগী খোঙচৎনি। গজগামিনীনি—শামুগী খোঙচৎনি। মরক মরক্তা সাহিত্য প্রেমীশিংনা নীংশিং-বিরকই—মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ হিংলিব্রা ? অর্থ লৈবা ৱাহংনি। অচুম্বসু থাওদবা নত্তে। মায়কোংদগী কাওজিনখিহনা থম্মোয যৌখি হাযবা ৱাহয় মতানি।

পরিষদকী থবক্তা ঈচেলমক্তি লেপ্পা নত্তে। ঈহৌ লাক্কবতনি। বি এ কাওবা মণিপুরী স্কুল য়ানরগী কুরুক্ষেত্রগী লানকমদা পরিষদ মায পাকচখি। মণিপুরীবু মেজর ভার্ণকুলার ওই-হনবসু প্রবক্ত কুন য়াম্না পাইশিনজগ্রে—লোইরবা লাইরিক যাওনরে। হৌজিকমক্তি মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসনদসু লৌশিনবীগ্রে। গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী ইণ্টর মিডিযেট কাওবগী পাঠ্য—"খম্বপা শিরেং" কোওজখি। মেট্রিকীসু লোইশিন্নরক্লে। হায়ার লেকেণ্ডরী ক্লাশ লাকপসিনা থরদং পঙ্কনি। তুশেংবমক্তি পরিষদকী থবক অসি অধিবেশন খুদিংদা অমুক্কং মথাম পুনবা অমসুং তাঙল-লকনখিবশিং অছু চেক্লোং কযাদা কোংদোকচবনা মপুং ওইরে। পরিষদকী ওফিস অমতং দর-কার লৈরেনা থাকম থিজবা কুইরক্লে। থায়নগী লাইরিক কযা কোঙবগী স্কীম কয়া পুথোকচখি। লাযেপ কয়াক্তু হন্না পাশ, তৌজগ্রবনি। চিঠী কযা ইনজে, দান নিজে। অদুবু লাইরিক থীবনা মতিক চান্না সহযোগ কংজদ্রি—মায়কৈ অথাম্বদনি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ শিবমক্তি শিদ্রি। হন্দকী চহিগী অধিবেশন অমসুং জেওবীরক-ইন্দা মুয়াম্না সাক্ষীনি। মনুংগী ওইবা লাইরিক লাইঙ খোমজিনবা অমসুং কোঙবনা চংবগী থবক্কী

হেন্দোকনা মীয়াম থোকপা য়াবা থবক য়াম্না পাংখৎলবা ওয়দে হায়বসিতনি। মসিগী মায়োইদি থবক পুক্লিবাশং ঐখোয়সু মপুং ফানা শকক যাজরি। অমসু অফিস লৈত্রিবা সংস্থান অমনা হৌজিকী থবকী জলসা কয়া য়াম্না পাংথোকপা য়াবগে হায়বসু মথনবীয়ু। করিগী অফিস থম্বা ওমত্রিবনো হায়না হংবীরক্লবদি খুমজবা তাই—ঐখোয় পুম্মক শোনবনি। মণিপুরী সাহিত্য শিথুরকপনি। সাহিত্যগী ওইবা চে অমকাওবা লৈত্রবা সনা লৈবাক মণিপুরনি। মপান থোক্না তৌখিবগী থবক থরগী মনুংদা সংস্থান কয়ানা পুনশিন্দুনা হন্দকো লাক্লিবা, চহিগী সাহিত্য পরিষদকী সভাগী পণ্ডিত রাজ শ্রীঅতোম্বাপু বিদ্যারত্নদা ভারত সরকারনা তৌবকপা সম্মানদা ঐখোয়না হরাওজবা ওইনা কয়খিবা অভিনন্দন সভাদা পবিষদ অসিসু শকক যাজকই।

অমসু 'ঐনা কেনাগ কেন্দ্রদা মালংবনা হুম্বী কেনবনি মালংবা ঐসু কৈদৌদে" হায়বগী তর্ক অসিনা সাহিত্যগী লানকম শোক্নবা য়াবা নত্তে। পরিষদকী থবক নীংশিনা পাংথোকপা ওমদবসি থবক পুখিবা মীশং অমসুং সদস্যশিংনা দায়ী পুকম থোকই। অসিনা লাক্লিবা চহি অসগীদি সমাজ॥ অমসুং ঈথাবগী পন চামবু থুদেকপা ওম্বা সাহিত্য প্রেমীশিংনা চোংশিন শিরকতুনা মণিপুরদা সাহিত্যগী অনৌবা ঈংহৌ অমা পুরক্নবা হোৎনবদা মপুং ওইবা থৌদাং যাগনি হায়না আশা তৌজে। মীওইবগী অস্মাশক্তিবু থিংগদবা সমাজ নত্তে। সমাজবু মী-ওইবনা শেমদোকপা ওমই হায়বদি ভারতকী ইতিহসনা সাক্ষীনি।

পরিষদকী শেন্দ্রমগী মতংদা খবদং পনজগে। অাম্বা অমাদ কোংজবিবা 'থঙৎপা শেরেং' দগীনি হায়জবা তাই। ১৯৫৯গী ওইনা থাদা পুপা ফুনগী হিসাবতা লুপা চনিনিফুদং ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা চামবিহুনা তেংবাংলকই। হৌখিবা চহিগী অধিবেশনদা পুক-চল চাউববা শ্রীশনশম গৌরহরি সিংহনা পীবীখিবা দান ১০১সু পঙ্গনিংই। হৌখিবা সেপ্তেম্বর থা কাওবগী ওডিট তৌরবা হিসাবতা পোষ্টঅফিস সেভিংস বেঙ্কতা লৈবা অমসুং খুত্তা লৈবা হিসাবকনা পুম্না বেলেন্স লুপা ৭৬২৫৮ নয়া পৈশা লৈরি।

মতু শোল্লবা মণিপুরী সাহিত্যনি। থবক ওমত্রিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনি। অসি-মকপু অমুক্তং মযামগী অপুনবা লীচিংনা অমসুং মরণজয়ী আত্মশক্তিনা সাহিত্যগী ঈংহৌ অমতংদি থীন্দনা লাক্রসনু হায়বসিনা ঐহাকী অরোইবা প্রার্থনা ওইজদি—উত্তিষ্ঠত জাগ্রত প্রাপ্য বরান নিবোধত। জয় হিন্দ।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী সাংস্কৃতিক

প্রতিনিধি মণ্ডল অমসুং মসিগী প্যাংথোকখিবা থবকশিং

—:(O):—

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী সম্বিধানগী মণিপুরীগী মপান্দা, মণিপুরী লৈবা মকমশিংদা সাহিত্য পরিষদকী ব্রাঞ্চ থম্বগী ৱাকম য়াওরি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ২৫শুবা চহিগী অধিবেশনদা মণিপুরগী মপান্দা মণিপুরী লৈবা মকমশিংদা ব্রাঞ্চ থম্বগী ৱারেপ তাখি। তাং ১৩।১০।৬১ ইংদা কমখিবা পরিষদকী ৱার্কিং কমিটিদা (১) শ্রীচন্দ্রসিং পণ্ডিত (২) শ্রীনন্দলাল শর্ম্মা (৩) শ্রীনীলবীর শর্ম্মা জেনেরেল সেক্রেটরী অহুম অসিবু প্রতিনিধি ওইনা হোজাই অমসুং কাছাড়দা থাবা হায়না লেপ্লখি।

প্রতিনিধি মণ্ডলগী উদ্দেশ্যঃ—মণিপুরী মপান্দা পরিষদকী ব্রাঞ্চ থম্বা অমসুং মণিপুরগী মনি-পুরীশিংগা মপানগী মণিপুরীশিংগা মুংশিনবা অমসুং নকশিল্লবা হেনগৎহনবা অমসুং পুম্না ইমালোল অমসুং সাহিত্যগী সেবা তৌমিন্নবা। প্রতিনিধিশিংনা শ্রীচন্দ্রসিং পণ্ডিতপু প্রতিনিধিশিংগী প্রধান (লিদর) খনখি।

পরিষদকী প্রতিনিধিশিংনা তাং ১৫।১০।৬১ দা ইম্ফাল থাদোকখি তাং ১৬কী নুমিদাংদা হোজাইদা থুংখ। তাং ১৭কী অযুক্তা ৱার্কস মিটিং তৌখ। নুংথিল পুং ৩ তাবদা পব্লিক মিটিং তৌখি—

পব্লিক মিটিং (হোজাই)

মংমঃ—নূতন বাজার ময়া (মাইস্নাম বীরমঙ্গলসিং)

সভাপতিঃ—শ্রীতেনবা সিং

সভাপতিনা আসন সৌরবা তুংদা শ্রীভাস্করসিংহনা "কজৈদা ঈমা মৈতৈ লৈমা" হাযবা ঈশৈ শৈহো ওইনা শকখি। মৎংদা পরিষদকী প্রতিনিধি অহুমনা মথং মথং ৱা ভাংখি। হো-জাই প্রজাশিংগী মায়কৈদগী শ্রীকমলসিং, শ্রীবিষ্ণু শর্ম্মা, শ্রীপানৌসিং, শ্রীবাবাতোম্বী সিংনা ৱা ভাংখি। মতুংদা সাহিত্য পরিষদকী ব্রাঞ্চ থম্নবা এডহোক কমিটি অমা শেমখি। কমিটি মেম্বরশিং—শ্রীতেনবা সিং, শ্রীকমলসিং B. Sc. (কনভেনার) শ্রীনিত্যাই শর্ম্মা, শ্রীচূড়ামনিসিং, শ্রীমানসিং।

তাং ১৮।১০।৬১ ইংদা পরিষদকী প্রতিনিধি মণ্ডল লক্ষীপুরদা থুংখি। নুমিৎ অসিগী নুংথিল্লদা ৱার্কস মিটিং তৌখি। মিটিং অসিদা মণিপুরী লোলগী ক্লিবেপ বানান, কাছাড়গী লেখক্না কোংবা অওাংগী পাঠ্য অসিমচিংবা নৈনখি।

তাং ২০।১০।৬১ ইংদা লক্ষীপুর খুমন মাণ্ডবতা শ্রীগৌবো সিংহনা সভাপতি ওইদুনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা পব্লিক মিটিং তৌখি। মণিপুরগী প্রতিনিধি মণ্ডলবু স্বাগত তৌবগা লোয়নমনা লক্ষীপুরগী মণিপুরী প্রজাশিংগী মায়কৈদগী ওইনা অভিনন্দন পত্র পীখি। প্রতিনিধি মণ্ডলনা ভাবক পীরবা তুংদা শ্রীকৌশিকী শর্ম্মা, শ্রীয়েংখোম কুঞ্জবিহারী সিং, শ্রীগৌরহরিসিং, শ্রীনীল-

ধরজাসিং অমস্থং শ্রীপুলসীসিংহনা শ্রাবণ পাখি। মখাদা তুখিরাং পুং ৭ তামা চাক্লদা "কবি সম্মেলন" তৌখি। মসিদা লক্ষীপুরগী নহারোল কবি কয়া অমস্থং পরিষদকী জেনেরেল সেক্রেটরীনা কবিতা পাহুনা কবি সম্মেলন মপুং ফাহনখি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদগী ইকায় খুম্নজনা ওইরবা প্রতিনিধিশিংনা কাছাড় জিলাগী লক্ষীপুরদা অহানবা খোঙদারকপা মতমদা পিরবা অভিনন্দন পত্র

পুকচেল চাউবা ইবুঙোশিং!

জাতিগী সাহিত্য সংস্কৃতিগী মালেমদা নিংথম উন্না পঙথরবা পামেলনা বসন্তগী নাথিবা মলয়া কংজবদা নৌনা মথোন চোংথৎলকতুনা পেনজবগুম কাছাড়গী পঙথরবা মণিপুরীশিংনা ইবুঙোশিংবু কংজবদা অনৌবা আশাগী মঙাল কংজতুনা ঙমখৈ লৈতনা হরাওবা ফোংদোকচবি।

হৌখিবা চহি কয়াদা মণিপুর অমস্থং মপান-মণিপুরীশিংনা চাউখৎপগী খোঙথাংদা খুৎশয়না খোইদোক্না মরী থম্নতুনা চংলকতবা মরমদগী ঐখোযগী খোঙথাং য়াঙবা ঙমখিদে হায়বসি খোইনা অরানবা নত্তে। মণিপুর অমস্থং মপান-মণিপুরীশিংনা অমত্তা ওইনা পুকচেল খোয়জেল তিন্না হেৎনত্রবদি জাতিগী সাহিত্য অমস্থং সংস্কৃতিগী থৌগল মতীক চানা পাঙথোকপা ঙমলোই হায়বসি খল্লবকপা মতম কুইরক্লে। তৌইগুম্বস্থং ঙাস ফাওবা রাখল অসি রাখলতা ওইহুনা লৈরক্লি। থোইদোক্না পুরং মুংশজবদি, মণিপুরীগী থম্মোয ওইবিবা মণিপুরগী ইচিন্নাওশিংনা হীরম অসিদা মথোযগী তৌকম থোকপা অসি তৌবিরক্তবা অসিনি।

ঙসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ইচিন্নাও পুন্নমক-খোয়জেল তিন্না খুজেং পলোইনহুনা জাতিগী থৌগল পাঙথোক্নবা হোৎনবকপা অসিদা মপান মণিপুরগী-মণিপুরীশিংনা হরাওদনিংঙাই কবি লৈবগে?

কাছাড় মণিপুরীশিংগী পক্ষদগী
অভ্যর্থনা কমিটিগী প্রেসিডেন্ট
শ্রীধনেশ্বর সিংহ

তাং ২১।১০।৬১ [হাইলাকান্দী]

তাং ২১।১০।৬১ ইংগী মুংথিল পুং ৪ তাবদা শ্রীধনেশ্বরসিংনা সভাপতি ওইহুনা জাত্রীবোনদা পাব্লিক মিতিং তৌখি। মসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রতিনিধিশিংনা ৱা ঙাংখি। জাত্রিবোন প্রজাশিংগী মাইকৈদগী শ্রীশাজৌতোম্বীসিং অমস্থং শ্রীএকেন্দ্রসিংহনা ৱা ঙাংখি।

তাং ২২।১০।৬১ শিলচর

তাং ২২।১০।৬১ ইংগী পুং ৩ তাবদা শিলচর মহকুমা পরিষদতা শ্রীচন্দ্রসিংহনা সভাপতি ওইহুনা পাব্লিক মিতিং তৌখি। অহানবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রতিনিধি অহমবু কাছাড়গী মণিপুরী প্রজাশিংগী মাইকৈদগী শুটনা ফাগত তৌখি। শৈহৌ ইশৈ শরুনা তুংদা পরিষদকী প্রতিনিধিশিংনা মথং মথং ৱা ঙাংখি। কাছাড়গী প্রজাশিংগী মাইকৈদগী শ্রীনন্দকিশোরসিং

শ্রীগৌরো সিংহ, শ্রীকুঞ্জেশ্বরসিং, শ্রীজয়ন্তসিং, শ্রীবসবাজসিং, শ্রীজয়কুমার সিং, শ্রীবহামুদ্দীননা
রা ভাংখি। মতুংদা কাছারদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ব্রাঞ্চ কমিতি অমা শেমখি।

কমিতি মেম্বরশিংগী মিং ঃ—

১। শ্রীনীলধ্বজ সিং B, A.—প্রেসীডেন্ট Instructor, Basic Training Institute vdharbon.

২। ,, হামীদ আলী চৌধুরী —ভাইস প্রেসিডেন্ট Assistan Hd. Master N G. High School Sonai

৩। ,, কুঞ্জমোহন সিং M. A —জেনেরেল সেক্রেটরী Khumal, Lahkipur

৪। ,, চৌধুরী হামীদ অহমদ—এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী Baskandi

৫। ,, পূনসীসিং—কেসিয়ার. Lakhpur ৬। শ্রীযুক্তাসিং M A B T Badarpur ghat

৭। ,, বাগিচ্ন্দ্র সিং Singrabond ৮। শ্রী প্র কেদার শশাঙ্ক মুখর্জী M. A Monipur, Rangpur

৯। ,, লালা সিং—Head Mister Sundary ১০। শ্রীএকেন্দ্রসিং—Sudarsanpur

১১। ,, আর কে কেনুংসনা সিং B. A, Dhulaucherra ১২। শ্রীকামেশ্বরসিং M, A B T. Head Master, Sonai

১৩। ,, জয়কুমারসিং Govt. High School, Silchar ১৪। শ্রীরেহান উদ্দিন Sapar Maina Lakhipur.

১৫। ,, নীলমনিসিং - Terapur, Silchar

মতুংদা সভাপতিনা ভাষণ পীখি। রিসিপসন কমিতিগী সভাপতি শ্রীধানেশ্বরসিংহনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমসুং প্রতিনিধি মণ্ডলবু থাগৎ-রাহৈ হায়খি। মণিপুরী প্রতিনিধি মণ্ডলগী মাইকৈদগী পরিষদকী জেনেরেল সেক্রেটরীনা অবোইবা ওইনা কাছার প্রজাশিংদগী বিদায় লৌবগী রা হায়খি। মতুংদা শৈরোই ইশৈ শরুগা সভা লোইশিনখি।

শিলচর মিতংগ থোংদোকপা অমা

মিতিং অসি কাছাড় পূমমক্কী অথন্নবা লাক্লবা মীওই যাম্না তিনখি। কাঙলুপ খুদিংগী মীওই যাওখ। হাম্না ভাব ওন্নবা লৌনবা অমসুং মত তিন্নদবা লৈবম্বা পূম্নমক কাওথোক্লুবা ইমা অমতগী মচানি হায়বা নিংনবুনা পুৎশম্নবা চৎমিৎনবগী রাখল অমা মুমিৎ আসদা পোকহনখি। মসিনা কাছাড়গী মণিপুরী অমসুং প্রতিনিধি মণ্ডলগী পুক্নিংদা অপনবা পোক্লখি।

তাং ২৪। ১০। ৬১ ইংদা প্রতিনিধিশিং শিলচর থাদোকখি। পরিষদকী প্রতিনিধিশিংনা ত্রিপুরা যৌবা ওন্নবদি মণিপুরী জাতিগী যাম্না কান্নবা ওইগনি হায়বা অসি মপানগী অমসুং মনুংগী মণিপুরী পূম্নমকী অচেৎপা থাজবনি। পরিষদকী যাথং ফংদবনা প্রতিনিধিশিংগী অভিযান অসিগী কাছাড়না অবোইবা পম্বুং ওইখি। মথংদা ত্রিপুরা যৌবকখিগনি হায়না আশা তৌনবি

প্রতিনিধি মণ্ডল অমসুং মসিগী মহৈ য়ানবা—

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা থাবা সংস্কৃতিক প্রতিনিধি মণ্ডল অসি আশাদগী হেন্না মহৈ য়ানখি। চৎলুবা মফম পূম্নমক্তা হবাও হুরাওনা ওক্লখি। অভিনন্দন পত্র কয়া পীহুনা তুংশীবা অমসুং ইকাই খুম্নবা উৎলকই। চহী চা কয়া কাওথোকপগুম লৈকরবা মপানগী ইচিন ইনাওশিং

অসিবু মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরগী মায়কৈদগী খোঙ্গুল লীক্লবা অসিদা মপানগী মণিপুরী ইচিন ইনাওশিংগী থম্মোইদা নুঙাইবগী ঈথক হৌহৌই। চম্লবা জাতিগী অভিজ্ঞানগী লম্বীদা আশাগী মৈরি অমা ফংহৌই। হোজাই, লক্ষীপুর, জাত্রীবোন অমস্মুং শিলচরদা পব্লিক মিটিং তৌখি। হোজাই অমস্মুং কাছাবদা ব্রাঞ্চ কমিতি সেমলম্মি। অসিদম্মু মতুনা "কবি সম্মেলন" কাওবা তৌদুনা কলচরেল একটিভিটি উৎখি।

নহৈ ম্লানবগী মরম— মপানগী মণিপুরীশিংবু মণিপুরদগী চৎলুবা প্রতিনিধিশিংনা মিৎকপ থোকহল্লবা নত্তে। মিৎকপতি হান্না থোকতুনা লৈবমলবনি। অচৌবা অভিমান অমগীদমক শেম শাত্তুনা লৈরমলবনি তৌইগুম্মস্মুং মাইকৈ কাদোমদা চৎকদগে হাযবা খঙদনা লৈবম্বদনি। মণিপুরগী প্রতিনিধিশিংনা চম ডং রেব অমত—গী ববত্তনি। হুম দাম্নবা বঙালী অমস্মুং লৈমিম্মরিবা আসামীশিংগী রাখল যৌবাং অমত—এমাসোর্নীদমক তৌবা। আন্দোলন পুম্নমক উবদা মপানগী মণিপুরী পুম্নমক ঐখোযম্মু ইমালোনগীদমক কবি পৌসাগে চাম্না থম্মদুনা লৈবমলবনি। কনাগুম্বনা কাছাবদা থোরখিবা লোলগী আন্দোলন লোমদা ইঙ্গং তৌদুনা হাযৎকই—"ঙসি ইমাম্নবা কযানা মমালোনগীদমক নোংমৈ গুলী মাইথোরদুনা থরাই থাবি। ঈ খুজোক বৎলা অদুবু ঐখোযদি ইমালোন নি হাবদুনা পী মরিক অমতা ফাওবা কৎপা ঙমদ্রে।" য়াম্না চুম্বা রানি। হোজাইগুম্বা মণিপুরী লিশিং কুনলোম লৈবা মফমদা প্রাইমারী ফাওবদা ইমালোন্দা শিক্ষা পীবা কংদ্রে—। মযাদা খোম্নম নমজিবা ইচাশিংনা মীরেন ওম্বগী অরাবা খাঙলি। মীরোল আসামবু মমালোনগুম তাংদুনা লৌর। কাছাবদা লৈরবা লাখ অনিবোম ওইবা মণিপুরীশিংন প্রাইমারী ষ্টেজদদি মণিপুরীদা শিক্ষা ফংলে। মিদল ষ্টেজদস্মু ফংবগী আশাদি উবে। অদুবু আসাম সরকারনা মাইকৈ অশোমদা হেম্না মিৎযেং চংশিনদবা অসি য়াম্না রানিংঙাইনি। বাঙ্গলানা মরোলগুম্না শিক্ষা কংলিবা ইচিন ইনাওশিং অসিনা প্রতিনিধিশিং উরগা ঙমখৈ লৈতনা হরাওজে। মেজর ভর্ণকুলার অমস্মুং হাইয়ার সেকেণ্ডরীগী পাও তারগা ঙমখৈ লৈতনা নুঙাইনৈ।

দেলীগেশনগা খোঙবু চাবা— মতাং অসিদা দেলিগেশন চৎলিবা প্রতিনিধিশিংগী মবমদা পল্লিঙাইনি খোঙলু যাম্না চাখি। সেক্রেটরীনা পরিষদপু মশক তাকখি। মপানগা অমস্মুং মণিপুরগী ইচিন ইনাওশিংগী মরক্তা নকশিন্নবা অমস্মুং নুংশীনবা হেনগৎনবা হোৎনখি। লাইবক করনা শ্রীচন্দ্রসিং পণ্ডিতকুম্বা মৈতৈগী অরিবা সাহিত্য বু মমুৎ তানা খঙলবা অহন অমা য়াওবনা মপানগী ইচিন ইনাওশিংদা ইমারোলগী আরবা সাহিত্যগী চাওববা ললগৈ উহন্দুনা মশক তাকখি। অম্মুম্না মণিপুরী জাতিগী ইতিহাসতা মপুং কানা গবেষনা তৌরবা শ্রীনন্দলাল শর্ম্মা মণিপুরী জাতিবু মশক নিংথম্না তাকখি। অমস্মুং মৈতৈগী অরাংবা সংস্কৃতি—সভ্যতাবু শুগাইনা খঙহনখি। মযামদা নিংথিবা প্রভাব তাখি। হুন্নক্তী দেলিগেশন অসিদগী মপানগী ইচিন ইনাওশিংনা মপাগী মশক অমস্মুং মতিক মগুণ হায়দগী হেম্না খঙহৌই।

মেজর ভার্ণকুলার— মেজর ভার্ণকুলারগী রাকম অসি ঐখোয়না খৌরাংনা লৈরক্লিবনি। মরু ওইনা কাছারগী প্রজাশিংদি অমুকস্মু হেম্না খৌরাংহৌই। মরমদি প্রাইমারীদা মণিপুরী তমদ্রে। মিদলদস্মু তমগদৌহৌরে মবক অসিদা মেজর ভর্ণ কুলার লৈরবদি মাহোল বাঙ্গলানা চিংবা

(হাইস্কুল টেস্তদা) তম্বা ভাগদৌরি। অরাবসি মণিপুর এডমিনিস্ত্রেসনগী খোঙথাং অসি লম্বী অসিদা য়ায়া তপ্পা উবি।

পরিষদ অমসুং মসিগী প্রপোজ:—১। মপানগী প্রাঙ কমিতি অমসুং মণিপুরীশিংনা চাং নাইনা খোঙবা মেগাজিন পামহৌই।

২। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদতগী চহীগী ওইনা প্রাঙশিংগী মীওইবা মতেং পামহৌই।

৩। প্রাঙ কমিটিনা টেক্সট বুক টিংবা কোংবদা পরিষদতগী মতেং পামহৌই।

৪। পরিষদকী প্রাঙ অফিসশিংদা মণিপুরী লোনদা খোঙবা লাইব্রেরিকশিংগী কপি অমমম পাম্মি।

৫। মপান্দা মণিপুরী স্কোলার তোয়না থাবা অমসুং মণিপুরী কলচরগী মরমদা নৈনবা পাম্মি।

নীলবীর শাস্ত্রি,
জেনেরেল সেক্রেটরী,
মণিপুর সাহিত্য পরিষদ।

লোইরবা।



পরিষদকী অফোঙবা লাইরিকশিংঃ—

—:(o):—

১। খজঙপা শৈরেং (প্রি ইউনিভর্সিটিগী পাঠ্য)
২। " রারেং "
৩। নুমা খাম্বলেম্বী (বি, এ, গী পাঠ্য)
৪। শৈরেং শৈখম

—:(o):—

ভাষণ চেকোঙশিংঃ—

—:(o):—

১। ১৯৫২গী অধিবেশনগী ভাষণ চেকোং
২। ১৯৫৩ গী "
৩। ১৯৫৮ গী "
৪। ১৯৬১ গী "

Printed at the Santi Press, Imphal & Published by the Publicity-Sub-Committee,
Manipuri Sahitya Parishad.